

পাচা

মীওঙ্কবর্গী রাকং

MEEOIBAGI WAKAT

A Manipuri novel by Pacha Meetei

and

Published by

Sharat Khuman for P S Publications, Manipur.

অহানবা থোরবা : ১৯৯৬

থোকপা : শরৎ খুমন্না পি. এস. পব্লিকেসন্স মণিপুরগী

'৭ শুনা' লাইরিক শইদন থোকহনবা

মখুৎ শেমগৎপা : তরুণ মচা

বপী মশাং : ১০০০

মমল : লুপা ৯০.-

নমথম : পি. এস. প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরী

সগোলবন্দ, মোইরাং লৈরক মচিন।

টেলিফোন নম্বর : ২২৮৭৩৪

পব্লিকেসন্সদগী

পি. এস. পব্লিকেসন্স, মণিপুর পব্লিসর মরাঙ কয়না লৈত্রিবা ইরমদমসিগী অহৈবশিং মরুওইনা, ইরুরগা মশাগী খুৎই লাইরিক অদু ফোংদোক্নবা ঙমদগী লৌংনরক্লবা অহৈবা কয়াবু পুক্লিং থোগৎচবগা লোয়ননা অমসুং লাইরিক কয়া পুথোকচরুনা মতম মতমগী ওইনা মীয়ামদা সন্দোকনবা অমদি মণিপুরী সাহিত্যগী অতুপ্পা সেবা তৌজ-বনি। পব্লিকেসন্সসিগী মসাদা সোক ১৯৮৬ তগী হৌনা লমসিদা খোঙ থাংজিন্নরকপনি।

পব্লিকেসন্সসিগী মতৌপা পান্দমসিংগী মন্নুংদা অমনা চহী খুদিংগী ওইনা পব্লিকেসন্সসিনা লাইরিক কয়া লৈখিদ্রবা পুখ্রম ৺জয়চন্দ্র সিংহগী মীংদা লৈরাকই সংস্থান কয়াদা মমল লৌদনা খুদোল তমজবনি। পান্দম-সিংদু সোক ১৯৮৬ দগী লেপ্তুনা চৎলি।

হৌজিক পুথোকখিবা লাইরিকশিং মতাংইরবা লৈখিদ্রবা ওজা ইবুঙো ৺পাচা (১৯৭৩ গী সাহিত্য একাদেমীগী মনা ফংবীখ্রবা) গী "মীওইবগী বাকং" পব্লিকেসন্সসিনা ১৭ শুবা লাইরিকশিনদুগী লমদমসিদা অপাবশিংগী খুদেং-চাবগীদমক পব্লিকেসন্সসিনা খুঙই পুরস্কার মখমদা খুদোল ওমজরি। লাইরিকসি খুৎই ওইনা লৈরবদা মমাংথেংনা ফোংদোকখবগীদমক ময়াবা মীপারকখিদা খুৎইবু হাকোন্নবীরিবা মচা ইবুংঙো "ইবুঙোমচাদুরু" পব্লিকেসন্স অসিনা তৌবীমল ঙদবা উংচবগা লোইননা থাগৎপা ফোংদোকচরি।

লাইরিকসিবু মতম চান পুথোকপদগীদমক, নম্নবগী থোদাং য়াবি-থিবা পি, এস প্রিন্টিং এণ্ড প্রেসনরাগী মেনেজর পুখ্রম ওংবী মতৌলৈবী

(দেশ) নৈমা অমদুং প্রেস অসিগী সিন্নী খুদিংমক্কী মযমদস্ত গা-কেমন্সিন থগৎপা ফোংডদোকচবি অবোইবদা, লাইরিক অসি নাগী পাক পাবিখিবা অমদি মথং যেকা খিবা ইবুংঙোনচাগী ব ওংচু-বোইদব হোদাংগীদমক ভম্ন ভম্না ইব ই থুম্নজাব।

"পাব্লিকেসনসিগী ফোঙদ্ব লম্ব দব শং অমসু মবী লৈনবা ইবং-সিদা অথং অইংশনা পাম্পীনবা বাধম খুদিংমকপুন্থ হন্নাউ থাম্ন লৌজগনি"

মবী লৈনবা পুন্নমকপু মকা হজ থাগাচবি

ইম্ফাল
২৬ অগস্ট ৯৯ ই

পা, এস, পাব্লিকেসন
কোর

রাহে থরা

ঐপক মীযামগী মফমদা— 'লখিন্দর শিলোইবাংবম পাচা মীচৈ [illegible]। ইবুংঙোনা খৃ ১৯৬৭ ০। খুৎই খুৎথাবিরদা অমদি খৃঃ ১৯৬৮ দা খুৎইবু হয়। অরাং-অপা হেন্দোক-[illegible] যেংদুনা ছাপা [illegible] যানবা থীবাং চৌনা থনম্লবা "মীওইবগী ৱাবং" হায়বা উপন্যাস অসি খৃ. ১৯৯৬ ই অসিদা ছাপা নমদুনা ফোংদোকচরি।

ঐপাক ম[illegible] মাদা থমজদনা বাদম অমনা লৈখিদ্রবা অইবনা [illegible] ১৯৬৭ [illegible] ইবংদনদি উপন্যাস অসি "মীৎলু পি" [illegible] [illegible] ইবংগী [illegible] লৈ [illegible] খৃঃ ১৯৬৮ দা খুৎইবু নৌন শেমদাক [illegible] কাদক [illegible] ছাপা [illegible]। যানবা মতংদা থনহনদি [illegible] "মী[illegible] পি"বু থদ [illegible] [illegible] থম্লগা — [illegible] মথ দা। [illegible] খুৎ[illegible]। "মীওইবগী বাকং" হায়না মীংথ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ৱাকমাসদা পাংদনা কবম [illegible] [illegible] [illegible] অৱ হবা। মীওইশিং অদুগা ইপা ইবুং[illegible]। যাম্না [illegible] [illegible] [illegible] শিংদা ৱা[illegible]জকপদা অকোনবগী মী সিদা [illegible] [illegible] পীননবা পাওত [illegible] পীনীবকপদা অকোনবগী মীংদা [illegible] [illegible] [illegible] খুৎথবচবা।

[illegible] অসিগী [illegible] [illegible] অমসুং [illegible] খুৎথা [illegible] অইবন [illegible] লাইবিক ([illegible]) [illegible] [illegible] যনলম [illegible] থর অমদি মা[illegible] খুৎপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হৌজবগী [illegible] [illegible] হৌজবনি [illegible] [illegible] ৱায়[illegible]সদা অপেন-পেন্দ লৈবরম্লু ৱাবৌবীদনবা হাফজাব

হৌখক যেংজরিবা উপন্যাস অসি ইপ ইবুংঙোনা নেঙ্গা য[illegible] থৌ[illegible] মতুংদা খুৎই ওইন থনম্না লাইবিকশিংগী [illegible]দগী ছাপা নমদুনা [illegible] অনীশুবা লাইবিকনি। অদুগা লায়নন লোবাব খুৎয় মীয়ামদা খুৎশিন্নজার

অইবগী ছাপা নমতুনা ফোংলবা ১১শুবা লাইরিক নি। উপন্যাস অসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোন্দা অনৌবা লৈশক লৈচু অমা ওইনা লৈশাংশগনি লৈতেংলগনি হায়বগী অচেংপা থাজবা থমজরি।

লাইরিক অসি খুংহৈ ওইনা মতম কয়া লৈরদগী শ্রীগী মরুপ শ্রীপুরুষম শরৎ খুমন্না ছাপা নমতুনা পুথে কপীশা ফোংদোকপী শীমক চৌবীমল খঙনা ইকাই খুম্নজরি। অসিগুম্বা লাইরিক ফোংতুনা মণিপুর সাহিত্যগী লনথৌ পৈশিনবদা তফোংবা ওইনা থোদাং য়াবীরবা মরুপপু থাইবং মপুদা পুতি, নুংশাংনা লৈহনবীনবা নুংঙাই য়াইক লনকুবীনবা অমসুং মণিপুরী সাহিত্যগী সেবা ফাহনবীনবা নোংনচনা পুনেমজরি।

মীয়াম্বী —
২৩ ইবুংলোহো মীতৈ
কেশামথোং, খোয়াথোং লৈকাই
ইম্ফাল

তাং ১৪ আগষ্ট, ১৯৭৬ ইং
ইম্ফাল।

হৈলাংজবনি .... লৈলাংজবনি তোল্লবসা

চবৈপাকী আ[illegible] [illegible]

মজাং[illegible] [illegible] লাইনিংথো যাহাফবেল যাহাযব — [illegible] ফা[illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible] নোবাক [illegible]োপ খু চগ্রাগনা[illegible]। [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] প্রব — [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

নচৈরবাক[illegible]

[illegible]

[illegible]

আওয়াগী অমংবা নোংদি মচিন থীবনী। অতিয়া পুম্না মঙই চারনী থল্লই তারক্কে। মঙলগা তোকখিনি থল্লই, কুইনা চুথরকই। মাগীবু অচেৎপা য়াশক লৈবরা? অপংবা মতৌনিসিদি। অদুবু অমংবা নোংদা লুংশিবা মতৌ অমদি লৈ, পংজকপা চমজবা, মোং হাদবা, ঈথক ঈরাং পক্কবা। তপ্পা তপ্পা পাইরীবা অচম্বা মতৌসি। নোংগী মতৌ শুম য়েংবদা ঈথক ঈরাং য়াওদ্রবা কুচু মুবা পাথংশিগী মমীং মোতি সাহু কৌই। মোতি সাহু মশাগী চহি কুম্ন্নমঙা (৩৫) হায়গংলকপদা মণিপুরগী মচিন চংপা মীশক অমা ওইবা ফংলম্মী। লৌউ শিংউবগী ওফিস মাগী মথুক্তা লৈরম্মী। মহাক্কী মপুন্সিগী অয়াংপা হায়ববু কন্না লৈজ্জরক্কবা অসি মঙাইরম্মী। মোতি সাগু মমা মপা কনা অমা লৈত্রে। লৈরম্মী, মোতি সাহুবু পোকপা রঘুনাথ সাহু মশাগী চহি হুম্ফুগা মঙা (৬৫) শুবা ফাওবা লৈরম্মী। হন্দক চহি অহুম ফারক্লে রঘুনাথ লৈখিদবা। মপাহুমতং লৈরম্বদু লৈখিদ্রবদা পাখং ওইরিবা অহুগা ফমথোন চাওরবা মোতি সাহু অসুক পাক চাওখ্রবা তাইবংসিদা

শুপ্নগী মতোমতা ভাইহৌই। চন্না য়েংখিবদা মরী মতা, মপা মতোন কনা উত্রে হায়বগী ৱাদনী য়েংখি য়েংখিবা লম্বী খুদিং মোতি সাহুগী মী ৱাংপদি নত্তে। মপাগী মশাইগোন তাংদুনা পুন্সি হিংবা মীনা মশিং থীভমদনা লৈরী। অপোকপা মপা রঘুনাথ সাহু ঈচম চম্বা মীশক অমা নত্তে। রঘুনাথকি চাওরবা চেক'কোল অমা থাবমদা লৈ, মুতিগী চেঠীবা ঈম্ফালদগী শুগুনু, য়ৌবা বস অমসুং ঈম্ফালদগী কবচীং য়ৌবা বস, বস অনীগী মপু, ওফিসাব অমদি থাক ৱাংবশিংগী অমত্তা ভাংরবা মণিপুরগী মায় ভাক্লীবা কা যাংথৈরকক (৫৬) লৈবা মথোন অনী হৌবা "গুডস হাউস" অমগী অশুপ্পা মপু, লাইব্রিক নাম্ফম অমগী অতুগা থাও শুওফম অমগী অশুপ্পা মপু, পদ্মকশিংগী মপু অমা ওইনা রঘুনাথ সাহুনা মণিপুর "সরকার" দা চহিগী কাংলুপোং কারদী। রঘুনাথ লৈখিদুবদা মণিপুরগী অংম আথৌশিংনা মচাঙ্গুপা মোতিগী অকুদা ৱাফমতু লম্লাই ওইনা থম্লরম্মী। মপা রঘুনাথনা কারনলিবা চহিগী ওইবা "ইনকম টেক্স" অসি শাশুয়ক লেপদনা কাখতুনা মপাগী থবকশিং'সি মতুং শিন্ন পুখিগে হায়বরা মতুরগা মতীক চাবা মমদা লৈরিব। চেক'কন অমদি থাও শুওফম্নচিবসি মণিপুর সরকারদা য়োন্থোক্কে হায়দরা? ৱাফম অসিনী। ওফিস অমগী মকোক ওইনা থবকশু তৌবা অতুগা অশুক চাওরবা থবকশিং'সিশু য়েংশনবা, ভমগদবা অমসুং ভগ্নোইদবগী মরমদা মোতি য়াম্না কুপ্পা থম্মরুরবা মতুংদা কাফম থোকপা "ইনকম টেক্স" লেপ্পুনা কাতুনা মপানা থগ্দীর্ম্নবা ফংফম থোকপা অমত্তা পুন্না কায়হঙ্গ্রোই হায়না অরেপ্পা ৱাখলতু ময়ামগী মফমদা উৎলম্মী।

ৱাফমসিদা লেপ্পখি। মোতি সাহুনা মণিপুর সরকারদা ইনকম টেক্স তু কাবা ভারে। অসুক য়ামথ্রবা লম্ফাংনরবা থবকশিংসি য়েংশনবা অমসুং চাওথ্রবা লৈবাক অমগী ওফিস অমবুসু য়েংশনবা পুম্নমক'সিনা পাংথং ওইরিবা মোতিবু মঙ্গুল হাংহন্দবা ভারবনী। পুম্নমক অসিনা মোতিগী মফমদা অত্রাবা ওইনদি থোক্কে। "অতুবু কনাসু লৈত্রবা ঐহাক্না অসুক য়াম্বা লৌরি য়ুম্ফম অমদি লল থুমশিং'সি পায়শল্লবগী করি কান্নরিবনো" হায়না থল্লগা করিগুম্বা মতমশিংদা মোতি

হকচাংগী তন্থবা পোকলকই। পুন্নমক থাদোক্লুনা য়াম্না চম্না পুন্সি অমদা মখোল মরা অমা নাইদনা লেল্লগে খল্লকই। ময়মদা মাগীনি হায়না অককবা মনাই অমত্তা থমদে। অককবা ধনদে তায়বতনি লৈরিবা মনাই শাইগোন ত-লেরিবা মী পুম্না মনাইগী মনাই ওক্নী। মরম্সিদগী মোত্তিনা য়ুমগী অককবা য়ুমগী মীনাই অমগী দমক থোশাক্লদে। ওফিসগী হল্লক্লগা ওহাক হাংলগা, অদুগা পাক চাওরবা ময়মদা মোটি মতোমগী পোং-থরদুনা লৈ। মতমসিদা বসকী ড্রাইভর অমী, চোকোনগী মেনেজর থাও শুঙফমগী মেনেজর হৌদুগা মাইরাক নক্ষমগী মেনেজর মখোয় মতানা তৌনদুনা লাক্লবা মতম ওইরম্মী অমসুং মোত্তিবু পোংথাবা ফঙহল্লমদে। মোংমগী ইনবম (শেনলাক) এক্সপেন্দীচর (শেনচে) পুম্নমক চেনা ইল্লুনা নত্তরগা শেন ওইনা (ড্রাইভর অনীগী দি শেন ওইনা পিশৈর) লাংশন্নরকলম্মী। মখোয় পুম্নমক শেনলাক শোদোংগী কুপা পানরম্নগা মমথরক্লবা, ক্লমিশাং ওইরগা মশক কারতু তোংলদুনা মোত্তিনা "গেস হাউস" ওন্না অমুক চংলম্মী। মদুগুদা মোত্তি গেস হাউসকী মেনেজরগা উনৈ অমসুং লোংমগী ওন্নবা শেনশাংগী ময়মদা কুপা পানরম্মী। মফমসিদা মোত্তি ক্লবাং খুদিংগী জুত্তিদাংগী চাক চয়। চাক চাগা হৌং লেনবা ... মোত্তি ... হাইদেন্দুনা মক্লপ ডাং তোমচৌগী প্রাইভেত কীলাক তা ফমলম্মী। ওহাক ময়াম যেঙদুনা পোংথামিন্নরম্নগা মোত্তি য়ুমদা হল্লক্লুনা পোংথাবা শঙদনা থবক পায়-খৎলম্মী। লোংমগী ময়ুমদা মোত্তিগী অশংবা মতম ঈরৈ লৈরমদে। অদুগা চিল্লবা অদুগা অক্লক য়াম্লবা মথৌশিংসিগী মরক্তা মোত্তিনা খরতং মশা তয়াং তয়াংলিবসি হুপীনচা লৈতবা য়ুম পান্দবা অসিননি।

লৈখিদ্রবা রঘুনাথ সাহু হেক চাওরকপদগী মপুন্সি চুপ্পা মৈতৈ মরক্তা য়ুমলাংলক্লবনি। কনানসু মাবু তোঙানবা কাংলুপাক মীশক অমনী হায়না নীংশিংনখিদ্রবনি। মহাক মোইরাংথেমদা লৈ। লমী লমজাও নক্লা মীপুম্নগী মীৎয়েঙফমদা কোলুংগুম লওলবা অচৌবা চেক্নী য়ুমজাও শারম্মী। হুজীক্কি পাক চাওরবা হিঙগোল অমদি মথোল

লোংলবা চেক্কী য়ুমজাওহু মচাম্ফুপা মোতি মতোমতগী ওইদুনা ইহাং হাংনা লৈহৌরে। মোতি য়াম্না চম্না অদুগা মোং হাদনা পুন্সি লেঙ্গবা পাখং অমা ওইরম্মী। লৈকায়গী হন্নু-হনা অমদি মমান্নবা মীপুম খুদীংনা মোতিবু নুংশিনরম্মী অদুগা য়াম্না ঈকায় খুম্নীরম্মী।

মমায় মায়থোংদা নীংঙমদবা বাখলগী মমিনা মতম কুইনা কুপ-লক্লিবা অসিগী থোইদোকপা মরমদি "অম্বক পাকলবা তাইবংসিদা ঐগীনি হায়বা কনা লৈত্রবনিকো" হায়বা অসিতনী। মতম কুইনগী মতুংদা তেলি পাংদা ওন্তোক্লা অহল ওইব্রবী লুখ্রা হন্নুবী অমা লৈ হায়না হুজিক্তা তারকই। লুখ্রা অসি মপা রঘুনাথকী মবাঙ্গ (মানেনা পোকপা) থোকপা শ্রীরাম কৌবা লৈখিদ্রবা অহল অমগা লুপীনী হায়। চহি হুম্ফুতরামঙা (৭৫) রোম শুরে। মরী মশা অশুম থীরকপদা হন্নুবী অসিমতং ফংদুনা মোতি থম্মোইনা খরতং হরাওবা কঙজরমী। নোংমা নোংমা অশংবা মতম য়েংলদুনা মোতি লুখ্রা হন্নবীসিপী মনাক্ত চৎলম্মী। মহাক খুনগী নাকচি অমদা ওন্তোক্লা পীক্রবা লেম্নবা খাংপোকশং মচা অমদা মতোমতা লৈরম্মী। ৱারী ৱাতাই শাম্মরে। লুমীতদগী শকখং মায়খংনখিবনা কনা লৈত্রবী হন্নুবীতুবু অয়াম্বা মংশদা মোতিনা চং-চত্তুনা য়েংশনবীরমী।

তেলি পাংগী খুঙ্গা পুন্না নোংমা নোংমগী মোতিবু শকখং মায়খংনা থেনগৎনরকই। মচানীঙোল লৈবা শিংন মোতি সাহুবু মরাম্নপা ওইননবা মতৌ মতৌ য়েঙনরকলম্মী। মনে হন্নুবীতুগী ময়াথং মতুং ইন্না মোতি সাহু, কৌরক কৌরকপা য়ুমথোং খুদোংদা চংলম্মী অমসুং য়েংলম্মী। মখোয়শিংতুগী মরক্তা মোতিগী থম্মোইনা থোয়দাবা ফনা য়াওরে। য়াওরে কৈদৌগনী। মীওইবগী লাইবক্লা তমখিবনা মখোয়শিংতুগী মঙ্গংদা অমত্তা থুংনহৌদনা মোতি ডিষ্ট্রিক মেজিষ্ট্রেতমগীগী মচা নীঙোল মতৌ মশীং মপুং ফানা লৈরবী কুচু ঙৌবী অদুগা মায়থোংদা শমত্রু মচা অমনা য়াম্না ঐেন নপখিবনা য়েঙবদা শমহৎ য়াইচেংবী, তুমলবী পীক্তবপী নাতোন অদুগা ঈগী মচুতনা তঙাংহন্নবী থোংলবী পাদক্লবী

চীনবান পানবী, ইবেমহলবু মৈতৈগী চৎনবী মতুং ইন্না লৌহোঙবা হায়না য়ায়া থুনা লেপ্পখিরম্মী। মোতি লুহোঙদ্রিবৈগী মমাংদা য়ুন্নাক পানবা তাবা মরমনা শাপম ওন্নবা হোৎনরম্মী। পিবা মখেনা য়ুম্নক তিনশল্লরোই য়াখিদবনা মোতি খেত্রিময়ুম (ক্ষেত্রিময়ুম) ওইনা য়ুম্নাক পাল্লম্মী।

লুহোংদবা মতম লেপ্লে — তাং ৫ কালেনগী ১১নী পানবা নিংথৌকাবা সুমৈৎ অমুগা সুমিদাং পুং ৬। থা অনিগী মমাংদগী লুহোঙনবগী দমক্তা লাংবা চৌখি। পুন্নমক থংনরক্লম্মী ক্ষেত্রিময়ুম মোতি হায়বদি লৈখিদ্রবা মঘনাথ সিংহগী মচানুপা এগ্রিকলচর ওফিসার মোতি সাহুবান হায়বসি।

চানৌবা ৱাখলনা পাথং ওইরিবা মোতিগী থম্মোইবু অতগা হবচাংবু লৌথক তথক্লবম্মী। গেস্ট হাউসতগী, থাও শুডফমদগী, অমুগা লাইরিক নৈনবা অমসুং চেককোন্দগী মশিং থাঙমদ্রবা মীয়ামগী মপেনা মথংগী পু হাঙগনা তাবদা চংথবা লৈতনা লাক্লম্মী, অমসুং মীয়ামগী মপেনা নহৈ মচৈ অমসুং খবক লৈশন্নদুনা পুম্নাং লাংনরে।

কঙ্গুম্না মীয়ামগী মপেনা হন্নশিনবা নত্রগা, অচৌকপা কা অমগী মফমদা মতোমতা তারকপা মতমদা মোতিনা চুরুপ মচৈ অমত্তং চিংথনা ৱাখল খনবা হৌরকই থাল্লাই, খনগে, অনীংবগী মখা পোনা চঙ্গা নত্তে। খক্লগম্ভ মংগী মতৌ থুম্নবা চৎনবা অমসুং মশাগী পুন্সিবু মথক খংজরক্তে। খনফম খংলক্কে, "হৌখিবৈগী মোতি সাহু হায়বনা করিনো, অদুগা ক্ষেত্রিময়ুম মোতি হায়বনা করিনো?" অদুগা মতুং তারক্কদবা পুন্সিগী মখুৎ চল্লবা করম্না চহি অমদনা করম্না মোতি অমা ওইরকদৌরিবা? ৱাফমসিদা মোতিনা মীৎকী পি তাইথম্ন থম্মোইশোক্ন খঙককবদি নত্তে। তাইবংগী চৎনবা অসি খরক্তং নোক্নিংবা পোক্লবতনী। মোতিগী খুত্তা-য়াম্না তনাস-তনাল্লবা, অরৈবা পুম্বদগী ময়েক লান অমসুং নীংথৌবা খন্দুনা পীরক্লবা হাবেমহলগী ফোটোদু চেৎনা পায়রম্মী। ৱাখল খরতং খন্নবদগী খনফম থংলক্কবগুম মোতি ভৌগী তিন খরতং য়োৎখরক্তুনা, মনা ওইবা ৱাখলনা হায়বগী মতো, চানবান্না খরতং নোকমিরদুনা, অনৌবা (নোন তৈরক হায়রব) চু

অমসুং শুন্নুগী অশাৱ, অয়াকপা মংম্ন ঙুং-ঙুং লাওরিবা, চীক্লবা কাগী মঙ্গুঙতুদা খুৎতু থাঙ্গৎলদুনা ইংবমইলগী নাকনিরবা মায়থোংনা মকা লাম্না শন্দোক্লিবী ফোটোত্থু শংত্রীক মুন্না য়েংলকই থম্মোঙ্গনা খল্লী অতুগা, থম্মোঙ্গনা খল্লকই— "মায়থোং সিদা অতুগা চীনবানসিদা মীশুম-নাওশুম হৈবা যাম্না থোনা লৈখবী নুংশিবা মতৌ অমনা মপোকচৈ লোয়নরক্লবা, থোনা ওইনা চেন্দুনা লৈরব ভুমীন খল্লি "তোক্লো—। ভুমগনী হায়না নীংদে। শকমসিগী মাংদা ঐ থক থাংজবা ঙম্লোই। ঐ করী ওইখিগনি? ঐবু নুংশি মীচাংনা চেংনা পুনখিগনি। যাম্না চেৎনা। থংলা শক্তমসিনা ঐবু খুদন লাকখিনী।"

চহি মরী (৫)গী মতুংদাদি মানাইতুগী মবমদা লৈবগনী মহাক্নী চহি মরী (৪) মপুং ফানা লৈম্নিরকব অসি যাওবদা মাগী মশাগী অসিনা হায়না কনানম্ভ তাব্রবা ঙম্দে। তাবী-মকোয চেন্বা মমী লাকবা মশম চংসা যমচং চৎপা (নাংগাং খুট শোনা শোনা চৎপা) অতুগা তাইবং মাপনা পোক্লকবা মী ওইবগী যামথ্রবা লোলশিংসিগী মংদ শংগী লোন অমত্তং মচাম্না শৌনা পাংদনা চাংথোকপা যেঙ্গদন, মী চনন্রবা লোবক্লঙদা ভাবা মশক মৎং লাইদবা নুংজাঙ্গাঙ্গুনা মীশক অননী, অসি মঙায়র অসিগুম নাম্নাম খংদব মশক অসি লোংগী অমত্তা চাইবরা যুমশবা ঈম মন্নং পুবা মনাই ওইনা লৈরক্লবা। মোতিগা থংন-চাম্লবা মপুম খুদীংনা শক্লাংদবা মোতিগী মীনাইসবুন্ত ঙম্মরু মশক খংদে। পাক চাওরবা চাকম খ দবা মথোক লোংলবা অতুগা বাগী মশীং যাম্লবা ঈমু-সিদা করিগুম। মফম অমদগী কনাগুম্বগী খোঙ্গল অমনা "চাংবা" হায়না, কেৎরক্লবদি শক্লাইদনা মীশকপিনা তিজাংপদা ৱারবা মকমলাক্লে, অহুম্মক কোনশল্লদুনা, বাকাল অমনা ভাংদনা, লু লুকথরদুনা, কৌথ্রিবা খোঙ্গেলদুগী হৌরকফম ওইবা মায়কৈদুগী মনাক তম্ন, ফম্ন ফম্ন চংশনখীগনি।

অযুক অঙনবদগী মোতি চেককোল য়েংশনবা, থাও শুঙকম য়েং-শনবা অমদি লাইরিক নম্মমচিংবা পুম্বা য়েংশনবা চৎলুরগা ওফিস

মতমদা ওফিস কাবম্মী। মমৈদা বাইরম ওইরক্রগা মোতি ওফিসতগী নানলকই। কুমলকই, অদুবু পোথাবদি ফংলমদে। মতমসিদা মবুংগোনা য়ুমগুল্লকপদা চাইদুনা লৈকোন্দা, মাঙ্গোলদা, অদুগা মী উনফম কাদুপা মশাং শীংদবা মীযাম্না ঈমুং অহু থম্ন লৈনরে। চাইনরে। কৌংমদবা অদুগা কাদাইগী ৱাড্ডাং থোক্লবগী মতৌ হুতনি মবুংগো মোতিগী য়ুমদা লাক্লিবা মী পুম্বা মহাক্কা মশক মমীং খংদবা লৈতে। লাইরিক নম্ফমগী মেনেজর, তোলহল, মহাক্কী যাম্না লৈবাক মচা তাথ্রবা মীশক অমনি। যেবদা চুপ-ফিরাল চায মীওই-মীতৌ ফজে মবাইহে খোনফম। মহাক্কী মবাইহে খোননম্ন মাগী নানচংকী মনুংদা খ্বাইদগী তেনবা শকত্নী। থাও শুংফমগী মেনেজর, মহাক মযাংন, দেসবালি মহাক্কী অহম ওইরম। অদুগা মৈমৈ মচা বসকী দ্রাইভর অ. ৱী. গরকা অহল ওইশিল্লবা দ্রাইভবদুন অহল অদুগা নত্তা পাখং মচাদুনা কাম্বৌবা। শাম্বৌবা তাযরিবা দাইভর নহাসি চাওবাক্কা মশাংগ চত কুম্রমহুত-তাহক (০৭-২৬) মুক শাৱে। মহাক্কী লমচৎ অদুগা শরুংকী মৱমদ খংনবা হাওনবদা অদুক হাক্ক তবাহ তবাহবা ওইনা থাগে। শক্লাদি-চঙমনবা অদুগা মবাং কাহনা হৌরবা অমুবা পীশুম অত শকখৈক্ক অদুগা হেংবদা চৗ লেম্বা শক্লানি। মহাকপু ঈম-ফংলদগা শুগুনু যোবা বস অমখক্কী থাদা লুপা ১২০/- দং ফবা মতমগী মচৈ-মশাং লাইরিক-লাইশু হতৌদ্রবা দ্রাইভর অমনি হাযবসি, চাং লেম্নবা মাযপোংচুদা যেংবক্লদি থক খংবা ঙাম্লাই। মফমসিদা (য়ুমসিদ) লাকপশিত্তংগী ওইনা তেনশিননা শেংলক চাবক্রবা মফি ফিজান্না নত্রগা মহাশাগী মহৌশা ওইনা অদুম্মক তনানজরব্রা, মতুংদি খলুদবসু ন্নতিগী লাক্কনা মবুংগো মোতিবু ঙাইবাবরবা মাগী ফিজেৎ-চাকচেৎ অদুদি য়াম্নমক চংথোল্লে। ৱাড্ডাং যাম্ন মাং হাদে মহাক্কী চীংলেম্নবা শাওং শাদা মোঙ হাদ্রবা মবাইহে খোনফম পুরুক 'সিদগী নাংগোকনুনা খরত' লাক্ক ফানবা যাদ্রিবা অদুগা খরত মচাং থীনা লম হেল্লীবা অসি চঙম্নবা মুরবা পীশুম নাক্ত তুকথবিব, অকুপ্পা

খুদিং তখং-তযাংলিবা, পল্লেপফম অমা ঈখং খংদনা ঈচোই চোইদুনা লৈরিবা তক তকরবা মমীংকী চেনবা হৈবা মীং নহা অনীদুতংনি। মচুদম মহাক্কী খোংচ নৌজবা মুংশিব, অদুগা শুনহং য়াইচেম্বা মতৌ শনদি অতম্মক থাবা লৈতে। অদুগুম্বা তখং-তযাংলবা চোইতকরবা মনীং নাং নহ অনীদুনা হুরাল লম্বীদা কুংল-হুংলদুনা মবেম্মগী মফমদা, শত্না হকচাং কযাংশিদা মিন্না মীংচোইনৈ। য়াম্না লোম্না য়েংই। কুহবদি নত্তে। চেনবা হৈরবা মীং নহা আনদুনা ওংতক ওংতক অনি অহুমনকুম — মরমগা, তক-তকবা মখোং খোংগ্রাও য়ু রংখাওদগী মশক মমা খংদবা চুকপ উপুদু লৌখোক্লদুনা চংখংলে।

নাচ চুদবা অদুগ অইংবা মুংশীং শিংএবা মখোয় মরীনা মরুংতো হুরকপা ঙাংনবদুনা লৈনম্ম মনম মু শিংল মমাংগী অংশম্বা লৈকোলদা চৌত্রি থাদুনা মরম। মখোয় মরীনা মখল মখলগী বাবা পুখোক্লদুনা শানৈ, অমন, অম, অমনা অমা। কনাগুম্বা মখোযগী মরকগী অমনা হোগংলক্লবা নহারোলশিংগী মরমদা, কনাগুম্বনা চেংচাকী মবমদা কনাগুম্বনা চেং-চাক্লি লাইরদুনা মনা মশিং ফাওবনা তপা হৈতমখৈ কাংশিনবগা, অদুগা কন গুম্ব অমনা, অশুক কুংতোহ য়াইফবম্বা লৈবাক অমনা মাও নরক ওতপদুনা, মুঙ্গ বারীগী হিংচাবগী চক্লাক ওংবদা, মা কয়া কযা থংগ মাংখিদুনা ঙমখৈ খেঙনা বাব্রবা লৈবাকতুদগী হেম্ন বাবব অম্মন তমথব শে খুঙ-চাকখুংনদ্রবা ফিভমসিদা লৈবক-লিবনে হাংনা বু খংবগুম হৌদাক্লকই। অদুগা কংরিগুম্বদনা মশা হাংদনা (নংখাযগা মরলো যাওদবা) মীশক অমগী মবমদা (অকবা অদুগা ফংবা) মহৈ মহৈ হায়নীংবা হায়নদুনা বাবা শান-বগুম মখোযনা লৈবাকলগী অপুংবা লৈ পম্বীগী মখোংদা মখোয়গী মনাক যাম্না নক ফমদুনা লৈরিবা চাওবগী মরমদা বারী শানরকই। য়াম্না কুপথং শানৈ। মীওইবা অমবু থরায় য়াওত্রবগুম খন্দোক্লবা। চাওবনা তুমান ফমলদুনা, নীংতম্না হোল্লখা মনিং নিংশাদু ফাজনদুনা তখা তপা হেন্নদুনা চৌবশন্দুন, তায়। লৈকোলগী নাকচিদা মশা

পুংবা নেমতক্রবা লৈ পান্বী অমগী মখোংদা নাপীথক্তা খুউ শৌনা ফমলহনা, করিগুম্বা বাখল খরা খল্লিবনি। তাকরগা— মহাক মশানা খল্লম্লিবা বাখলশিংডু মচেং মচেং, মচেং লিশিং কয়া থোক্লা থুগায় য়ৈথায়হনা মাংহনখি অদুগা মখোয়না শাগ্রিবা বারীডুদা য়ায়া মুম্বা খোইজংনা লাহনা লৈ। তাক তাকরগা য়াজবা পোকচরকই—মখোয়না ভাংনরিবা খুদিং কৈদবু অরানবা য়াওরিবনা, অরানবা অমত্তা য়াওদে। পুন্নমক অচুম্বা ভাল্লনি।

"চুম্বা" চাৎবা মশানা য়াইজে, মতম অমদদি, হৌখিডে মতম অমদদি ওন্থোক্লা হৈনদ্রবা পুন্সি অমা ওইনা থোক্লম্মী। মখোয়গা লৈমন্নবা অসিমক লমচং নাইদবী, মাওইবশিংগী মরক্তা পোকলক্লবী চাউরাক্লবা নুপা-নুপীগী থম্মোইবু অসনি হায়না মশক খংদবা, মীওইবা অমগী পুন্সিবু কাবগুম্বা মাযকৈ অমদা য়েংদুনা থরুংদগী ইকায় খুম্নবাব, হেরবী, লমচং নাইদবা নুপী অমগী মনাক্তা লেবগুম, [illegible]-বীশিংগা চাকথাক চাদুনা পুন্সি লেনবগুম, ওন্থোক্লা হৈনদনা অদুগা হংঙাইনা থোক্লম্মী। অসিগুম্বা চনৈনরবা হৌ হৈদেংগী মতমদুদা অবাবা অশাওবা অদুগা নাংঙমদ্রবা বাখল কয়া থম্মোয়দা ফাওখি, অদুগা খোংদোকহেদে হায়বগী মতৌ বানগাদু চাৎবনা লোম্না [illegible] হমদুনা থমখি। মনিল চাওরবা বাখলশিংডু য়াম্না কৈ-শিংনা অদুগা চেকশন্না থম্মোইশিংডুদা কুমহনসু মনশাশিনহনা মায়থোংদদা অশাবা মনিল লৈগা নৈশাদু কারক্নুনা, কাথেকহনখ্রে। অসুম্না মায়থোংগী থাং-যনাদ চৈংখদবনা, অউবা মনুম খুদংদা মহাক [illegible] লেপ্পুনা উৎপা তাখীবনি। অদুংন্না মতমশিংদুদা চা [illegible] চাওবগী মায়থোং অসিদি লৈচল থাড্রবা তরংলবা [illegible] পান্নবা অদুগা পশোংনরবা কুচুগুম তরং তরংলে। মাওইবশিংনা অহানবদা শা-শণ য়োকখিবগী বারী নত্রগা, মী চাগল্লব কৈজাওবু মীনা চাক্লা চাযনবা ভমদ্রবা হোলগী মনুংদা চোঙ ফলহল্লহনা য়াম্না তেপ্পবা মওংদা সরকাস তম্বাখিবগী থোদোক অদুগুম্না— চাংশনী, তর্নদিবা [illegible]

পুরবী হৌনা খংদ্রবী মরেম্মগী মনাক্তা লৈনা লৈনা মায়থোংনা মকা লামলক্লীবসি। মখোয় মরিগী, লাইফোং লাইফাওগুম্বা লেপনদ্রবা ৱারীদু তারক্লগা তোনগ্রবা মীনাইদুনা, লৈগী লৈকোলদুদা তুমীন ফম্ন ফম্ন থম্মোঈদুদা য়াজনীংলে হায়বা ৱাফমদু ফোংদোকচরকই। "চুম্নে মখোয় মরিনা ভাংনরিবা, ঐগী পুন্সিগী ওইবা, মতাংনরবা ৱারীসি নত্রগা মরাহৈশিংসি চুম্নে। ঈশানা য়াজরবনি— হৌখিভৈ মতমশিংদা ঐহাক তমথিবী মরমচৎ ময়াথং অদুগা মশাক্তংশিংদুদা ওক্তবী অমদগী হেন্না তুক্কচরম্মী হিংচা য়াইতম্বী অমদগী হেন্না হঙ্গোইরম্মী। হুজিকশু ময়াথংশিংদু অদুম্মক হোংবা লৈত্রি। অদুম্মক ময়াথংলী। হোংবা লৈত্রি। অদুবু হুজিক্কী হৈনগ্রবা হায়বদু ওইগ্রনাল্লে য়ানীং য়ানীংদবা। হঙ্গোই হঙ্গোইদবা অদুগা হাকমল্লি হায়দুনা থম্মোঈনা শাওদুনা মাগী মফমদা খানা খানা য়েংলম্বা অদুগা য়েংলমদবা পুন্নমক, মনিল ওন-খ্রবদা ঈশীংগী মহাওনা শকথেংনভমহৌদনা তুমীন ঈশীংদগী মাংখি-বগুম মতমশিংদু হৌখ্রেদনা, অদুগা হুজিক্কী পুম্নমক্তু থম্মোঈসিদা ক্রি অমত্তম্ম পক্লখিদ্রে। নীংশীংলুরবদি অমুক খাংভন্না নত্রে: তুউ অসি চুৎলি। থাদোক্নুনা চৎনীংলক্রে। য়ুম অসিবু থাদোক্নুনা। মতুদি, মতুদি ওইথোক্লরোই। মরা তাথ্রবদা করম্না চক করম্না মতম করম্না উপাঙ্গী অমনা লৈহাও ফত্রে হায়দুনা মফম হোওখিবা ভমগ্রবগে?"

"ভমখিবগে?" মখা তাবা ৱাখল খরতং খল্ল-খল্লদুনা মপোক তোল্লবা য়ুমশংবা মীনাইদু লৈখোংদুদগী অদুম্মক তুমীন ফম্না ফম্না চৎখি। অতিয়ানা, মীকুপ'তুদা নাকোয়নমক নত্তরবম্ন লমজাও লম-খোম্নবা হুমখিবা মালংবনা, শন্দোকখ্রিবা লৈকোল'তুগী মথং মথং ওইবা লৈপাক্ষীশিংদুনা, য়াহৌ ভনবী নোংপোক্কী নাইতোম তাখিবী থবান-মীচাক অমা অনিদং'তুনা, লৈচিলগী কাংবু খরতাংদুনা অদুগা ভয়মক্লা খংনহৌখি, ভসিদি হৌগিংগু মতৌ নৎত্রে মীনাই অস্সিগী মায়থোং মকা লাম্নে অদুগা মকা লাম্নে অদুগা য়াম্না মকা লাম্নে।

মশামক্কী ওইবা (মমা-মপাগী ওইবা) শাগৈ-নাতৈ কনা লৈজ দ্রবস্থ মুপী মযুমগী মরী-মতা অদুগা শগৈ-নাতৈনা, মোতিবু খুরক হাংহন্দনা যেংশন খোমজিনবীবশী মবম অসিদগী মশাগা ওইজবা ১।২ নগিং মবল-মখুম পুম্নমকসিগা পুনশম্নখিদুনা মোতি মহৈদ মশিংদা, মবলদা মথুমদা, অদুগা শাগৈ নাতৈগী খুংকন পাঙনবদ পুম্নমক্তা অরাৎ অপা লৈত্রবা মীশক হাযবদু ওইবাক্ল মাগী মফমদা ফনরক কৌতুনস্থ বোকপা লৈনবোইদবা অদুগা মেনখৎপা ভম্নরোদবা হাযববু পু-পা শুদব অদুগা পাক চাওববা হমুসিবু নাওবোনশনবী-নীংথাই কনা লৈতবা অসিতংনি। নাকাকাম্ননীংথাই লৈত্রবা পাক চাওবা হম অসি চাওনা শংদ্রনা লৈজে। মাবুদি কনানা চাশং-পীগদগা। কুতিরা ওইনা মবুরোগা চনব লারিবা মীশক মাগী কুপ্পা যশাগা। চাওবনা খল্ল মথোযশিংসিগী মনুংদা নামা নৌগা নামদ হমু মন কাংহনহদবা মশাক থা। যাওরে ... শুগনু যাবা বস ... রবা ত্রাইভা নহা শামুঙৌবগী শ... ... মমীৎক মীৎযেংদুনা খুদোঙাবা নঙগা অবৎপা, অহাংবা ... চাওখৎনা, মনক শাহংদা যাম্না হৈ-শিংনা ওম্না ... বেম্মগী কান্নভ তম্না হেক হেক যংলম্মী। হবখ্রদা মবেম্মনা বাগী মপান্দা লোরবাদ মমাংকী মীৎযেংদুনা নহাগাগা মহৎশ ফিগোম্নববী মখম্মগী তক্তৈনববা অদুগা মতুপ কুপবী চনশাতনা কুপ্রবী কাবশুম্বা হকচাংগী হাৎ খবশিন্দুদা মমাংকা মীৎযেংনা ভৎনা লুংনা হনা হনা অদুগা ওকুপ তকুপ্পবদুনা চাক্লা মিতাবা হৌহ মতম কুহনা যেংলক্রবদ অদুগা অশুক কুইবা চংহ অসি হনবা লৈরঙ্গবদা ইম্যং পুবা ওইনা লজবিবা যুমশংবা মীনাই অসনা নোংমদি মবুংভোগী অহাংবা মতম অমদা নাকোং মযাদ চংশপ্পবদুনা ইম্ফাল শুগনুগী বস থৌরিবা ত্রাইভর নহা অসি যুমসিদা অমুক তোযনা তোযনা চংহনবীরগম্নু মীৎযেং নাযেং চুমদ হাযনা লোম্না বামেন ৱাকৎচরম্মী। মচু তারগা মুং-ভোনা লিংশংবা যুরীৎকী ভকশমচু থেকথ পেকথ, মনাইগী ৱাতুদা

থোইনা ৱা ওইনা লৌবীদগুম নোকমি নোকমি মবেম্মদা ওনশন্দুনা হায়—

"তারেদনা ঙাংলিবসি— মীতুনা তাপ্রবদি করী হায়গদবনো ? করী হায়গনি'সে—। মফম থংবা নত্তে— মীতুদগা হায়খি লাকখিগনী— মতৌসি তৌহল্লুু— মপান থোকহল্লুু ইবেমহল।"

"অশেংবনী—" মবেম্মনা ৱাপাংবীরকই "মুপাতু— মমীৎ মীৎয়েং চুমদে।"

"নংশু— অঙাওবী।"

"অশেংবনী" ইবেমহলনা হায় "মাগী ৱাখল মাঙ'মাঙদবদি থংদে অতুগা মমীৎ মনাদি ঐঙোন্দা থর চোংই শামুঙৌসি।"

"অদুম থল্লবা য়াবা নত্তে।" মোতিনা হায় "মহৌশানা মমীৎ মনা খরতুম কুপফেৎ কাফেৎনবনি ঈপা হাক্তুগী তিন্নরক্লবনী ঈপাগা।"

অতুম তেনশন্নখি

অতুদগী মোতিনা অংতেবা হুইগুম লৈমায় থক্তা তুমীন কুপ্লীবা মনাই চাওবতু হংশিবীবা মমীৎ মীৎয়েংনা য়েংবীরতুনা চানীংবা থরতং চাজননা শেন থরতংতু পীবীরম্মী।

অদুগা মতমদু হৌখি অতুগা হুজিক্তী মানাইগী মশিং য়ানথৎপা তারক্লে। ফি শুনবা ঈমুং শেঙদোক্লবা, ফত্তহৌদি খোমদোক্লবা অতুগা মরম খুদিংমক্তী থমফম থোকপা মীনাই মবুংঙোনা লৌশিল্লম্মী। তোল্লবা মীনাইতু চক্কীক্তি শুপ্পগী ফত্তা অতুগা হীপ্প চাবতা থংতুনা লৈরে। অমুম লাঙনরক্লিবগী মরম লৈ অতুগা মরম নত্তরগা ৱাফম অসিদা কৈরোই লৈকাই খংনা চানবা মীপুম খুদিংনা হরাও তয়াম্নরম্মী। চহি মরি অসি চাবোক-পগী মতৌ উরক্লবদা হন্দক্তা ইহাল হানবা ওইনা মোতিগী মুপীনা মীরোল খুদম্নরক্লে হায়বসি তানরগা চেককোলগী, লাইরীক নম্ফমগী, থাও শুফমগী, লৈকায়গী, খুনগী অতুগা ওফিসকি খংনা চান্নবা মীপুম খুদিংমক্তা হরাও তয়াম্নরকলম্মী। মবেম্মগী নাওপুর্রবী ওইবনা নাহেরক্লবী অতুগা মীরোল চৈনা চৈফংনরক্লবনা তঙাং তঙাংলবী মাইথোং য়েংবদা

ওন্থোক্লা সুংশিবা মতৌ ওইরক্লে। তোল্লবা মীনাইদু মবেম্মগী মতৌদু উরগা করিগুম্বদা থম্মোঙ্গীনা হরাওজরম্মী অদুগা করীগুম্বদা মুগুক্লরম্মী অদুগা করিগুম্বদনা ওন্থোক্লা ওমচাক্লরবা শকমদা মীৎ-না চেক্কেৎ উইশল্লদুনা য়েং'ঙম-দনা লুকথক্লে। মুডগুক্লবা অৱাবা ওমচাক্লবা অদুগা কপলিবা মতৌদুদি তোল্লবা মীনাই'সিনা কনা অমা উহল্লমদে। গুপ্পগী মোমোম্লবা য়াম্না হরাও মকা লাম্বা মশক শকফম অদুদনি। মবুংডোনা য়েংবদা থংলে মবেম্মগী নাওপুরক্লনী শ৬ং শদাগী শকওংসি উবদা পাক চাওরবা ইমুংসদা ওন্থোক্লা মুডশিরবা অঙাং (লুপামচা নন্দরবসু লুপীমচা) অমা লৈররগনী অদুগা অমক অমদগী ম্নামদাং অমফাওবা শান্নরগনী মসিগীদমক্তা মনাইসিনা থরক্ত-প্রাও তয়ামজরক্লে। অসিগুম্বা ৱাখনগী হবাও তযাম্বসি উরক্লগা নোংমা মবুংগো মোঙ্গিনা মনাক্তা তুকশন্দুনা কুল্লবা মনাইদা নোক্নমিরদুনা হংই

"চাওবা —"

মডক হাইগৎচরকই। মবুংডোনা হায়—

"লুপা ওইরবা — লুপীবু ওইরবসু হা— ঈচাডুদি নংনা শাম্নাদবনি, ঈমাগী থবক অমনা চৌরাং ই — উরেদনা— নহাক পোৎথানবগীদমক্তনি তনা অমুক য়াম্বা মীনাইগী মপৈ থমলিবসি—" হডলকই "অঙাংডু শাম্নগত্রা— হৈরোইদা— নহে কপহনগদোৱরব্র — হৈহাক লেংনা?

মডক নোমক্লে। লুকথক্লে।

"হায়যু— কপহন্দনা। কপহনবদি ম্নাদে।"

থরুং নোকচবগুম তৌরগা লুকথৈ।

"কপহাল্লোই।" অদুগা নোকই "হা-হা-হা-"

মুমীথ অসুম্না য়াম্না হয়াওনা তয়াম্না অদুগা চাম্নানা চৌথ।

নোডমা নোঙমা হৌথি— থাবুম তরেৎ নাওপু — নাওপুরক্লবদি মবেম্মদু মতৌশানগা থরা নীংলুমক্তবী ওইবনে নাওপু চেনা পুডম থাডমক্তু-বগুম অয়ুক্লা মুমীদাংগী মডম পুন্নগী নইনা অৱা নাইহনদুনা মবৈরক্লে। নোঙ অমা ডানবদগী মুমীৎ অমা তারকপা মডমপুম্বা হৌগৎ কাথৎ ডুমদনা অনা লাইওইনরবী মতৌ মডম চুপ্প চেকোলদ চৌক্লিদা। অদুগা হনানবা

ফমগী ফমথক্ত পোংথাহুনতা লৈবকে। তয়ুক্পা চীন যা শেংহৌবা মতুংদা অশাবা চা, চান-থক্লবা। মতুংদ অয়ুক্কী ফিজেৎ লৈতং মতুংদ— মতুংদদি রেডিওগী কুওশিরবা ঈশৈশিং— মথংদদি মানা থোকপা কোমথোকনীংবা অতুগা পোংথানীংবা। অতুগা হুকচাংদি, ওইবা ডাক্তরগী হিদাকশিং— হিদাক ময়ামতৌবু ওন্নমক কবম মখিং মথা খংলুবগদগে— কবিগুরুগী মতম-শিংদা খুবক হাংদ্রবা (থাইনা মমা লৈশারিডৌবা ফিমবগী মমাম্নবগী কাংবু) মমাম্নবীগী কাংবু কাংবু মবেম্নগ উন্নবা লাকলম্মী। বিকসা, কাব, স্টীল, অতুগা খোং— পোংথাফম কা অতুগা মখোয় ময়াম্না হেক চৎখিবগা চাগী কপ অমম্তুং প্রেটশংগী মপৈন। পুমথন থনহুনা লৈহৌই। পুন্নমক্সি ওসিন্দি তোল্লবা মন ঈসিগী মথৌ অমম ওইদবে— মীনাইনা খুবক হাং— ক্লাব তোল্লবা মীনাই অমি শজন্বা মতিক থবক হাংলিবমথৌ মতোমতা হুমীন ফমলহুন রাখল থনবগী চাং হেনগৎলকই। তচীকপা মফম অচীকপা মতম্মদতা হৈনবা হ্রুকহ অচীবপা ইমুংগী মীনিন শাদল কাচিন কোয়, লৈকেনা নাকচি নাকচি শোনিব মীনাইসিনা মত-খুদং রাখল থল্লহুন, হুকচীক লংলহুনা অতুগা পোংথাবতনা লৈরকলম্মী।

নাউমা নোংথী নোংমংলবা নুমীৎ— নুমীৎ অতুদদি তোল্লব মীনাইহু কবিগুরুগা রাখল তমদা যাম্না কুপ্পা থক্কবগা তোল্লবা থম্মোইহুন পুম থাংমদনা খা খমলকবগী মতাংদা লৈকোলগী মনা পুংলবা লৈপাক্নি অমগী মখোংদা কনা উত্রাল্লাই মত্তে লোম্নবহুনা, থম্মোই যাম্না শোকা থাংই শারা খীর হুক কপচবকই। মীওইবশিংগী মীমা থোক শীংজবা ওমদল নমীৎ মীংলুগী পিবাংশিংহুনা লৈকোনগী মরুন্নবা মফমদা হৌবিবা নৈমাং থরী ওশ ন। নাদী শিংদুদা কুপ্প কুপ্প যাম্ন পীক্র লীক্লাংম লৈতেওহুনা পক্লম্মী। মওয়াইশিংদুদা মংৎযেংনা হন্ত নোম্বহুনা যেঙলুরগা তোল্লবা মীনাইহুন "কাম্নদুনা অতুগা তোল্লবা এগী ঈমীৎসিগা তিন্নবক-পদগী কাম্নমে খ দদা— কহা মাংলনা অতুগা অবেম্বদা। মপুন্সি লোমলক্রবা ঈমীৎকা পিরাংশিংসি কবি কাম্নব। অমক যে কুনা থংখিগদগে? হুক্তীক্তী মংবগী মাংবা মশক নাইদনা তুমমুসত্ত" হায়না খল্লহুনা, খুরক লে হহুন।

অশুবা মথুউ অনীমক্তা থমলিবা মখুৎ খুৎশাংশিং শাত্তোক্তুনা, মমাংগী নাপী মতে নশিংদা পত্রীবা লীক্লাগুম পীক্রবা অতগা ওন লবা মীৎশনী পি শিংদু শায় বন্না হাইদৎ— যুবৎলক্তুনা— বনথৎতুনা ভম্নমক শক উইন্দমখৈ মাং তাবহল্লকলম্মী। লৈকোন্দগী কনা উইন্দনা তুমীন চঙশনক্তুনা মাগী হীপকম কাদা অদুগা ফমথক্তা ফৈজুপ চিঙথক্তুনা হীপখ্রে। থোদা মতম যৌবক্রবদা মবেম্মনা মাবু কৈদা লৈথ্রবগে হায়না বোইকো কোবা [illegible] তৈ মীনাইশিংদা কোইহং হংখিবদু তানা তানা চাওবা ভাশন্নদনা [illegible]তুম হীপনদুনা লৈগ্রে। ফন [illegible]বা মতুংদা থীয়াম পুনা মীনাই অহলতুনা চশল্লক্তুনা হংলৈ। [illegible] মশা পাযতুন [illegible]দে বৈ। চাওবদু রাংচাং থোকলমগনে। মশাদু থক থক নীকলমে। চলক-লবা মীনাইতুনা চাওবগী মশা দা [illegible]গা [illegible] পাইবীদুং ঋংলম্নগা হায "অঙ্গক মানিল কাবরা! সিদি [illegible]কম [illegible] [illegible] [illegible] হায়নীকগে" থোকখি। চ[illegible]দু [illegible]। খু[illegible] কবগুম্বা পাওখুম [illegible] পীদ-হংদনা তুমীন থক থক [illegible] [illegible]। চাওনা মশা ভমদে [illegible]দা মবেম্মনা [illegible] [illegible] থ[illegible] [illegible] [illegible] লৈপ্রে।

"কৈদৌব? [illegible] হায়বা [illegible]।"

চাওবা খুমদে। তুমীন লৈ।

"নীকপতু খরক— [illegible] থীনা [illegible]?" [illegible] খোং কোনশল্লতুনা চেপ্তক্লনা হীপীবা মনাইগী অচাইবা মশায়া [illegible] লাইবক্তুনা মশমশিংদু [illegible] থোমগৎপীতুন যাম্ন [illegible] শোকপীবতুনা যঙনীবকই। মনাইদু থক থক নী ক্ল। [illegible] শারে অশাবা মনিললা [illegible] লাইহান্ন। [illegible] মনযদু কাওথৎলাক্ল। [illegible] যেংলম্নদগী মমাগ মবাযবক্ত পত্রী[illegible] মবেম্মনা [illegible] ফদি [illegible] কৈদ্ধাক [illegible]। [illegible] মবেম্মনা [illegible] মনাইদু থবওং অর [illegible]

অশাংবা নিংশা হোল্লকই। নাম্থাক কৈথোকপীবয়গা "সিদি— কৰিনো, হৈদাক অমা চাবা পাবে— নবুঙো লাক্লুবদি ঐদি থংদে। অতুম ওহাক ছীপখো।" হায়বীবয় মনাইগী কানুংদগী মবেম্মতু নাহে নাহে খোংথাং শগ্ন শপ্ন থাগুলদুনা, অচোইবা মশিগী কিদোলশিংনা লৈমায় চিঙনা চিঙনা বাংগদগী মপান থোকখি। চংখ্রে। মীনাইচুনা মীক হনগনা থবতং ওন য়েংজবরন্দী। চংখিবা খোংথাংগী লম্বীচুদা য়াম্না মরোই লৈববা মতৌকী মীৎয়েংচুন। ওম্না য়েংজবনি।

ৱাঙমীদাং ওইরে পুমিদংদ লইবা নত্তে, ইমুংগী মীশ ই পুম লোইমগী শুরম নেংলমগদবা মগে। লোইবতুনা ময়ম ময়ুমদা তম্লখিবন্মী নডুগ ইমুডু মহৌশাগী মতৌশা হিং ম ই ইং ম পুংচীক অমক চীক-লন্দী। ইমুংনা মাবা মীনিল লাইরনা চিকলগাদা মাগী কগী খাংতু চেনা। লে লশপ্রতুন যাম্না চেকশন খোমজনবা মতৌদা পমলীবা ইবন মফমগী অপুম চেগী চবুল অমা অতা মুকতু মুকচে ওয়েক পুন্দে লহুন। মুবচে পাংহবদুনা থক থক ইম্ন লাক্রবা মখুদনা বলপ্না বাংচেগী পাদে মনা ইশাল্লম বখল অমুক থ ওনা চমীন কাংক লৈখ্রব।

ঙমীদা (এজ্রি) দ লোবপ। ওগা অশৈ মথাৎ থবা যন ইহ্রো চঙ মবেম্মল লাইবীক পাবংগী চুং চুং চংলবা খোঙ্গেলচুম্ম লেপ-খ্রবা যন। বহৰাল খুংদোনা হৌলাক্ল যাওলদি মহাক। মমা মপা শব লন্নবগা মংম বুইনা য়েংবলবা মপু মশাক থংলনা অইগী মাতৌংম্না ন ওপুবদী মবেম্মাবু শংবা পাননী। মচুমীদমক নতবা মহাক। লোব-সি? কাংলদা লৈবম্নদগী মনাইচ পোৎ পুম্নক চেংনা ঙমজম্লুগা মহৌশাগী মতৌশা চৎম্না নফ ফিজাওচুনা মশাবু কুপ্ন লৈমায় শ্রো শ্রো চন ইপ্রতুনা মবেম্মগী কাংলদা যমচংনবন মখাং খোথাংচুনা চুকথ চুকথ চ শীল্লকলন্দী। শ লবিবনী। থম্মোইদা মীনাইচুনা থম্না— "শংলবা-শলদবা পুয়মক অহেদনী— পৌগাদবচুকা মপাং থোকনি।" খম্লুরগা য়াম্না পাদেসজবনা মনাইচু মহৌশাগুম বাগী চদাইনবা নাকচ অমদা থুকউ

খুউদক কুন্দুনা মবেম্মবু শংবতু তৌরদরে। থুনা চংশল্লক্লুনা নাল্লবা ফমথক্ত চেপ্প য়াহীপ্পরিবী— নাওপুরবী মবেম্মবু শং ত্রৈক য়েংতুনা লৈবরে। মীকুপ কয়া অঙানবা মৈঙাল্ল য়ৈরবদা অমুক্ক হেন্ন তথক লৈতংনববী মবেম্মগী মায়থোংদা শংত্রিক য়েংলমলগা, নিংশানা ফুইনা মুইনা শাংনা শাংনা হোল্লমলগা, মংম কয়া মমাংদগী অরোনবা মতম কয়া চংনা ফেংতুনা থমলক্লবা অকিবা মতৌ চেল্লবা খুতুপ থরা হেন্ন শাঙলবা, অবংবা অতুগা মতৌ ঈকাদগীসু হেন্ন তুম্নবা থাংতু মখুংনা চেংনা কুক লাকশন পাযরতুনা চৎম্নবা মফি ফিগুদগী মীকুপ মীকুপকি ওইনা থিন্দোকনা হৌবকলম্মা। নীংবী মপি! মীংলুগী পি শিন্নরক্রে। মনীংকি মাপ শিং শিন্ত, ঙুগায়না লৈশাংনজতুনসু মনম্না ফনা লৈহানজতুনসু লৈখোক্তা লিলখাক য়েংলবী নাংথিবী লৈগী মতৌস্নবী, মবেম্মগী নাওপুববী, পুমবুমনরবী, ঈ থাঙলবী, অতুগা মৌওইনবীগী হৌনশা থরংং লৈশললশল্লকলাংং, মায়থোং অতুগা মীং মনীমক অহীংগী খম্বালগুম উমশল্লবী, মমায়থোংতুদা মনাইতুনা অহনবা লৈতনা চাদোৎম শংত্রিক য়েংলতুনা [illegible] "ক [illegible] মতম অসি হৌগ্রগনি" হায়বা ৱাখল খল্লকই। মতমতুদা মানাহাসনা ভাবংবা থাংতু খুৎপায় চেংনা পায়শল্লকই অতুগা য়েংকি মখুংং অহম অহম হাইগংলকলম্মী। অতুগুম্বা ঈচং খোরবা মীকুপ অতু পুন্স থান্না হোল্লম্মী। মৈরানবীগুমই। য়ান্না থুনা মাংখ। অতুগা তেমশিংলরবা মীনাই অতু লাইনা পক্লবা মাগুম থোনা থোকহল্লমদে। খোনা য়াওদ্রবদা পাংথোক্কদবা মথোশিংতু কাওথোকপগুম মায়থোংতুবু মীংলুগী পি তানা তানা য়েংলতুনা তুমীন লৈখোরম্মী।

ঙস্না লৈত্রে। মানাইতু কয়ারক থম্মোঙ্গনা খঞ্জানবগুম মংনা পুইনা তুমীন লৈকুরবদা থাংগা লোয়নরবা মখুত্তুনা তপ্প তপ্প হাইগংলক্লুনা, পেহৌ পেহৌনবা মতৌ মমাং মীংলুগী পিরাংশিংতু শিন্থ শিন্থ, চেপ্প হীপ্লীবী মবেম্মগী মায়থোংদা, লাইবক্তা অতুগা থোন্দক্লবী খজাহদা

অকি হৎগোই লৈতনা নাল্লবলম্মী। পেনবা লৈবক্তে। খুংনাদুনা অহনবা লৈরক্লবদ', শুং শুং লোল্ল লোল্ল, ফানা ফানা কপলম্ম। খরাং চীকলবা মীকপ অতুনা ফাওমদ পুওদ' অসুম অসুম চাওখংলক্রবদা, হৌগীবী মবেম্মতু মাকপ খথোক থোকলক্লনা ঈথ খনা মশেল মবাংনবব। মমীংকী মীংহেংনা মনাইদা যেংলবলম্মী। মীংলুগী পি! পি! থাং! অদুগা মবেম্মগী হকচাংদা মহাক্ত খোইদানা নাল্লংলীবা। হাংকে ভুপাকে মশে। ওৗবমলীবা নাহতুগী অকীবা মশেগু তশেং তশেং উবরক্লবদা ফমথক্কগী ইথং শন খংপ্রেক্লনা কৌবকই—

"চা—ওব। চাওন নং!"

খুংন ন থদু লাদে —। থাংগা লোযনবন মখুঙ [illegible] পোথোকল। মচক [illegible] মনাহতু ভুমীন চাং লোল্ল অকিবা হাওদবা মশেগা ফ [illegible] ভুনা লেপ্লনা লৈ খা'খবোই কি থবোক [illegible] থীএম্বদগা যোন থেংনা [illegible] মনাহতুবু শংত্রিক [illegible] মখুংক থাদু ভুলক্র হ [illegible] ভুপাক [illegible] হাযবগী অ বননা থে লৈ থনা চ [illegible] খ [illegible] খ [illegible] [illegible] কাউনা লাওবক্লম্মা। না'ওবে। থোক্লেল অহ অকিব [illegible] কি খদবভুমই। ওহাক ভুমীন লেপলম্মগা, হারবা থো [illegible] খোক্লেন্দুনা চেক নমথবকপদা মখুভুগী অরংব থ [illegible] নোমদ থ'দরক্রী থো [illegible] চংখি। খব চংল [illegible] দগী অনগ্ম চেগী মপৈত্থ অদম্মক থাদবাম্ম। পুমমক্ত অমদা পুনগৎলম্মা পৌদে মশাদা কবিসু থক্লংপা অকীবা প ক্লবগম চংক্লবা ফিজ' ওভুনা [illegible] মশাবু কুপরাওনা ফম্ম নাম্ম কাংহুদগী মপান থোকখি। মীকপ থোবলমদ্রবদা ওইবমগাদৌব, মশে, মশেগু লাকশল লাকশল মাবম্মতু থাবুম অবেৎ লোল্লক নাওপুবদী হকচাং লাইমল কাওথবে চেংকথ হাইওমদ্রে হুমাওনা ফিবান ফিমুও চোংখবে। চবমগী [illegible] শ্রক ওক ঈক নবে ব্লাখল মাংলুরে। নিংশা লৈতা নিং-ছোল্লওমখিদরে। খোংথাং থোবলমদরে। ব্লাখল ভাদ ভাদ খোংথাংনা

ঙাকৈ কাকৈননা থাঙলহনা, কাগী অহাঙবা থোং অমদি থোংনাও পুন্নমক চেংনা পুনা য়ৈনা লোলশন্নুরে। মৈগী অভানবা মঙান ঙেন্ন হেন্ন হাপকং থানগংলক্লে। অমুক লময়াইহুদা চপলেপ্লহনা মনাইগী মথুক্তগী ভাংহৌরিবা অকীবা ফঙলবা মচীন তুন্নবা অতুগা অরংবা থাংহুদা শংত্রক য়েংলহনা লৈ। লৌথংলে। মথংদা অইবা চেগী মপৈহুমা। কম্নাক্ত অভাওবীগুম কেরুপ কেরুপ য়েংনা চংশল্লহনা, অভানবা মৈঙান্দুদা ওইবা চেবুনহুগী লমায় হাইদোক্কনা পাবা হৌবকলগী।

অহানবা লমায়মক্তদা মযেক চাওরপ্ন করিগুম্বা বাহৈ থরা ই, মচু চনৈনববা মুক্তী লৈযিশিংনা হন্ন হন্ন চিংহুনা পাবা থোকহন্দনা মংথং-লম্নে। ইবেমহল — ই থংবত্তনা পাবদী থোকভরে ভোক্লে। ইবেমহলনা থল্লী। কুইনা পিংংলমদনা, মনুংদা ইবিবশিহুদা পাগে থন্দুনা ইবেমহল লমাংদু হাইদোকলবই

(মথংগী লম য়ুদগী হৌন চেবুংহুদা ইরমলিনা বাহৈ পুন্দা মথাদ উংনল)

ঐগী তৌখিবা পুন্সি বরী · · ।

কনিবু ম নরুকগদদে থন্দুনা পুন্সিনা য়াম্ন তুমীন্ন থংলক্লবনী। ঐনা তসি ওারবা ঈশক শংনম অসিবু ঈপেংনহৈগী কইবকপ্রা? মতুংদ নাংদু। মরুম লে। ঐনা পাশুন ওইরক্লীবগী মবম লৈ। মবম অতু, নঙবগা বারা অতুদি য়াম্না শাঙই অতুগা ওন্নেক্ল তমদি। বনা অমগী মফমদন্ন ঐহাক্লা বারা অতু লানীংলুদে। লাকবগীক্ল কারি কান্নক্লগদগে। কান্নফম লৈতে থল্লী। ইনাক কৈরাক খুল্লবা করিগুন্না লৈবাক অমগী থোনা লেরবা লৈমাবা-হুগী লৈমা চিশিং লিশিংগী মথক লৈমরেলবী ওইহুনা মতিক ময়াই লৈরন্বী লৈবাক লৈমরেমবী অমনা ফমদা-রক্লবা অতুগা পংথ পুমথবা ল ইনানা চেঙলৌ হেনলন্বী মমাংবু অতুগা তপোম্নরম্বী মশাবু পুমলক্লবদা, মীরক্তগী থাপ্না, য়াম্না থাপ্না চাংম্নুও মনুঙদা নাথৈহুনা পুন্সি লেম্লক্লবদা, মঙাক্কা নীংথীরন্বী মচেং-লোগী মরমদা, মহক্কী হরাও নুঙাইরম্বী, মতিক ময় ইনবী, হৌখি মপুন্সিগী

মরমদা, লেপ্পনা ৱারী লিতুনা কনাদবু তাহন্নীংগদগে? ৱারীশিংতু লীতুনা মীওইবা মমান্নবশিংদা অমুক তাহন্নীংখিগদ্রা? মতুদি ওইদরে, ওইথোক্লরে, ঐহাক খংই মপুন্সিগী ৱারী'তু লেপ্পু খমদা 'লতুনা মীওইবা কনাগুম্বদা তাহনবদি লাইরবুনা মশা ফাওবনা নীংশংজনীংজবনী— পুন্নমক্তু কাওথোকপা পামলবনি। কাওথোকনীংলে অতুবু মতুদি য়াদে। করিগুম্বদা ৱারীশিংতু অকাও ঈপাক্ত লুপলুবা থোক্লবস্তু অয়াম্বা মপুন্সিগী মীকুপ নওদগা শককশিং দি ওন্নমক্তবু নীংশং নীংশং পুন্সিনা চীক্ল চীক্ল য়াম্ন লোম্ন লোম্ন অতুগা মতোম ওমক হীক্ল হীক্ল কপতুনা লেল্লমগনি।

ঐহাক মং কুপা— লৈবাক নিংথৌ কনা অমগী লৈমরেলবী অতুগুম ঈশাক ঈয়াং লৈবা মীশক অমদি নত্তে। মহাক্না চেংলৌ হেনবগুম ঐহাক শক্ত অতুক নাপল কানীংডাই লৈজদে। ঐহাক্তি ঈচম চম্বা, মমাং পাংথোকপদা 'তাইবং অসিবু থুংনবা যেংবদি লাইরবুন' লৈবাক অসিগী মু কৈথেল ফাওবা থুডনা উবা। উমজদবা য়াম্ন তোনশ্রবা লৌউবা, মশাগী হৌকফম খংজদ্রবা মরী মথা কনা অমা নৈজদ্রবা তোনশ্রবা লৌমী অতল অমগী মপুন্সিগী অমত্তা পোবচবা মচান্নপানি। অতুবু থোদোক অতুদাদি অতুগা য়াম্ন নীংঙমদ্রবা শা ভাদগীসু হেন্ন তোম্বরবা পুন্স— পুন্সিতুদি— ঐগা অতুম্মক চাংদম্নবা য়াদ্রিবরা?

ঐহাক্কী ঈমা অমা লৈরমগনী। ঐহাক করিংম্বা মতমদা তাইবংসিদা তাইবং মী ওইনা পোকখি অতুগা অম্মম চাওরকখি। মসি কনানসু য়াদবা তৌরোই। ঐহাক্কী ঈমা অমদি লৈফম থোকই। লৈফম থোকই কদোগদগে মহাক্লি, ঐগী মীওইবগী ওইবা ঈমীং অসি পাংথোরকপদা অশুক পাক চাওরবা তাইবংসিদা অতুগা উমং ৱামংনা থল্লবা পাক চাওরবা মালেমসিদা অতুম্মক হৌরমদবে। ঈনাগী থুম্বা থোমলাং'তু ঈচিম্ন থকচ-ঙমজবা ঈশানা খংজহৌদ্রে। পুন্নমক ঐগী ফংফম থোকপা পুন্নমক নোংদম্বনা ঐগী ঈফমদগী মুনবীখিব্রা নত্তে হায়বগা মপোক থীবা ওইবনা ঐহাক্কী শকক থুডবীরমদ্রবরা, ফংফম থোকপা ঈশকক পুন্নমক্তু পীনবীদনা, ঐহাক ঈপুন্সিগী অহানবা ঈমীং পাংথোরকপদা অহল ওইরবা ঈপাতুগী

চেংশল্লবা মচৈ কৈবাক অনিছুনা কোন্দশন্নজনা শেম্না মতম্মাকথক্তা লৈরম্বতং মথেংনরম্মী অতুগা করিগুম্বদনা মনমদা পোবীবা অতুগা মথুই মথুইববা মনমগী উনশাথক্তদা ঐহাক্ক কপচবা ঈমায়সিনা নৈশঙ্কবা।

ঈমা লৈত্রে চাযনা কদৌম্নুংদম্থু ঐহাক্কী পুন্সি লোমখিবা লৈতে অতুগা চাওজন থীহন্দুনা, লাওম্মক, অপিকপা অঙাংতু ওইনা ঈশাগী অনিশুবা মপোক ফাওবা খোমলাং কোকচনবা ঙাইহনবগু লৈতে। ঐহাক চাওরক্লম্মী। মতম্মতুদি ঐহাক নীংশংবা থোক্লি— ঐগী ঈপা য়ুম্না লাইবৈ অতুগ কনা লৈতে হায়বা। লৈত লৈত ঐগী ঈপানা ঐহাক্বপু খোবালগী লগী লমজাও ময়। নক্ল শাবা লাইরীক তম্ফমশং অমদা অংঙাংলা অতমশুবা অতুগা মরাশুবা তমহল্লম্মী। অশুম্না ঐহাক মঙাশুবা কাখংলম্মী। থাখল হেক পারবপদগী মঙাওবা ফাওবা তমলকপগী শাগ্লাবা অতুগা পংজবতনা মীওইবা ওইবা মপোক্কী নত্তরবা পুন্সি অসিগী মরী চউরবা অরাবা মশক খজদবা, হরাও তুয়ামজত্রবা অতুগা চঙজখ্রবা শীক্লীতৈ পুন্সি মতেক্তুগী রঙ্গীতুদি পনবগী অতুগা শিংথাক্লবগী কবু কাংনলগে। মতমগী অতুগ পুন্সিতুবু শিংথাবদি যাম্না কৌনদে। পন্দলনা লৈফ। ঐহাক পুন্সি মতেক্তগী রাদিতুদি পল্লরোই। পুন্সি মতেক্তু অতুগা মতমশিংতু, মথোয়তু যাম্না নুঙাইখি, তঙাম্না খোঙথি য়াম্না অতুগা য়াম্না। কদৌপদগে হৌজিক্কী মথোয়তুবু মতমতু অতুগা পুন্সিতুবু নীংশংলগা। শুপ্পগী নীংশংবতদা ওম্না ওম্না খেনবা মতৌদা থগৎমঈ অসি চাকলকই, হকই "অতুক হরাও তয়মখ্রবা মতমতুবু না শংলগা করিগী অতুক থম্মোঙ্গী চাক্লি, খা মদদা মতৌ থম্মোঙ্গীনা ওইরক্লবাসে?"

ঐহাক্ক মঙাশুবা লোইরক্লবা মতুং থা থর তৌরমলগনী মতম্দা ঐগী অহল ওইরবা ঈপাতু লৌউ লৌথাও থা, পুম্নমক কৌরুতুন হুং চিংবগী থবক তৌরম্মী। কনাগুম্বা ঈনাক খুনবশিংনা, মথোযগী য়ুম শাগৎপদনা লৈরবা অহুগা হীঙগোল অকোয়বদু চেকপল খাগৎকদবা লৈরবা, নত্তবগা অদুগী শেমগদবা লেরবা ঐগী ঈপানা (তুং চিংবা কাংবু অমা লৈ মতুংগী মতুংদা ঐগী ঈপাতু অমনি) মীগী কাঙপোৎ অমদা (মীঙোন্দগী নোংউমগী

শেঙ্গ পীদুনা বায়জবনি) অথাপ্পা মযমদগী অচৌ অচৌবা করিগুম্ব্রদনা খর পীক্তকপা মুংজাউশিংদু চিংলম্মী। মতুগী ফংজরকপা অচিংমন খরদুনা ওইবা তাই মহাক্ম মতমদুদা ঐহাকপু য়োক থাকখিবা অদুগা অয়ুক অমম্নুং মমীদাং খুদিংগী ঙমোক পিজখিবদু। মতমদুদি ঐহাক তাইবংপানবগী ওইবা অরাবা অমম্নুং মুংঙাইবা অনিমক্কী অশেংবা মশক অমত্তা খংজখিদবা মতমনি। অদুগুম্ববা মচু শংদ্রিবা পশোংনবা অঙৌবা ফিংগুম্ববা নত্তরগা চেবাংগুম্ববা, নত্তরগস্তু অশোংবা মোঙশোং লৈত্রবা য়াম্ন পাক্লব। অদুগা হাংলবা লমহাংগুম্ববা, চমখ্রবা অদুগা হাংলবা ঐগী পুক্নিগী মীকুপশিংদুদগী, নোংদম্বনা য়াম্না হৈনশিংনা চেনখ্রবা মীকুপ অমঃ শংত্তোক্তনা মাংহনখ্রমাক্নে অদুগুম্বা মীকুপ তদুদা তমখিরবা পাঙ্দু—কৈস্ত খংজদ্রবা ঐগী ইকমদা শিন্নখি। অহল ওইরবা ঐগী ঈপাদু মুংচিংদুনা হল্লকপদগী থোবাল তুরেলগী অংস্বা লৈবাঈদা কাঙপোং চেপথখিদুনা, মুংজাউশিংনা নন্দুনা, কাংপোং চিংলিবা শন্দশিংদুগা লোয়নননা থবায় থাত্রে। করিনো মতমদুদা, তমখিবরা পাম্সি তাবদা মতমদুদা ঐন থর্নখিবা—। নীংশংবা থোক্তরে—। কাঙদি বাংদ্রি, করিংম্বা হরা অদুগ মমীৎ অদুগী শক্তমদুদি— ঐহাক কাঙদ্রি, হম্বগী খাঙ কোল্লবী ঙায়োনবীদুনা, নাহে-নাহে ঐবু চিঙবীদুনা ঈপানা ওন্থরিবা— ঙমদ্রবা তুরেলগী লৈরাঈ অদু তান্না পুবীখি। তুরেলগী লৈবাঈদু যাম্না ঙমখরে অদুগা কাঙপোং অদু অদুগা শনশিংদু শুপত্তেক নাত্তেরন ঈশীংগা শম্লবা তুরেল মখাদা তাদুনা লৈনৈ—তুউ অসি চুঙলি—ঐহাক উবক্রে— কনা অমত্তনস্তু চংশন্দুনা নত্তরগা কুমখদুনা লৌখৎপীদ্রবা কোক্লা অঙৌবা পোক খরতং চোঙখৎলবা অহল ওইরবা এগী ঈপাদু অদুগা মমায় মমীৎ মফম খুদিংদা ননশন্দুনা লৈরিবা চাউরবা মুংজাউশিংদু নীংশংলকপসিদা থম্মোঈ অসি কায়রে। মতমদুদা, অদুগা মযমদুদদ ঐহাক কপনী লাওনী করিস্তু থংখিদে। অকিবা অমদি যাওখি, ঈপাবু মুংশিবনা ঐবু কপহনবমকস্তু ঙমখিদ্রবস্তু, য়েঙলুবদা অকিবদুনা ঐহাকপু কপহনখি। ঐনা কপচবা উরগা ঐগী ঈপাগী থবায় য়াওদ্রবা হকচাংবু য়েংলমলীবা তিল্লমলিবা

মীয়ামশিংহুনা, মখোয়গী, ঐবু যাম্না লোম্বনা য়েঙবীবা মমীৎকী মীৎয়েংশিংহুনা ঐবু য়েঙনবহুনা, খুদিংমক ঐগীদমক অহুগা ঈপাগীদমক অৱাবা ফোংদোক্লবিখিবগুম তৌখি। মখোয় ময়াম অহুম য়েংনবহু উবগা ঐহাক্না হন্নুপ্রবী ঙায়োনবীহুগী ফনেক মচিদা খ্বাংশেত্তা কম্ন কম্ন কোনশঞ্জবহুনা হীক হীক হেম্ন হেম্ন কপচখি। অত্তক হীক্ল কপ্লবম্ন মতমহুদা ঐনা ঐগী থম্মোঙ্গীনা খবতং লুমজখিবা (অহুক হাক্ল ৱাঙ্গখিনা) হুদি ঙায়েনবী হন্নুবীহুনা ঐবু চেৎনা কোনশনবীখিবহুননী। অহুগী লমল ওইহনসিরা? ওইহনসিরা নত্তরগা ওইহনগুমসিরা ঐহাক হন্নুবীহুনা মতম শাঙনা লৈমন্নবকই। মাগী শোল্লবা মতমহুদা, মাগী অৱাবা থবক কযা ঐহাক্লগু নোমখি। মহাক্কী কুম অমগী ওক্লবা শাং ঐনা চাদগী চনবিখি— মযুম যুমফম লৈবাক তৌহুনা ৱাঙনা লোনগৎপিখি। কযা কয়া—মহাক্না পেনখিদবা করি যাওবগে— ঐগী তৌজমম্ন হন্নবীহুনা নগু-নচাগু নওবা ঐগীদমক মনীংকি পি চাখিবা নওবা, ঐহাকগু মাগী থৱায়ন থাখিবা মতম অহুক্লাওবদা মহাক্কী খোংগান তৌখিবা নত্তরা? পোৎলোযবফাঙবা। পুন্নমক মানম্বা য়াবোই থম্মোঙ্গীসিদা হল্লনা লৈরি। পুন্নমক্সিদগী ঐন মহাক্কী চাউরবী লমলহুবু শিংলে হায়না। খন্দোক্কে খল্লুই অহুবু থম্মোঙ্গীনা যাবা ওমদে, মপোক মপোক কযবক্লো ঐবু পোকহন্দুনম্নু মীকুপ অত্তদা মহাক্না ঐবু চেৎনা কোনশনবীখিবহুগী লমলহুদ, মপোক্কশিংহু মন্নংদা ঐহাক্না শিংঙমগনি হাযবদি নীংদরে। কৈদগী শিংবা ওমগদগে? মহাক লৈখিদবা অসিমক কনা লৈত্রবা ঐগী ইফমদা খ্বাইদগী চাওবা অবাংপা শক্লক হায়বহু ওইখি। মাগী মফমদা চংজ-ঙাঙজবহ্র ঈকাইজবনা পাথং ফাবনা ঐহাক্না মতমহুদা লৌপুক্কী চিদায় অমদা থাংপোকশং মচা অমা শাজবহুনা লৈখি। লৌখাও-লৌলীং থাক্কনা ঐহাক্ল মীগী লৌলীংবা অমস্তুং লৌখাওবা য়াওজরম্মী। শীংজনবশিংগী মরক্তা শাং চনবা য়াওজবম্মী, অহুগা ফক্লাং ৱাই খৱতং হৈবোই হৈতবোই তৈজক্লবা করিগুম্বদনা চীংদগী চল্লুবা শীংশিংহু কৈথলদা য়োম্হোকচবা অম্নুম্না ঈখেনরক্লবা পাথং

ওইবগী পুন্সি অদুসু পুন্সিগী অশেংবা মশক খংজদনা থরাইত্তং হিংনবা লেঞ্জরকপনি। মংমতুদা হৈবচাং অসি খরতং শোক্তম নাদমলম্নবদি ঐহাক হিংঙক্‌ম লৈরমলোইদনী। অদুবু পাঙগম তীক-তীক লাওখিবদগী নোঙম নোঙমগী শুজ লোমজরুবনা ঐহাক নোঙমগী ওইবা চরাতংদ চাজবা ফঙলকই।

ঐনা পামজখিবদি— অরাবা খদবা— খরতং চাজ থকচরগা পুন্সিনা হিংজনবনি। অশুম্না হিংজ পাঞ্জবনি, অদুবু য়াবা লৈখিদে। অরাবা রাখলশিংহুনা মপুন মবৈ ফাগংচরক্লবা—পাখং মচা ঐবু তক্তনা ওৎ-নৈবা তৌবৈ— হৌবব নত্রে শুংগী মীকুপ অমতং নোক্কে হায়বা ঙমাখদরে। ঐগী ঈমাগী (মহাক্কী মশক ফাওবা ঙম্লৌদ্রে) ব য়ুমদগীসু অদুগা শকথেংনজ্জৌদবগীসু, খে শনাং থকাংদবগীসু, মাগী মথুংকী খুৎনালগী মহাও খংহৌদনা লৈবমনগী মঙ্গা ঈপাগী (ও! মহাক্কী পুন্সি লৈয়োম অদুনি। মহাক্কী ঐগীদমক্তা ওন্তক্লা বাঙ্খনা হনবাদুনী। মহাক্কী নোকমীবা মায়থোং— ফাগ যাম্না মানং। মশক, মকুইগুম লাওথোকশোকপসু ঙবা অদুগা শামুগুম খুজংবা ঙনা মাগা হৈ-শিংলবা মমাং— মীংশংলকপা তাসিদসু নোক্লীংলে) অদুগা মহাক্কী ঈপা অমগা কুইনা লৈমিয়ংমজহৌদবগী তবাবা, পুম্নমাকসগী মথক (মতমদুদা ঐহাক বয়াদা কপকনখ্রবা) অদুগা তংগা ওইরবা ঈপাবুসু ঐগী নিংঙাইদা কয়াদা পাঙগন থেক্লা রাংনখব— পুম্নমকানগী অরা রাখলশিংহুনা ঐঙোন্দা ওৎলারবা। অরাবা রাখলসিংসিগী মরক, ঐহাক নোঙমগী চাবা ঈশানা থোংলগা চংজনা তারবই। মংমসিদদি (ঐনা পাখং ওইরবসিদাদ) ঐহাক বনা অমগী মফমদসু নিংঙাই তৌদ্রে। নোংমা ন্নামৎ চুপ্প, অরা-অনাবা থংদ থবক কয়া পাঙগন থেক্ল নোমলু-শুরুবা মতুদা মুমিদাংগী চাক্ক ঈশানা অমুক থোঙগৎচৈ। থেকলবা অদুগা চোকথরবা হবচাংহুনা মুমিদাং ঙহাক পোৎথাজগদবা মতমদুদা মৈনাক্ত ফমহুনা লৈখি। ফম্ন ফম্ন করিগুম্বা মতমদা রাখল পুম্বা মাংখিহুনা উইক্রুবা য়াওই। তদুগুম্বা মুমিৎ অদুদি মীকপ থোরকপদ চাক অদু

ক্বাবন্মী অতুগা ঘুম থাক্রবা মহী পুন্ননক কওশল্লবা ইনশাংতু, মখোয়তু চাত্তুনা লেনবা তাখি নত্তরবা ঐগী ওইনজফম শাওজ্জযম মশা তুনা কনা লৈখিবগে। অসিগুম্বসি থওনববকঙৈ অতুগা ঙৱাবা ৱাখলনা নোঙমা নোঙমগী চাঙ হেনগৎনা হকচাংবু পুনশল-লাবশল্লকঙৈ মপোপ মনৈননা ফবন্না ঐগী হকচাংতু মাযঙ তাথবন্নন্মী- অসুম অম্নম্মব শোকচল্লম্মী। ৱাখল খনবগী চাঙ হেনগৎলকই—মোং হানীংলাক্ক—, নোক থেবা অতুগা হবাও ল্ংহ্নন শক্তম পুম্নমক মতম পুন্নংক্কা পইনা ঐগী ইফমদগী মাংথখি।

লৌ্নবী অবংগা কেনা শাং ওংবা অতুগা ঈতোমতগী লাক থবং থোংখিনা, নুমীতে — ঐগ পু ন্সগী অবোইবা নুমীৎ ওইজনা হেন্ন মকবন্নমী। নুমীংতুদা— ঐহাক চক মে যাংলতুন চাক থবতং থোংখি। নুমীং অসিনগীনি ঐগী পুন্নান্ন শ ডাণ্ডম পুন্স ওনখিগদোবিনা। চাক্ক থোংনা থোংনা চক মৈত্ত যানা যাংনা ঐহাক ফম থম্মোঙ্গী শোম্না কপাক্ক নুমীৎ অম্বাব হযনন কদ যদানা বাদনা হাযননা কদাযনো লচ ব অমও থংখাদ। মনা উক্তথখিদু এহাক ইশানা নীংশংবা থোব- খিনবে। ক্দনা শ ব মতম এনা মৈনাক্ক্দ হংনুবনা—। লদে—। অতুগ শশা চ ওবনা হুগা শবা। অশাব চেনা খবনা নবু মীবপ থোকহনখিত্তুদি নীংশনি মী । নে ৱনবা, অতুগা মীৎ পাং থাব- নকপদাদ হুকচাংগী হাকহবা । নইন পুম্ম মৈংনা বোযশনথীবংম লাচাকপা নেবীংক্কা এগী মীৎন উবক্লম্মী মলাক্কবগমাক্ক পাথৎ- থাব অঙ্গা এহাক শানানাইংগুম মবংন ইাও ওাওনা ওাকপী হুনন চপ লেপখি। নুইনা মৈশা লাংলক্কদ মৈগী মৈমক্কা ইবংনদা ঐহ ব চেনথোক্ক থব্বং-খল্লিতৈ মাকুপাশংদুদ চনবন নৌত্রবা নৈবি- শিংতুনা হনজল্লক্কনা ঐগী মাযদা-মীৎনা কমলাক্কা থোংদা-খুৎনা অঙ্গা ঈফি ফিব নাশংদ মৈচাক কম্ন, বম্ন বম্ন চেৱাযনববকহ। মৈ চাক্লে, ঐ ওম্নমক থংখ অতুবু থখ উখিদবগমাক্ক। মৈচাক অতু অম্নন অম্নম্মব কনশল্লবলম্মী। ঐহাক লাও থোক্ক— থাংবা ঊমখিদবনা। থোংথাং অনা অহমদং থৌনা লৈবা শাতুনা মৈবক্তদা চেস্তোকখই।

চেম্থোক্লগা হেল্লমই মৈচাক কল্প চাক্লম্বা। কেমলম্বা খাংপোকশংগী য়ুমথক মচেৎ কিল্পরকই, ইৎক্লা, ও! মৈশাতু হৌজিকশু চুরবগুম হবচাংদা মৈচাক ফাওরে। ঐহাক চেনকম খংখিদ্রে মীৎ মমশল্লক্লে, খদাং চীক্লদুনা কয়ারক চেম্থোক্লে থোরাং তৌরুই— কদুবু ওমখিদে। মী খরগী মীনিল তারকপদা হিংলগদ্রা খন্দুনা কল্প চেম্থোক্লবা হোৎনখি, নেৎলু নেৎলু খুদিং মৈথক্তদা ওইরম্মী—। মৈশাতুদা ঐহাক ঈশিংখা থোক্ল কল্প কল্প লাওখি—। অসিতনা— ঐহাক কমদৌথিবা মতুদি নীংশংবা থোক্লরে।

ঐহাক্লা ৱাখল তারকপদদি অশাবা মৈশানা তকচাংগী মফম মফম খুদি দা চুত্নুনা লৈরমলে। ঐহাক খাংবা ওমদনা লাও থোওখি। মৈশাশিংতু— মায় মীৎ খোং খুৎ মফম পুম্নমক্তা খাকখিদে। ঐনা লৈর-রিবা মফমসি ডাক্তরশংদনী হায়বা মখোদি মৈচাক মরক্তদা ঐনা খংবা ওমখি। ঐনা কেপ্ন তাবদা— থৌবাল স্কুলগী ওজা অহল্লা শুচিংতুনা ঐবু খুপ্পা খবর ঈম্ফালগী ডাক্তর শংদা পুন্শীরকপনি হায়না তায়। ঐহাকপু মফমাসদা মিং চনশনবীতুনা থরায় হিংনবগী ওইনা লাই-য়েংহনবীখি। ডাক্তরগী হিদাকশিংতুনা মৈশাশিংতুবু ঈংহনাখ মৈচাক্লী কোক্লে। থরায়সি হিংলেবো খলল্পুরগা ঐনা থরায় পারাওজরম্মী অতুগা খুপ্পাশিংবু থম্মোইনা থাগৎচরম্মী। মখোয় পুন্নমক ওইত্নসু ডাক্তর বাবুনবু অতুক থরায় য়াওবীদ্রবদি ঐহাক শম্ম তৌরম্বা ওইথোক্লে। মরমসিদগী কনা লৈত্রবা ঐনা মখোয় পুম্নমকপু থৌজাল হৈবনী খপ্পাখ। খপ্পাখ অতুবু মত্ত শরানবা ওইরম্মে। মীকুক অতুনা— নত্তরবসু থংনবা অয়ুক্তদা অসি পুম্নমকসি চুমল্লবগু— নীনী চনবা মুমীৎতুদা ঐহাক্লী থরায়সি থারম্মবদি ঐহাক কযাদা নীংবা থুংলমগদবনো। ঐবু অহুম্না হিংহন্নবা হোৎনবীরমলিবা অসিমক ওসিদি ঐগী ঈফমদা য়েক্লবা ওইনা থোক্লরে। কমলাক অনিমক য়েৎশু ৫৬ ৩ ফোংচন তাইশনখিতুনা নীংতম মওং চুন্ন তিওথোকপা মরনদ্রে। চৎপদা খুউ শৌন— ফম্ন ফম্ন চৎলে, অহুগা অহাংবা লৈতনা মৈ চাকথবা ঈমায়, ঈমায়গী মফম খুদিং লৈতেম মান্নবগুম্মে— ঐগী অশেংবা— মীওইবা অমা ওইবগী

ঈশক অতু মাংলম্লে। ফয়ে কদোনী হূজীক্তি মতমত্তু ঙাইহন্নন অশুম্বক হিংবা তাৱে খন্নুনা ঐহাক ডাক্তর শংদা লৈখি। করি করিগুম্বা মতমদা থুনগী ঈক্ষাল কাবকপা থুঙ্গা কনা কনাগুম্বনা শেন থুম অচা অথক খর খরং ঈশক্লক তম্নীরম্বা যাওই। নৌরিঙৈগী ৱানি—কুইশল্লক্রবদি অমত্তু শকপেং শকউনগে ফংলক্তনে। খুন্দদা চংলু হল্লুবগী করি কাম্লবা। ঐগী কনা লৈতুনা ফিজমসিদা তারগদা চাবা থাক্ল যোকপাগদৌরিবা। কানদে। পুন্সি শন্সিনা চাবত্তংদি ফত্তুং শিবা ফাওবদং হিংননবা ঐহাক নাবা ফরলত্নু ডাক্তরশংদা ডাক্তরবাবুগী কান্নংদা মাগী পাথাপ্লোই ওইনা শেনখি। কনা লৈত্তে থংলক্রবা অতুগ কুইনা লৈশল্লক্রবদদি ডাক্তর বাবুনা ঐহাকপু থাদোকপীরম, ফিথোনবীরে। করিগুম্বদনা চানিংবা পোৎ চাজনবা শেন—! মহাকপুত্তু ঐন কাওবরোই। কাওগদবা নত্তে মহাক্কী ঐনা শাৎকদবা লাইহুনী পুন্সি অসিমদি মাগী মনাক্তা নপচ ওংক্ক মাঙোল লোমগ্রগদবনী।

অত্তুম্ন থাম্নইডে—চাহি—চাহি ওস্তম চুম্ন লৈশীনরক্লবদা নোঙমাদ ঐহাক অসি মাগী চাম্নরবা মরুপ অনগী মথুমদা যুমশংবা মনাই ওইনা লৈরুনবা শিন্নখি। মহাকমুক মপুক মপাও নবা মীশক অনগী মক্ষমদা— ঐহাক্ল মানীংদবা উংনীংখিদে। অতুগা— মানা শিনবারনাবাসনা ঐগী ঈকমদা মৱাবা ওইবক্লনি হায়ফাও খনখিদে মরমসদগী— ময়াথংতু পুজ্জরহুনা ঐন ঈবুংঙো মোতিগী গুম অসদ যুমশংবা মনাই ওইনা লৈবা তাখি।

অহানবা নুমীৎ—

ঙাস চালেন থাগী মুনগা হুমদোগনি পানবা নুমীংনী। নুমীৎ সি ঐনা ঐগী ডাক্তর বাবু (ডাক্তর ভোমচৌ) গী চাম্নরবা মরুপ মোতি হায়রিবা ঈনাক কৈরাক থুল্লবা। চুপা তুগী মযুমদা চৎকদবা নুমীংনি। চহি কয়া নৈতুনা লৈরক্লবা ডাক্তর বাবুগী কা অসি থাদোক্লগানি অমদি ঐবু অনিগুবা মপোক্ত পোকহনবীবগুম থৌজান হৈরবা ডাক্তর বাবুদগী খরতং থাপ্ল লৈক্লরগনি হায়বাস থন্তক্লরগা ঐহাক ঙরাং অহিংদগী হৌরে

থম্মোঈ শোকপা। অতুম্মকপু ময়াথং ভাকচবা ওইনা ঐহাক চত্ত লৈরু-দবদি যাদ্রে। মরমসিদগী পুগদবা ঈফি ঈরোল খরতংসি চেৎনা কোনশন্দুনা কাদুংসিদা তুমীন ফমলী। ডাক্তরশংদা ঐগী খংনদবা কনানো? লৈরিবা— ঈশীং শোকপশিং, লৈকোন শেঙবশিং, মরসশিং অতুগা মতম কুইনা ফবা লৈতনা নাদুনা লৈরক্লবা অনাবশিং। ঙসাই য়াম্না ঙনখ্রবা অঙনবা অয়ুক্তা নেপালি মচা বহাদুর (মহাক কৈথেলদদ লৈরকপা মমা-মপা মশক খংদ্রবা নেপালী অঙাং অমনি। মহাক মরাইবক ফবনা হায়-গদ্রা ফত্তবনা হায়গদ্র,—কন্ন নাক্লবদগী মখোং মখুৎ চিংশনখিদুনা— ডাক্তর শংদা অতুম্মক লৈরবা অঙাংনি। ডাক্তরশংগী অনাবশিংগী চাক য়েনবগী কাংশি খিংলকপদা মহাক চাক চায় ডাক্তরশংগী মরাং তুরাংলবা অনাবগী ফিজেৎশিংদু মহাক্তী নারবনু নাদ্দবশু মফি ফিজেৎকুম অতুম্মক শেৎলে। ডাক্তরশংদা হিপই। অতুগা ঐগী ঈনাক্ত হুতিগী লাক লাক্তুনা ৱারী ৱাতাই শাবে। ঐগী শেন লৈবা হুমীৎ থোক্লবদি ঐনা মঙোন্দা শেন পি অতুগা অচিংবা মখোংদু চিংল চিংলতুনা পোংয়োনবাশিংদগী অচাপোং লৈকই— অতুগা য়াম্ন চাম্নখ্রবা মরুপকুল মাংঐ চামীবৈ। মহাক মনাতোন তুমই বুচু ভৌই অতুগা অশোয় অঙানশিংসি পোকলমদ্রবদি মহাক মশক ফজবা মুপামচা অমা হাইবতু তশেং তশেং ওইরমগনি)।

বহাদুরনা ঈনাক্তা লাক্লগা হংলৈ—

"কৈদোরে নং দাদা —?"

"ঐ চৎপা তারেদনা" ঐনা হায় — (ঐগী লোলদি মহাক খংলে)

"কদায়দা?"

"মোতি—" ঐনা খুং থিক্লতুনা হায়— "আঃ— নং খঙলব্রোই।"

"লাক্লরোইদবা সিদা অমুক?"

"অং" মহাকসু মুংশুকৈ করিগীনো খংদে মহাকপু য়েঙলুডৈ ঐসু মুংসুক্লখি "লাক্তনীদা— ঐ লাক্তনা" ঐনা ৱা ওম্মোকই— "চৎলু বহাদুর! হুজিকপু চায়োনবা লৈরব্রা।"

"লৈরে— লৈরচোরা?"

"লৈরুচো— ভরাং ডাক্তর বাবুনা শেন পিবী" ঐনা ঐগী ফিজিদগী লুপা অতু কিশি খোক্তনা লৌথোক্লগা পিন পিন হায়— "নং চৎলুবা তারেদো— ঐদি চৎপা ঙমদ্রনীনা—।"

"কদায়—"

ঐগী চাক্লবা ঈব হৈতু মা খংদে। শেন্দু পুরগা অঙনবা অয়ুক্তুদা মহাক চা লৌবা চৎথি। ঈবাল্লী চা থকমাল্লখি। বহাওরনা হায়—

"ঐ দ চৎকম লৈতে— অহুম লৈহৌরগনা" চাহু ফ্রুট চিংহ—"লৈহৌরগনা।"

"লৈহৌ" করিগনা মতমহু মখোঞ্জেলহু তারগা ঐহাক্লা পি শিন্ত-খ্রবা! ঐহাক লৈরাদি যাহৌনরকপা মীশিংনা মায়কৈ খুদিংমক্তগী শহাতুরবু কৌনরবই। মহাক থকচরিবা চাহু গ্র্গ্র্ থকচল্লগা "চৎ-লগে অমক লাক্কে" হায়রমলগা অহুম চৎখ্রে। চহুবা যাদবনী। মসি মাগী মখোনা। ডাক্তরশংদা লৈরীবা অনাবা অনাবী মীপুম খুদিংগী পাওখেল (পোৎ লৈথোক লৈশিন) মহাক্কনা চৎলি— মচুনা শেন থব শব পিনবীদুনা মহাক্কা চানাংবা থব শরতং থকচ চাজনা ফজীবনি—। ঐদি মাগুন্নফাওবা তৌবা ঙমলোই—। কৈদ্দনা পিন হিংলগনবা? তঞ্জীওডী অমুক খোজল্লক্লে মরমসিদগী ঐহাক ডাক্তর বাবুগা তাইদুনা লৈরে।

তুজ্জী ঐহাক য়ুমসিদা খুঙলবে। তনাই ঐনা কুইনা তাইক্লবিদৈ—ডাক্তর বাবু মোত্তগা লোইননা কার তোক্লদুনা ঐবু লৌবা লাক্তে—অতুগা কারহুগী মনীং থংবা নফংতুদা ফমহন্দুনা পুং তরা থরা হেল্লবপা অতুগা ইদা ঐবু য়ুমসি তংগা পুবীরকল্লমী। ঐবু খুৎশল্লতুনা ডাক্তর বাবুনা কারহুদগী থাওথাগা, অতুগা কৈতু খজদবা ঐবু মাংগোল তাবা থাক থাক্তনা চিংখৎপীতুনা মাঙগোল নাকচিদা ফমহল্লমী। চৎলম-দাইদা ডাক্তর বাবুনা শেল পীবীল্লমী। মানা কৌথ "চাওবা!" খংলে— ঐনা লুকথরগা, থম্মোঙ্গী শোক্ক, মখোঞ্জেলহু তাবদা কপচখিবহু মহাক উরম্লোই। উরম্লোই অতুগা খংলম্লোই।

মোত্তিং মহানি— । ঐগী অশেংবা ঈশক্তী মখোয়না য়েংশন-বীরম্লোই অতুগা কয়াম্লক হন্ন য়েংশন্দুনস্ত শীংয়ানবা হৈতবশিংনা য়ানখিবদা ভমদতুনা খাকলম্লবা অচৌবা উপাদ্বীগী মরুপুম্বা মাযখোং অমা নত্তনা হুজীক্তী ঐগী অশেংবা ঈশক্ত কৈদম্ব উবা ফংগ্ররে।ই। অতুগা মখোয়গী তেকে কায়দনা লৈরিবা মম'য়খোংশিংহুবুদি ঐহাক্ত মুন্ন য়েংশনবা ঙম্মী। মহাক্ত ঐগী চহি লেংগা লেংগা নত্তরগা ঐখোয়দগী খবতং হন্নক লৈরম-গদবা নহানি। ডাক্তর বাবু চংশ্রাদা মহাক্ত ঐবু কৌশনবীহুনা মশা-মক্ত লমজীংবীহনা— টোটি খিনকম, ফত্তহৌদি হৈদোকফম, মী উনকম, লাইরীক থমকম, ফি হোডদোককম অতুগা চাক থোঙকম মফম পুন্নমক, য়াম্লবা কা-কাহুদা চংহুনা তাকপীবম্মী। ঐহাক হুজীক্তী ঈমু'গী চাও-রাকপা মওং অমা থংলে। যাম্ন ঙকপ অম লৈরে, মহাকসি ড।ক্তর বাবুনদি য়ুম পাম্লে হায়খি অতুবু হুজীক ফাওবসিদা ঐনা অশুক চাওরবা ঈমুংসিদা মুপী অমত্ত উবা ফংদে! উবা ফংদে। অসুক পাক চাওবা কথামসিবু ঐন করম খংগদগে। মথক্তস্ত অসিমুক চাওবা যুম অমা লৈরিবনি। মতুদা কা ময়াম'মা। কনানা খংবা কা মযামতুগী মম্ভ'দ— অমদা লৈরম্বা। অতুবু ঐহাক হুজিক হংবা তৌদে।

ঙসাইমখৈ, উবদি লাইরহুনা মুপী অমা লৈবগী খোঙ্গেল অমফাওবা তারমদবতু মুমীৎ যুংলক্লবা মতুংসিদ'দি কৈদগী'না চেক্কৌ খুমতু মুপী শঙগু শঙগুগী খোঙ্গেলতনা পুম্নাং লাংলক্লে পুমনিঙ্গ নিল্লক্লে। ঐহাক্কা খরতং চৎথোক্তনা মরুম ওইবা মফম অমদগী পোৎথাফম বাদ' নোক থেরিবী মুপীগী শঙগুতু য়েংহুনা লৈখি। য়ামথরে। ববগা মরাম্লবক ফবী মুপী অতু মুমসিগী মবেম্মনো হায়বা ঐহাক খংবা ঙমখিদে। খংনীংবা অমদি পোকই। পুন্নমকসিদগী নাম্ভহৌহুনা তুং কোইনা যুমসিদা লৈহৌবী মুপী অহুনা য়ুমসিগী মবেম্মতু শোয়দনা ওইবা তাবনি খন্দুনা ঐহাক মখোম্লবু য়েংলহুদগী মনীং খঙবা কাদ অতুম্মক চংলে।

হুজীক্তী মুমীদাংম্লাইরম ওইরক্লে। ঙসাই লাংলম্বা মুপী শঙগু লক্ত্রদগী মুপী অমদি য়ুমসিদা লৈহৌরে কম্রিগুম্বা মতমদা মখোঙ্গেলতু

তাখ্রে ঐ। তাখ্রে না হাংখিবগী অতুগা ঈশৈ ওওখিবগী শেংলবী মখোঙ্গেনথু অদুবু মশক্তী উবা লৈরমদে। পুংশিং ময়ামথু হৌদুনা মুমীৎনা লৈথরক্লবা; মুমীদাং মাইরমসিদদি মযাম মরক্তুগী লৈহৌম্লিবী যুমসিগী মবেম্ম ওইরিবী মুপীসি ঈমীৎনা তশেং তশেং উবা ফংলে। মহাক্ত অরংব অনানবা মক্কি কনেক্তুনা কময়া নপ্প ফিবৈ ফিশেৎনরদুনা অদুগা চেওলবী থোংচ নৌজবী মতৌ মাল্লবী চেওলনী মখাংতুগী তাবৈবা পুন্নমক লাকশল্লদুনা, থাথুমফিবু উহন্‌ভম্ন পারবী অপাবা ফুবীৎ অম্না খুমদ-কদে মতৌ মথোৎনবী নহকচাংবু খুমন্দুনা লৈকোন্দ হনগৎ হন্দা চত্তনা লৈনা থদৎতুনা— করিগুম্বদনা অশাৎপী লৈ অমতং থৎলদুনা শমুবম্বা, অহু।। হকচাক লাওলাদগী নখণ তৌনা তৌনা, য়াম্ন তপ্প তপ্প চ-শল্লক্তুনা, মাওগোন্দা কমজদুনা শুপ্পগী ওহাক্তং ওইনা মাবু য়েংজদুনা কমলিয়া ঐঙোন্দা থোদারবই—

"নংগী নবুংঙো লৈফম থব্র নং? কৌকচো-ও।"

"ঐ থই।" ঐনা শুজল্লবা- ঈংক নোমই। থংই হায়বা উংলি।

"অদুদি— চংলু কৌথোকলু।"

ঐহাক তুমীন মায় ওন্তোক্তুনা ঐগী মওং থীরবা শাক্তং অদুদা ইবুঙো মোতি কৌথোক্লবা ঈমু চংলকলম্মী। ঐন থনখি— "মহাক্কী চেওলবা, অদুগা তোওগানবী মশা-শাবান অদুগা চুং ফিরাম্নরবী মীত্তা-লাতা, নীংথিরবী হবচং কয়াৎ, অদুগা মায়থোং— পুন্নমকসিনা ওইবা তাই থাওাং শডাংদা মহাক্ত অশুক থে ইচংনরিবসি।"

নীমু মডানিশুবা মুমীৎ— ইডা থা।

থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অশুক য়াম্নবা মুমীৎশিংসিদা থৌদোক কয়া থোকখ্রে— অদুবু চেমায়শিংসিদা করিশু ইশনখিদে। ওসি অসিন্তু ঐগী অহানবা মুমীৎ মথল অমনি। ঈবুংঙো মোতিগী মুপীগা ঐগা লৈতানা থাবী থাতাই শনমিম্নবা মুমিৎনি। অশুক শাংলবা মুমীৎ নীফু মডানিরোমসি মা-ঐ শুপ্পগী থাবী অমত্ত শামিম্নদনা হন্ন ফাওবা য়েংনদনা

লৈরকলম্মী। অদুবু ঙসি য়াম্না লৈতানা ৱারী শাখরে। মহাক্না ঐবু কৌশনবীখি—। মনাক্ত ফগ্নোরাও হায়ন— ঈমীং পন্দুনা। ঐহাক চংশল্লী— কবি তৌগনী? মনাক্ত চংশল্লগা ইঙক অসি লুকথরম্মী।

"নং নবুঙোগু চ ক চাবা ইয়া যাদে শে'ল্লম্মী ঙসিদি ঙা চাসি। কজনা—" হ্ঙলকই "কজবা থোঙগদ্রা?"

ঐনা নোল্লদুনা ঈংক নোমই, থোঙগে হায়বা উৎলি।

"নঙক নোমগনু নং" মানা যে'লদুনা খাংঙমদবগুম হায়রকই "ৱা ঙাংবা খবা খবা তম্মু। নং, শুকাথাক থোক্তবনু নত্তে নংবু।"

মর হৈ পাস ওন্থোক্না মুঙশিবীবা মতৌ মানখি। তাক্লবগা থম্মোঈনা "ও!" হায়না খল্লকখিদুন, খবদং নোকমিজগে তেমশিংনুবদু কাবখিবম্মী— অদুগা খ হৌদনা থম্মোঈনা নৌথবক্তনা লৈমায় তন্না লুকথরবা ঈমায় মায়থাং— মাংলু প পিনা চোৎ'থ। মহাক্তি উহন-খিবা নত্তে। তাইবংসিদা— অ ক পাক্লবা মালেমথকসিদা বা ঙা'নীংদবা লোন থো'নী দব। মীওই। অদু কনা'নে — ৱরম্বা চহিদা পোকখিবনে' অদুগা মালেমগা করবা মফমদা লৈবনো? চান-লৈবু ফাজন্দুনা থম-নীংবা কনানো? কনানো অদুগা কৈদনো? মদু ওইথোকপা য়ারোই, লোম্থোক্তবশিংনা লে স্থোক্লীংই অদুগা নীংথীববী তাইবংপানবগী চেংলৌবু উকংদ্রবা মীৎতাংবশিংনা মীৎ শিংনীংই— মথোযদুনবু খবা হেন্ন শাফরান্ন ঐগুম্না অদুক তোম্ন হিংদা শরুক। ঐনা ৱাঙাংবা তাবগা অতাবশিংনা মুঙাইবমগনী অদুগা মথোয়গী মফমদা অকায়বা পীবা শক্তম অমা ওইবোই হায়না ঐহাক থক থা'জবা ঙমদে। মাগী মর হৈসি— ঐবু মুঙশিবিদুনা হায়বীরকপা ওহরবনু— মহৌশানা নিংঙমজদ্রবা ঐঙোন্দা দ অচাকপা ৱাখল পুন্নমবপু পোকহল্লবা ওইনা থোক্লরে, ঐগী থম্মোঈদু ও হল্লবে—। ঐনা মীওইবশিংগী যংকম চেবপা ঈরল-ইথুন খুদিংমক ৱা'ক্তনবা কংজনীংখি— যংজনী দুনু ফঙলবে'ইবো থন্দুনা ইথৌ-দ তলবা ঈৱাখলদু নমথদুনা থনখি। অদুগো। নমথ ঈৱাখলদু মৱাহৈসি

তারকগা মশোং কাংখৎহল্লরে। মীৎকী পি—পিবু শিন্থহল্লরে—। ঐহাক্ন ঈমীৎ মীৎলুগী পি তানা তানা তুমীন অত্থক মরৈ।

ঐনা তুমীন্নতা লৈবসি উরগা মহাক থওই উশিত্তবা মাল্লুরমাল্লে খোন খরা কল্লপ হায়রকই—।

"খুমউ— নংবু— খোঙগেরা ? হাওনবা খোঙগেরা ?"

ঐনা ঙক নোমজে।

"মহু নত্তে—" মানা হায— "মহু নত্তে— 'খোঙগে' হায়ৱু ···· হায়ৱু 'খো—ঙ—গে' মহু তাগে। ঐবু ঈকায়রিব্রা ··· হায়ৱু 'খো—ঙ—গে' চাওবা— নং।"

যাররোই—। ঐন খংই। মবমসিনা ঈকায় হুঙগোইবা পুন্নমকপু ফাজন্দুনা, মওম চংনা কুহনা শেম শারুরবা মতুংদা ঐনা ঐগী ঈরোল-'হুদা— "খোঙগে" হায়না ওস্থোক্ন থুনা তেনগ্রবা মীকুপ অমদা হায়দোকখী। ঐনদি "খোঙগে" হায়বা ৱাহৈ'সিমক হায়খিবনী অহুবু মাগী নাকোং অনিহুদা করম্বা মরোল থোক্তবা ৱাহৈ ওইনা থুঙলম-গদবা ? ঐহাক খংদ্রে— অহুগা থাজবহু ওমজদে। করে খুমদি খুমখ্রেদনা। মহাক অমুক তক্লরোই—। ঐনা তুমীন লৈম্নিঙ্গো খরঙং নোকমিবহুন — ঐবু নুংশিনা য়েঙবীরহুনা হায়রকই—

"অহুক শেঙলিবহু কৈদৌরে— অহুম ফাজন্দুনা— তশেংনা লৈখৎ-ওমদনবা শিঞ্জরিব্রা নং। হায়েংনখৈদি খংলব্রা অহুম ৱা য়াম্নিবমখৈ ঙাংগদৌনি।"

ঐহাক কাওররোই। খল্লী "ও! ওস্থোক্না খোঈথুম্নখ্রেদা—ঈমাগুম খোৎ-মেঙলবী নৱাহৈসে ওস্থেক্না পামজখ্রে অহুগা—কনানহু উররোঈ খম্মোঈসিদি লৌখৎপা য়াদনা— য়াম্ন কুপ্ন— কুপ্ন-কুপ্ন কায়রক্লে।"

খোঙনাওদগী ঐন উরে— অতিয়াগী লৈচীল, লৈচীলগী মপৈ। লৈচীলশিংসিবুহু ঐহাক্ন চেমায়সিদা ঈশনগনী—।

ইঙেন থা— থয়াম্ন—।

ওসি অসি নোংমায়জীং মুমীৎনী। মুমীৎ মতম কুইনা পান্নুনা লৈরক্লে মরম'দ ওসি অসি ঈবুংঙো মোতি অমগুং ঈবেম্ম কারদা লময়েং লমকোয়বা চৎকদবা অকক্লবা মুমীৎনী। ঐবুস্থ পুবীগনী হায়না হায়রি। ঐহাক্তী চত্রবস্থ কায়দে।

মুমীদাও—।

হুজী ক্তী হল্লক্লে। কুইরে, অদুগা ঐগী কানুংদা ঈনা চেমাযশি-সিদা ইন্নিবসিনি—। লময়েং লমকোযবা অদু চৎলুবে— ঈবুংঙো মোতি— ইবেম্ম— অদুগা— ঐ। ঐগু চৎপা যাওরম্মী। চাক থকপ্লনবা পোৎ-চৈ পুম্বা, ক্ষিদা অদুগা কোল-লীক পুম্বা কাবগী মনিং থংবো ক্ষমক্ষমগী কাদুদা পৈরম্মী অদুগা পোৎলকশিংদুদা— ঐনাকপু— মখোযনা চিংথৎপীদুনা ক্ষমহল্লম্মী। ঈবুংঙো মোতি মুমীৎসি অঙৌবা ফি ওাক্লমক শেৎলম্মী— শাওলবা শউন মচেৎনা মরী ওইবা কেমেরা অদু— ওই থওবা লেওবান্দা য়াম্নবদুনা য়েং থওবা পাম্মোম্ন ঈবেম্মবু চপশ্রম্ন চেৎন কোনশল্লদুনা ওাথ-ওাথনরম্লনা ঈমুংদগী মপান থোরকই। মমাংগী ক্ষমক্ষমদা মখোয়নী ক্ষমথরে। ঈবুংঙোনা কার থোই অদুগা অরেম্বা ওই থওবদা হাংলিবা— ক্ষমক্ষমদুদা— ঈবেম্মনা মপুরোইবদা ও'থু'থেওথুবদুনা ক্ষমই। মখোয অনী ঋারী শাম্নিম্নরকই—

"পুং কয়া ভারে হুজীকপু?"

"নীপান— নীপান" ঈবুংঙোনা কার মমায় চুমলিবা মথুক্লদা য়েঙথক্লরগা ঈবেম্মদা হায়— "নিপানগা মীনীৎ মঙা ভারে—। ঙল্লী কদোমদা হান্না চৎনীংই নংবো—?"

"সেকমাই—" সেকমাইদগী খরা চৎলগা—ঈবেম্মনা মশম খোমজন খোমজন্ন হায়— "খর চৎলগা চীং অতুম লৈরদাই ?"

"চীংগী চীংমক্তনী,— চীংমৈয়োম্বাংদগী হৌরে—" ঈবুংঙোহ্ নেংকুম তৌই—।

"চীংদো—"

"হোইনে চীংদো—"

ম'খায়নীমক নোকমিয়ম্খি। মতমতুদা ঐগী থম্মোইদা ফাওখিদহ্ কবিদো— ? ঐহাক থংদ্রে—। নীংশংবসু থোক্লবে—। ঐহাক মাখায়গী ম্লংঙাইরবা পুন্সিহ্ অতুগা রাতৈশিংহ্ ত রু উরূরগা ঙাওরা ব ফৈনখি—। ঐনা তাবকই (মতমতুদা মখোয নোকপদগী হন্থরকপদা ভাইনরম্মী)—

"যাম্না ৱাংশ্রবা চীংশিং নৈ ঐ থংই—" ঈবেম্মনা হায়— "চৎলুরে— কুইরে—।"

"য়াম্না ফজবা চীংগে সশিংহ্ নৈ—।"

"অতুদা হান্ন চৎলুসি।"

সিনা যুমদগী খ্বাইরমন কৈথেল যোৎপাওবদগী বারীনি।

কৈথেল যোৎক্রবদা কোটেলদগী অচা-অথক খবতংগা লৈশল্লগা সেকমাই তম্না কারহ্ অখাম্বা লৈতনা থোৱম্মী।

"সেকমাই য়োবে" ঈবুংঙোনা হায়।

খবা অমুক থোই খব কেংদাবকপদগীদি— মী তাবা খুন হায়বহ্ ইউ উবা ফংখিদ্রে। অঙাওবা— লমপাক-লমহাং— উমং অতুগা নাকল অমদনা ওম্মোক শন্থন চাওরবা তুরেল ঈচেলগী ঈহুম—। তুরেলহ্ য়ু মু পাকই—। ঈশীংদি উদে—। করিগুম্বা উবা য়াওই— থেন্ন চেনবা তুরেল ওইরমগনী—। খব থোই। পুম্নমক তোকখ্রে, উখিদ্রে। চীংগী চীংমক্তা—। ৱাঙলবা চীং অতুগা চীংমায়-চীংচেপ্তু— কারহ্ নপতুনা লৈবগুমই। সবেল-হুদি নাকল অমদা অতুম্মক চেল্লম্মী। ওম্মোক্ত পাক্লবা চীংথেক অমা যোৎ-ৱক্লম্মী ঈবেম্মনা কার খাম্নো হায়বগুম কার থৌরিবা মপুরোইবগী লেঙবাম্মা

মপাম্বোম্ ছীক্লোকলবী মতৌ নাম্বুরহুনা, চংশন্দুনা ৱাহৈ খর হায়-খিগুম তৌই। ঐ খংহৌদে— খামগনী হায়নস্থ নীংলুদে—। ঈবুংঙো মোক্তিনা চীংথেক অত্থমক্তদা চীংয়া নপ্পা কারত্থ খংখাম খামলম্মী। মফমত্থদা কার খায়ে অত্থগা থোংত্থ হাঙদোক্তুনা মখোয়নীমক কার মন্নুংদগী শিং নাম্নবা পাক্লবা চীংথেক ওইবা লম্বী লমজাউত্থদা কন-কন চোংথনখি-রম্মী—। ময়ায়'ত্থদা পুন্ন লেপমিন্নরম্মী—। লমদমত্থগী— ফজবা শক্তমশিংত্থ থরায় তাবা মতৌদা য়েঙনরম্মী। অঙম্বা চী ত্থগী— লম্বীগা তাইনবা চীং-খোং পরেঙ'ত্থ মুংনা লৈপল্ল খাবগুম নীংখীনা চনখংলত্থনা থমম্ব। ঐ অমা য়াওরকই হায়বসি মুপী,মুপা ওইবগী নক্ল লিচীংনা কাওথোক্লখ্রৱা— নত্থরগা অয়োক হুইগুম কখিগু ওইদন খন্দোক্লখ্রৱা— ঐহাক্কী মীৎয়েং-মাংদা— মখোয়নীগী নীংখিবা মওং-মতৌশিংত্থ পুথোক্লরম্মী। মখোয় অনীমক থোইনা ৱাঙদনা খাগংলীবা (খুত্থপ অনী-অত্থমমুক ৱাংগনী) মুংগী চেকপল মথক্তুদা খোং য়াম্পনবত্থনা লেঙতক্লনা ফম্নরম্মী। ফম্ফদগী ঈবুংঙো মোক্তিনা হৌগংলক্তুনা ঐগী ঈনাক্ত পৈত্থনা থমলিবা— চেনা য়োম্বা অচা অথকাশিংত্থ পুবা যাবা মখৈ পাযশল্লত্থনা— ঐগী ঈশরুক থরত্তং থুংলমলগা— কোল্লত্থনা ঈ'বেম্মগী মনাক্ত পুখ্রে। মখোয় অনী হকথেংননা ফমলত্থনা অচাপোৎশিংত্থ চানরম্মী—। মকে য়াম্না পুনবম্মী— অত্থগা অমনা অমদা থোংন মেংনা অচাপোৎশিংত্থ অমমমতা ওইনা ইম্নরম্মী। ঐহাক য়েঙমলক্লে। নোম্বরে। য়েঙনীংবাদ অগুম অগুম হেনগংলকখি। য়েঙনীংবগী চাং— য়াম্না হেনগংলকখি অত্থগা শক্তমশিংত্থ য়েঙলগা কাম্নরিবনা করি ? য়েঙদবনা কাম্নরিবনা অমুক করি ? ঐহাক অমত্ত্ব খংলমদে। করি অমা খংগিবা নত্তে গুপ্পনী য়েঙনীংলু-বদনী— অত্থগা যেংঙমলুদবতনী— য়েংনী' চৈন'ত্থ অন্নুম অন্নুম কনখং-লক্লবদা— ঐহাক নোম্বত্থনা খাংলুবদগী ঙক অসি থরতং হাইগংত্থনা কার মমুঙদগী শক্তমশিংত্থবু হুনা, মীৎযেঙনা হুনা-হুনা য়েঙবা হৌক্লই। চানবা পোৎশকশিংত্থ মনাকশিংদগী য়াম্না থাপ্প লৈরম্বে। অত্থগা হকচাং অনীত্থ মুংগী লৈপল মথক্তুদা কম্ন কম্ন য়াম্ন চেংনা কোম্নত্থনা লৈরম্বা ঐহাক্ল

থেংনৈ। ঐহাক মীং কুপকে হায়রবা ঙমখিদে—। ঙমখিদে— অদুগা য়েংঙমলরোই হায়নসু খনখি। চীংয়াদনী— কনা অমা লৈব নত্তে—হৌরিবা উ-রা, উচেক খরতং খোংলিবা (মখোয়সু মশক উবা ংখিবা নত্তে), কম হুম্বা হুংশীং অদুগা ঐ— খরসি নত্তনা— চীক্লবা চীংয়াদুদা— কনা অমা লৈবা নত্তে। মরমশিংসিনবু— মখোয় অনীনা— অসুক থৌনা লৈন কোনশরব ঙমলিবনি। মখোয় অনী করি করি হায়না-শক্লরিবা ? মতুংদি ঐহাক তাখিদে শুপ্পগী শক্তমশিংদু উরুবতনী। লেকথক্লরবা ঙকশিংদু খর খরতং খুংহাই তপ্প তপ্প নোঙখং হাইগংনরকলম্মী—। নোকমিন্নরম্মী—। মীংশিংদু পাংগন থৌনা লোইখিবগুম উমথনরক্লম্মী—। মপুরোইবনা— খুদাং ঘরিনা লৈতেঙলবা— খুংকী খুংশাশিংনা ঈবেম্মগী মীংলৈ পেল্লবা অতিয়া তম্ন পুনখংলবা নোঈ পেল্লবী থাওরেক কারবী শমবুল চেংনা পায়শনলম্মী। ঈবেম্মগী মায়থোং মায়রোংনহল্লম্মী। মচু শংবনা— অঙাংবী কুচুনা তঙাংলবী চীনবান অদুগা উমথরক্লবী মীং তিয়া তম্নরম্মী—। পুম্নমক তিয়া তম্নরম্মী, য়েংঙমলক্তরে থৌনা পুম্বা মাংখিবগুম্নে। ঐহাক শাঙলবা অদুগা ফুঈরবা নিংশা হোন্দোকলম্মী— "ঐহাক মীওইবনিকে ?" ঐহাক থাজবা ঙমলক্তে—। ঐনতা মীওইবনী হায়না নাপল তৌজবা তারম্মী। ঐহাক অশাংবা কমকমতুদা চেপ্প হীপথরে।

ফনা কুইনা চেপ্প চেপ্প হীপপুরবদা ঐহাক অমুক কমলম্মী। কয়াদা কনগ্রবা ঈগৌনো—মতমতুংকাওবদা—মখোয় অনী মখোয়গী হরাও তয়াম্নবা পুংফমতু লোইশনবা লৈরমদে। ঈবেম্মগী— ফিধুম্নতুনসু মকা লাম্নবী থাবুম পুংবাথক ঈগুংঙো মোতিনা লেকথরবা কোক্ল ঙাথরতুনা অদুগা ঈবেম্মনা চৈনা ফঙলবী কনাগুম নোম্বরতুনা কুচু পাল্লবা মপু রাইগী মায়থোং'তুদা, শংত্রিক মুম্না য়েংজরতুনা তনৌজরবী মখুং খুংশাশিংতুনা ঈহৌনবা শাফুদা ঈচায় চায়রবা অচোইবা মশম শমলাংশিংদু তপ্প তপ্প খোমগং-খোমদা শানরম্বা থেংনৈ।

থাজকম অমা ইরৈ লৈত্রবা নোঙহৌ ওইরম্মী। য়াম্না তমঙমদবা নোঙহৌনি— অদুগা— চীংয়ানি—। নোঙনা তুশোম্নুনা অমুক্তং ঙঙখিবদা

মশীং লাকখমগ্রবা অঙঙবা খোঞ্জেল লিশীং লিশীং থোকহনবা ঙমলম্মী। কুইরমদে— খোঙখীবগা কুপ্পবা, পীক্লবা নোঙলীকশিংদু তানরকই ক্বারগী মমায়গী অপাকপা মিংশেলথক্তা মরীক মরীক পরুরম্মী। নোংছৌ অদু কনখৎলকলম্মী, ওস্থোরু থুগ্রবা খোংলৈদা থংহৌদনা অতিয়াদু অমঙবা নোংছৌনা কুপখিরমই। নোঙগী মপৈনা সুমীৎ মশক উংন্দনা শন্দোকলকই। অদুগা নোঙলীক্কী শাফু কনখৎলমই। ঐনা য়েঙলিবদু— ওস্থোক্তা হুরান হৈগ্রবা মীৎয়েঙ অমদা লুনা হুনা য়েঙলিবনি। নোংলক্তা লৈবা য়াত্রহুনা মখোয়’নীমক কার তম্ন চেনশল্লক্লবা চেক শেম শানরক-পদা ঐহাক্ত হুং হন্সহুনা য়েঙলু-উরুদবা শারমই অদুগা ইনাক্কী তচাপোৎ-শিংদু থরায় য়াওন চাশন্নহুনা লৈ। নোঙনা কনখৎলক্লবদা মখোয়-নীমক ফিজেৎ ফিইন কোমতক কোমতক্করহুনা— খুৎশন্নরহুনা— বার মচুংদা চেনশনবক্তনা কন্নবরে। পন্থরমদে— কারদু মায় ওস্থোক্লগা অকনবা খুৎথৌ অমদা ইম্ফাল তম্ন কন্ন থোরকলম্মী। কারনা কন্ন থোরবদা ইবেম্মদু অশুম অশুন ভাথখিহুনা কার থোরীবা মপুরোইবগী লেঙদা ঙক্ত মোনথাংননা তুমথখিগুমলে। তর’ওনববী ঙকলম পানবা ফুরীৎতু— ইবেম্মগী নমগী অয়াম্বা শরুকমথৈ খুমঙমখিদ্রে। নমওইনরবা অদুগা ফিবক্ত ফিখুম্নগ্রবী তঙৌরবী ঈবেম্মগী নমগী উনশাদু তুঙদা ফম-লিবা ঐনা তশেং তশেং উরম্মী। মীওইবা অমগী ওইবা চুম্নগী উনশানী অদুবু ঐগী মীৎয়েংদদি— সুমীৎকী মশেক মঙালনা য়ৈররবা শকয়েং মিঙ-শেলগী মতৌগুমলম্মী। ঈথক থকলম্মী। য়েংঙমজখিদ্রে। অসিত্তনী— ঐগী থম্মোয়দা কহিবু থুপখিবগে কবিস্থু কুমহুনা থমখিদে— ঈম্ফাল য়ৌরক্লম্মী। করম্বা মতমনো ছায়বহুদি খংদে। ইম্ফালগী অবাংবা মীনিল তারক্লগা লম শাঙনা তুমলুবগুম লাকলবী ঈবেম্মনা মপুরোইবগী লেংবান্দগী ঙক্ত থরতং ছাইগংলহুনা হঙলকই—

“পুং কয়া তাগ্রবগে?”

“ঙন্নি” মপুরোইরনা খুমলকই “সুমীৎ যুংগদৌরে।”

“য়াম্না ওল্লী”

"ঙল্লী কদৌগনী— নোঙ হাঙগনী নীংদরে। শেন্দ্রাগু অতুগা য়েল-হাওগু হয়েঙ কোম্না চৎপা তারে।"

"হয়েঙমুক চৎকনী" ঈবেম্মনা নোঙবু শাওবগুম পোমশাওননা হায়রকই "হয়েঙমুক চৎকনী—।"

ঙমীৎ অসিমদি অসুম্ন লোইশল্লম্মী। হল্লকপা কুইরে। নোঙসি ঙমীদাং তশেংলবা অসি ফাওবা হাঙবা লৈত্রে।

পোইন্দ্র—।

ঙসি নোঙমাইজাং ঙমীৎনী—। অতুগা কষানি পানবমো হায়বতু খঙ-ন্দ্রবসু, অসুক তমথিব।— অসিমক হত্তাগাইনীডাই ওইবা ঙমীৎ— ঐহাক্কী পুন্সিদা অমুক্তংসু থেংনবক্তি। ঙমী মমনা ঙপা অমগী মফমদা অশুক লমচৎ নাইদবা অসুক য়াথংদবা অসি ঙসিতং মডায়রি ঐহাক থেঙনবা। চুম্মী ঐহাক অযোকপা চাকলেম চাবা মনাই অমা ওইনা মখোযনা হায়বা হাযবা পুন্না— তৌবা তাই যাথঙ পুন্না ইনবা তাই— ঐহাক পুম্নমক কুপ্ন থংবা মীশক্কী ঈমুংসিগী— য়ামলবা মীমাং থোক্কপা য়াদবা ফিরোল ঐতনা শুবা ভাক্তনী ইমুং অসিগী লুখাক ঐতনা শেঙবনী— পুম্নমক ঐহাক্না তৌবা ভাক্তনী অতুবু ফনমক তোম্বা মীনাই ওইত্তুনসু, ঙপা অমনবু থত্তপ মরীতং মশেংপী লেঙমান্নবী অতুগা মপোক ঈথা'নবী ঙপী অমগী মফি ফানেকপু— খুংমক্না শু-চান্বদি হৌনব্রা—? ঐগী মীনি হায়না পাক-লবা তাইবংসিদা ঈমা ঈপা নত্তরগা ঈচিন ঈনাও, কনাগুম্বা ঈতিন ঈয়েমমিম্নবা অমতং লৈজ্ববমলবদি— ঙসি, ঐহাক্না অসুম্ন হৎগোইরবা অতুগা ইরালগী মশক ওইরবা খোদাংশিংসি পুত্তনা পুন্সিনা চাক্ন হিং-লমখিগদ্রা— ? হিংলয়োই, কদৌহুং ঐহাক অসুম পুন্সিনবায়োই। পাক চাওরবা অতুগা থারবা তাইবং খোংচৎকী ওইবা বারীগী লাইয়াকী

চেমায়দা, ঐহাক অসিমা পোকহনলম্বনা মুপা ওইবগী মতিক ময়াই থরক্তং হন্দনা য়েঙনহৌরগনী—। মশিং লাকওমদনা পোক্লিবা তাইবং পানবগী মুপা ওইবশিংসিগী মঙ্গুংদা অশুম মীংচৎ থীহনগদবা লৈরমলবদি ঐহাক হৌখিঙৈনা শিখিবনা কন্নঙ্গনি—। ঐহাক অমা শিখিবদা মশীং থীওমল্লবা তেংবানবগী মুপা ওইবশিংগী মশীং, মথৌনা থক হঙ্গয়োই— ঐ থংই— পোকলমদবনা হেন্ন কৈ, শিখিবনা হেন্ন শাকৈ। অহুবু ঐহাক করম্বা থৌনা লৈত্রবা মপোক্তা পোকলকপনো থংদে, পুম্নমক ঈশানা থংন থংন ওসি কাওবদা ঈশান-ঈশাবু হাৎ চবা ওমদনা লৈরি। ঈশাবু ঈরাল লৈরে থংন থংন হাৎচ ওমদনা হিংহুনা লৈরিবা—। মসিমক ঈব'লগী মথক্কা ঈরাল ওইহুনা লৈরে। ঈরাল্লি থংই— অহুবু কদৌবগে হায়না থন্দোক্লুন', থম্মোঈনা য়ানীংদ য়ানীংদনা য়ানীংবা শাহুনা খোই-শাওননা —তমথীব। ঈথৌশিংসি তৌন, অহুগা থাংওমদনা লৈরিউ ওসিনা অমুক হেনগংনহল্লমী খোঈশাওনহনবা। ওসি অসি ঐন' যুমসিদা লৈরকপা থা নীপান কাল্লে—, থ'ই— থা নীপান, ওসিগী মুমীৎসিগী মুংথীলদা চীক্লবা কাহুদা ঐবু কৌশল্লুনা মহাক্না মকোক্কী হীকশিংহু ঐবু কাইহন শংহল্লম্মী। মহ'ক্ক ঐগী ইমাংদা মনম ওম্বোক্লহুনা কমই। মশমশিং-হুনা কানা শন্দোক্ল'নে মনমদা অহুগা নাক্লমদা ত'রমই। মশা'হু মশাগী কয়াৎপু মতিক চানা খুমঙম্বা ফি অমত্ত পকলমদে। পকলমদে, শুপ্পগী মরেং অনীদা ফাংৎলক্লীবা পীক্লবা থাথুমফিগী অফাবা মরী অ-ীহুতনী—অহুগা ফিথক চিঙথংহুনা শেংলিবা ফনেক অহুতনী। অমুক কা—হেনবা অহুগা থৌওই নাওইদবা মতৌাস উরক্লগা ঐহাক ঈশাসি অশাও মৈশা কন্ন চাকলম্মী। মীং অনীমক শঙদোক্ল'না হীক কায়না কাযনা য়াম্ন থানা মতুংহুদা ঐনা মাবু অশাওবা মীংয়েংনা য়েংলমই। ঈনা খানা শাওনা মহাকপু য়েংলীবহু মহাক উবা লৈতে। কন্নিগুম্বা ইতৌ অহুবু মহাক্না উরম্নবদি ঐহাক থংই মহাক অঙকপা ৱাখল অমা পোকনী— ঐগুম্বা অমনা অশাও শাওদ থায়রম্মী। হায়না অহুবু উদবনা মহাক অঙকপা পোকখিবগী মহুত্তা ঐগী থংইন থংইন্নবা শমখোং

খেঙলবা অহুগা খোইদোক্লা নাত্রবা হীকশংকি চৈনাহুদা মহাক্ল হুংঙাইব পোক্লহুনা ব্বা লাল অমত্ত ঙাংদনা য়াম্না তুমীন লৈরম্মী। তুমীন লৈরম্বদগী 'লেফ,ত্রুদা লুত্তোন্দুদা অমুক্তা মুম্ন য়েংঙ্উ' হায়না হায়না কোমথরক্লবা ফিথক চিংখৎনরম্মী মফি কনেক্তু,না নীং তম্ন থাদরকলম্মী অহুগ খোয়-গাননা, য়াম্না নাচু ঙদনা হকোম্নবা শুপ্পগী থরতং য়েপশনবগুম তৌরম্মী। য়েংঙলু য়েঙলুরগা অশাওবতনা ঐহাক লৈত্তা ঙমহনখিদে হকচাংবু নীকহনখি। য়ুম অসিদা, অসিগুম্বা মীওইবা অমবু খরদং ঈকায় খুম্নবীব। লৈত্রবা য়ুমসিদা লৈগ্নরোই খল্লকলম্মী। অশাওরাখম্ন—কোক অসিগী অহাঙবা অরৈবা লমপুম্বা কনশনখিহুনা ঙম্নমক নীংশংবা থোকখিত্রে। ঈথো কাও শরে অহুগা হীক কায়বহু ঙমলকখিদে। রাখম্ন ননখিবনা ঐহাক ঙহাক ঈকায়'হু লেপলম্মী। ঙহাক নৎলমলরোই ফনা কুইনা লেপলমলগনি। ঈবেম্মনা ফিবক্লত্রবী, থাখুমফিতনা নওকোম্নবী অহুগা মৌওইনরবী থাবুম শচেক্তনা ঐঙোন্দা লৈশল্লক্ত,না হংলকখি— "কৈদোরে রাম্নব্রা ?" ঐহাক ঙহাক চংক্লরম্মী। পাথৎখিরম্মী। শেম শারহুনা খুমখি— "হকচাং অসি ঙমদরে।"

"করি ওইনা—?"

"কোকসি চীকপনা লোইরে।"

"কযাম থীনা চাক্লে?"

"মীৎসি মমে—। হকচাংসি নীক্লে—।"

মহাক রাহং হংবা লেপখরে। ঐস্ন খংহৌদে—ঐগী ঙক্তী অমম্লং নাখোংদা মহাক্তী মখুক্ত,না কম্ন কম্ন নম্বীরকই। মহাক্তী মখুৎনা ঐগী হকচাংদা নমলক শোক্লক্লে খংলকপদা করিগীনো ঐগী তুউ পুম্বা কৈনা শোকপগুম অহুক শাখিনা চুঙখ্রিবহু। তুউ অসি চুঙখি— অশ্নাওবা পুম্বা মনিল ওল্লহুনা মাংহম'গুমখি। থংনবা মীকুপ্তা ঙহাক মাংলুবগুম তৌক্লরবা অশাও রাখলশিংহু তেক্ত-কায়দ অমুক হপ্পম্নরক্ত,না হকচাংবু থক-থক নীকহনখি। অসিগুম্নবী উবতদসু পুন্সি মাংন মশক ওইরবী, লম্হচৎ নাইত্রবী মুপীসিগা লোয়ননা লৈমিম্নবসি পামলক্তে। থাম্ন য়াম্না থাম্ন চৎথ্রগে খল্লকই, চংখ্রগে হায়নদ্রি থম্মে ঈনা চপ্ য়ুংনা থক্লে

অত্থবু ঐগুম্বা অমনা পনথুং নাইত্রবা পাল্লবা তাইবংসিদ হিংজনা লৈরমগদবসি কদায়দনো? কদায়দনো খংদবতনা মীকুপশিংত্থু ঐহাক জুংনাংনরম্মী। জুংনাংজনা লৈরি। চানীং থকনীংবা হীগ্নীং তুম্নীংবা, ওয়মক হকচাংদা পকখিত্রে। খীংলকলিব পুংশিংসি তারগা ঐহাক খংই হজিক অথেংবা অহিং ওইরে মীপুম্ব তুম্ন হীপ্নখরে। চাক চাত্রে। চাগু চানীংদে। চম্নম কংশল্লকপতনী— মত্থুগী দমক্তদি ঈনাক্ত ঈশিং, নীং তম্ন খিন্দুনা লৈরে।

পোইন্থ—। ঈরাই—।

ওসি অবুক ঐহাক্ল ঈমুংদা লৈরিডৈদা ঈবেম্মনা কনাগুম্বা মীশক অমা অনীগা ৱা ওাংনত্থনা লৈবা তারম্মী। খোঞ্জেলত্থু হেক তাবকপদা ঈমুংদা লৈন লৈন ঐহাক খম্মোঈসি থুক লাওখি। খোঞ্জেলজনা ঐগী চানগীহৈরবা ডাক্তরবাবুবু নীংশিংহনখি। খোওজীন ফাওবা প্রপ প্রপ খোকচৈ। মপানগী খোওজীন হেক য়োরকপদা ঐগী খম্মোঈগী চৈনাত্থু ওম্মোক্ল চুম্ন খেওনরম্মী নীংজক্ক চপ মান্ননা ডাক্তরবাবু লাকলম্নে। ঐনা হয়াওজনা তুমিন য়েংলিডৈ ঈবেম্মনা ৱারী শারম্বদগী ঐডোন্দা খংওন ওনশিল্লক্তনা য়াম্ন জুংশিবীবা মতৌত্থু উৎলত্থনা "চাওবা" কৌরমই। অত্তদগী ডাক্তর বাবুনা ঐবু কৌবীরকই—

"চাওবো—।"

ঐহাক লুকথজে।

ঐবু চাওবা হায়না কৌবসি পুন্সিগী ওইনা ঈহান হাম্ন তাখিব নৱা কল্লিনো ডাক্তর বাবুনা কৌবীবনা ঈপক পকচবোই খঙ্গে। অসিগুম্বা মখোন খোঞ্জেল অসিনা কনা লৈত্রবা ঐবু য়াম্না জুংশিবীবা মতৌনা অসুম 'চাওবা' হায়না কৌবীবসি ঐনা তারক্তবা মতম কয়াদা শকখঙলরবা! হৌখি— মতম অমদদি খোঞ্জেল অসিতন' ঐবু মীকুপ

কাংদে কৌবীরমই। অহুগা থৌদাবীরম্মী। ওসিদি অহুগুম্বা খোঙ্গলহু য়াম্না থাম্নররে— থাম্নলা লেম্নরে। খম্বক্করগা থম্মোইনা পেম্না খুমজগে খঞ্জবা পেন্নমক নত্তরবসু থরতং মমি শামি ওইনা ফাওবা খুমঙম-জখিদে। তুমীন লুকথজরিঙৈ ডাক্তর বাবুনা কৌবীরবই মনাক্ত লাও হায়না। ঐহাক তপ্ন তপ্ন চংশল্লম্মী।

"নুংঙাইতবরা নং—"ডাক্তর বাবুনা ঈবেম্মদা অমুক য়েঙ ঐঙোন্দা অমুক য়েঙ নোকমী নোকমিরহুনা হংলকই— "ঐনা হায়ম্রৌ নুংঙাইজগনী নং। হায়য় নুংঙাইতবরা ?"

ঐনা নোম্বরিবা ইঙক্ত্ নোমজৈ (য়াম্ন নুংঙাইজরি)।

অহুদগীদি ঈবেম্মদা ওনশন্দুনা ডাক্তর বাবুনা হায়—

"অহুদি ঐ চৎএগে করিগুম্বা মরক্তা হল্লরবদি য়াম্ন থুনা ঐগী ইনাক্তা (ডাক্তরশং) দা অমুক্তা চংলকউ হায়য়ু—।

"ফনি—" ঈবেম্মনা খুমখি।

চৎখিগদৌরে—। ঐহাক ফনা কুইনা লৈতাবা ওমলমদে। ঈবেম্ম-খোয়গী মমাংদা থরতং হঙগোয়সিরা হঙগোয়গুমসিরা থন্দুনা লৈবম্মী। ডাক্তর বাবুমুক চুরুপ থক্তনবদি কনানো ? ঐ অমুক্তসু উদ্রি। ঐহাক চুরুপ উপু অমতং থমজৈ। মহু থরাইনা তানা পীজনীংই। ঐন ওহাক থঞ্জানরিঙৈদা ডাক্তরবাবু চৎকদবগী খোং থাংবা হৌরক্লে— পিদদি পীগ্রগে খল্লহুনা ঐনা থামজৈ। ঐনা থামবদা ডাক্তর বাবুহু খোং-থাঙ লেপ্পহুনা লৈরে। ঐনা ঐগী কান্নংদা চংশন্দুনা— নুমীৎ কয়ানি মমাংদগী— লোৎচ থমজরক্লিবা— অহাওবা চুরুপ উপু অহুমতং মোন মথাদগী পুথোক্তনা ডাক্তর বাবুদা পীজবম্মী। মহু উরগা ডাক্তর বাবুনা হায়—

"চাওবা— ঐগী— চুরুপ— ।"

ঐ তুমীন লুকথজৈ। খুত্তগী চুরুপ উপুহু লৎনদনা লৌশনবীবম্মী। অহুগা লুপা মঙা চৎপী অম লৌথোক্তনা— ঐঙোন্দা পীরম্মী ঐহাক লৌশল্লী— তশেংনা লুপাহু পামজৈ— মহাক্তী মরল চাজনীংই— পাক

চাওৱবা 'তাইবংসিদা ডাক্তর বাবুগী মৱাইগ্নেক মুংশিবা, মাগী মরলমুক চাক্তনীংবা, হাওজবা— অতুগা কাওডমজদবা— লৈতে। কৈদমু লৈৱোই। য়াম্ন পামজনা— মীহোৎবদগীদি নত্তে— য়েংতুনা-য়েংতুনা লৈজনৱনী।

ৱাকচাং থাহো—।

ঐগী ৱাশক চেৎত্ৰবা ঈৱাথল অসিগীদমক্তা ঐহাক নীংডদবা, অতুগা পেঞ্জদবা অমা পোকলে। ঙসি অসি ৱাকচিং থাগী থানিল মুমীৎনি। থাবলসিবু য়েঙ্ক্ত্ৰগা নোঙ থাঙদ্ৰবা অতুগা অতুগা ইস্তম লৈচিলনা পানা শন্দোক্তুনা— মপুং ফারবী থাজা অসিগী মমায় মায়থোং অসি অতুগা থাবল অসিগা তিনশন্নখিত্তুনা শেমলক্লীবা অতিয়াগী মশক শক্লম অসিবু— পুন্নমকসিবু— য়েংলুবগা কুইরবা মুমীৎ কয়ানি'সিগা মতুং— ঙসিদি ৱাশক চেৎত্ৰবা ঈৱাথল অসি— অতুগা থম্মোঈ অসে ঈশানা শোকডমদব ঈৱাল পীজরক্লি—।

থনখি—, য়াম্না ৱাশক চেংথ্ৰবা ঈতৌ অমদা হোঙলরোইদব- বগুম– 'ঐহাক য়ুম অসিদা লৈররোই— থাদোক্ল য়াম্ন থাপথ্ৰবা মফম অমদা চংলগনী' হায়না অতুবু থনখি কদোগদগে, চৎডম থোৗনা লৈরমগ্ৰবা— চাওরবা অতুগা চোঙ-ফল্লবা, ঈচাও-পাৎকি ঈথক মচা মচাশিংতুনা কয়ারক-কয়ারক হন্ন চোঙ যক্তজতুনসু মপাঙ পাঙগল থেক্লবা মতমদা পাৎয়ায়দগী নাঙ্গোকে হোৎনক্ল্ৰিবা—পাৎয়ায়গী ঈশীংলক্তা মশক ফাওবা মাংনতুনা অতুম্মক তিনশন লুপশন্নখিবগুম, তীন কাংদগীসু হেন্ন তোনথ্ৰবা ঐনা অসিগুম্বী হৌনথংদ্ৰবী, লমচংনাঈদ্ৰবী মুপী অসিম্নী মনাক নক্ননবা— য়ুমসিদগী য়াম্ন থাপ্ন চেনথ্ৰগে নক্তরগা চৎথ্ৰগে হায়না ফনা থোঈশাওননা— থঞ্জানতুনসু— অতুক ঈচং থোৗনা থনখিবা ঈৱাথলতুদী ঐহাক ঈশাফাওবনা থংহৌদনা নোঙম-নোঙমগী মাঙথখিত্তুনা— শাঙ- লবা মুমীৎ কয়ানি— কন্নি' অমত্তনা থনখিদবগুম— কাওথোক্ল্ৰে।

কাওথোকলুরে— অদুগা নীংশংলুরে—। অদুগুম্বী তমথীরবী ময়াথংশিংদু অমুক হন্না থৌদারক্লবদগী— ঐহাক্ন ৱাখলশিংদু নত্তরগা থোইশাওনরবা ৱাশক অদু কাওথি-কোকখিরবা নত্তে। নোঙম-নোঙমগী ময়াথংগী তমথীবা চাও হেনগৎলক্লিবনি—। অদুবু থংদে অদুক থোইশাওনরবা ৱাখলদু থম্মোইদগী মত্তৌ করম কোকখিবনো। করিগুম্বদা ঈবুংঙো লৈরবদি— ঈবেম্মনা অসিগুম্বী তমথীবী ময়াথঙসি কদৌইঙদম্ব ৱাথ'বীরক্কে। ঙসি অসিমকম্ব— ময়াথং-দু ৱাথংবীরকখি অদুগা মাগী—মুপী ওইবী থোংলবী মথোং— মথোংগী খুনীং— খুৎ অদুগা কোক পুন্নমক কোঙগোল থোক্লবা সাপোন নোইরদুনা— নোইরদুনা— ৎ মথীবগী মশক্লি খল্লবা ঈথৌদাংশিংদু ঈখুৎমক্ল পাংথোকখি—মতমদুদা—ঐহাক অশাও ৱাখলসি নীংশংলুদে—। ঐহাক নীংশংলুদে— হুজীক্তা— থানিল ওইবী মপুং ফারবী থাজনা তিযাদা লঙলববা, তিয়ানা— লৈচীল নোঙফাই থাঙত্রবা অদুগা অপাবা ইন্থম লৈচিলনা পানা শন্দোক্ত্নুনা হেন্ন নীংথীহল্লক্লবা, অহীং'সিদদি— কাওথোক্লববা ৱাশকশিংদু— কৈদগীনো— থম্মোঈ চাক্লবগী মশক্ত নীংশীংলক্লে।

ঈবেম্মম্ব অদুগা মপুরোইবা ঈবুংঙোম্ব হুজীক্তী তুন্নবতা নত্তনা মং কয়া কয়া মঙনবন্নগনী মরমদি অহীংসি ওন্থোক্ল থেঙলে। থেংদনবু কদৌগনা ঈনীৎ অসি কল্লা অমফাও কুপঙমদরে। অঙানবা বোনগী— মৈনা লঙহল্লবা চেক্ল লৈমায চল্লবা হাংলবা মাঙগোলসিদা— হুজিক ঐহাক ফমদুনা পুন্নমকসি ইশল্লী। তুন্নরোই। ঐহাক তুমখিরোই—।

নীংশংলক্লে—। ঐহাক—মতম কয়া শাঙনা কাওথোবলুববগু— হুজীক্তি থোঈশাও ঈৱাখলশিংদু— ঙম্নমক নীংশংলক্লে। নীংশংলক্লে হায়বদু মঙায়রে— হৈগ্রবা ৱারী লিবা হুপা অমগী মচীন্দগী তারকপা— "অকনবা লাম্মৈ" অমনা— অতাবশিংগী মফমদা মৈশা লাঙহল্লবদি লৈতবগুম— নীংশংলক্তুনম্ব গুম্লগী নীংশংলবদা মঙায়রে—, হৌখিঙৈগুম থম্মোঈবু অদুক হাক্ল মথৌনা লৈহন্ন ৱাশক তেমশিংনহল্লবদি লৈরদরে।

ময়াম্থংশিংহু— অহুক হাক্ক তমথীবনী থলহল্লদরে— থনগে হায়বসু ঙমলাক্কে। হৈনবা হায়বহু মসিরা— নত্তবরা ? মসিদা ঈশা ঈভোমতনা ঈশাবু মশক থংঙমজদমখৈ ঙকচনুনা লৈরে।

কুইনা ক্ষমহুনা লৈরক্লে— ঈতোমতা। পুং অনীরোম শুবক্লে—। কুইনা খন্দুনা লৈরক্লগা— ঐনা ঙক্লীবা অসি কোকচবমক ঙমদ্রবগু অঙকপা ঈশাগী ৱাহ্‌ংসিদা ঈশানা পাওখুম খবত্‌ংদি পীজবকলি হুজীক— "লংজাশিংগী মরক্তা অপীকপা মশাহুনা চাম্ম চাম্মবক হুমজ-থপচবগা— তপ্প তপ্প হুম্না— লংজাগী পাক্লবা মশাগী অনীরক্তংগী ওইবা মশংগী অনীরক্তংগী ওইবা মশাহুগা চপ মান্নথোকথবে—। মান্নথোকথবে— অহুগা— ফাহুনা চীন্দন্নথোকপীগ্রে।"

"মুমগী মৌহুনা মতৈদা শাওজবনি— মতৈনা ঈমুং চংলকপগী খুরুমগী মথোন্তং তারকপদা মকোক চেৎনা খুমজপ্পথরে—"

"তেনৱা অহুনা অহানবা মতম থরদা — হৈনজদ্রবা পোনগী মম্মংদুদা চীঞ্জাকশিংহু চাদ থক্ত মশা খপ্লহুনা, অহুগা থন্দা।ঈনা খোইশাওননা অশাওবা মতৌ উংচবমনী— হুজিত্তী হৈনজদ্রবা পোনগুংগী চীঞ্জাক-শিংহু— য়াম্ন হৈননা চাবক্লে, অহুগা যেরবর্ন নংলম্বা মীওইবশিংগী মরোলহু লেংল্লহুনা, যাম্না হৈ-শিঙথ্রবী, অহুগা মীওইববু হুংশিজঙবী শারহুনা পোনহুঙহুদা নোঙমা হ্নমীৎ চুপ্পা খুদীং ৱাচোই ঙাংলহুনা লৈরবীনী।"

"পুম্নমকসি নত্তবরা ?"

অমা খংদ অমা খংদে— যুমসিদগী চৎপা অহুগা চত্তবা অহু— ঙম্নমক ঐহাক খন্থনীংলক্করে— অহু পুম্নমকী মহুৎ— ঐবু কাবেম্নবগুম মুত্তিগী ইমাংদা— লৌৎলিবা মবী পীক্লবী—ঈবেম্মগী অশংবা মচুগী থাখুমফি অসিতংদি ঐহাক লোম্না লৌশন্দুনা থমলমলগে—। করি কান্নবা ? মহুদি— ঐহাক খংদে।

নীংনী পানবা— পুং তরামাথোই, তরানীথোঙ্গী—।

ঙসিদি—ঐহাক ঈন্থৱনা ফনা থেংলক্রবা অসি ফাওবা কি থাদ্রে। পুং ১১ রোম তারমলনী। ঐহাক্তি ইম্থম চৈনা কোকফাত্রিবনা থারবা ফিজাওশিং থাদোকত্রি। ঈবেম্মদি ঙম্মক লৌথোকথরে। শামতুগী থবাক থংঘবী— অঙাংবী মচুগী মতু চেংম্নবা খুদাং চোনবী অতুমতং লিংলহনা মথেং মখৈনা অথাবা কৈজুপ্পা চেংনা ওমশল্লহনা— মাগী অনানবা ফমুংহুদা উপ্প হীপলম্মী। কাহুদ— মা-ঐতনী। ঐনা— চৈমায় থক্ত ঈখুউ-দা খুদাং শৌবহনা তুমীন ফম্মী। তুমীন তুমীন চৈনরহদগী ঈবেম্মনা হায়—

"চাংঙবা— ঈস্তার— থাগৎলু—।

ফনা কুইনদি চংই—। ঐহাক ঈস্তোবতি থাগৎলে—।

"শঙগোম লোল্লু— নং-ঐ— ঙকসি।" যেঙথোবক্তে।

ঐ শংগোম লেংল্লা—।

শঙগোমত্ত শোগৎলব্রবদা ঐহাক্না থাঙথবা ঈনং নঙহন্দনা মহাক্না তুম্ম হীপলম্বদগী কুমথরক্তুনা ঈমাংমক্তদা হস্তোবমথক্তগী অশোবা শঙগোমহু অমোংঙবা কি কমনা কোনগী মনা অনী চপ্লহনা থাঙদবীরম্মী— অহুগা লীক্লৈগী গিলাস তন্নীহুদা শঙ্গোমহু হৈ ঐগা ঈমাংদা, সিনা নংগী শরুক্নী— হায়গুম গীলাস অমা থীনবীবম্নগা— অতোপ্প অমহু মানা পুবগা ফমথক্ত— অথাবা যৈজুপ অহুনা মথোং ওমশম্লহনা ফম্নগা থকখি।

ফনা কুইনা, ঐহাক ৱাখল থরঙং খল্লুডৈ ঈশরুক ওহবা শঙ্গোমহু থকলমদ্রে। ঈমাংদা মচী লেংদবমথৈ— অথনবা গিলাসতু অহুম্মক লৈরম্মী—। ঐনা য়েঙথৎলুবা মতমদদি ঈবেম্মহু শমঙ্গোম থকপা লোইরহনা চুরুপ মচৈহমা থোংলবী মংচন্দুদা ফুং ফুং চিঙলহনা— মৈখু ৱা-ৱা কানা লৈরম্মে। ঐগী ঈশরুক ওইবা শঙগোম্ম লেঙদ হাইদ লৈরবহু উরগা ঈবেম্মনা হংলকই—

"থক্ত বয়া নংদি— ?"

"কোম্ন—, ঈংলগা— থকচগে—"।

ফনা কুইনা তুমীন-তুমীন অমুক লৈবন্মী। চুরুপ অহু ইশাং শাংনা হুন্দোকলুরগা— লীংলীবী মতু চোম্নবা শামতুগী ফুরীৎ অহু মমায় ওম্থোক্ল-হুনা লৌখোক্লম্মী— ফনেক্ল ফিথক থুনা চিঙখৎলম্মী। (ঐহাক মীৎ উইশঙ্গে) ৱাখলন-থনফম থংগ্রিডৈ শামতু ফুরীৎ লীংলুবনা ঈচাগ্রবা উনশাহু তৈথোক নাম্থোক্লবা মনাক্ত লৈবা মোনগ্রবা অয়ুক্কী হুমিদাংগী খুদৈহু লৌখৎতুনা, পাক্লবা মনমনা ইঙোনলোমদা ওনশন্দুনা লৈখরে। ঈবেম্মগী তুংয়ান ফিভম, মরমচৎকা ওম্ন তৈনবী মওংদা কয়াদা নীং-থীজগ্রবা। অসিমুক মাগুম তুংয়ান ফজবীশিং ঙম্নমক্ল মরমচৎ অসিগুম চৎনরম্মা তারবা তাইবং মাংনবগী মশক— তুংয়ান নীংথীবীশিং করিগী তাইবংসিদা পোকহনবীরক্লিবনো। পোল্লবী নম, হুইকপ্লবী লেঙ, নাক যেৎকী, হবচ'ং মরুগী থোল্লবী মরাং কায়ববী উনশাগী শক্তম অহুগা ফনেক ফিবৈ লীক্লিবা, য়াম্ন চেঙলবী খ্বাংহুগী মমি, উরে— নিংথীবী হকচাংগী য়েংহৈ উইহৈদ্রবা তাংথক্লববা, ফিগ্নংদত লৈজরবী ঈ থাংদ্রবা কয়াৎশিং। ঐগুম্ন থৌনা য়াওখিদবা কনা লৈরমগনী— লৈরম্নোই— ঐহাক থাজবা ঙমজদে— য়াওবম্বা থোক্লবা করিগী ঐহাক নাপলজরোই-দগে। মহু নৎখিদরে। ঐহাক্কী শক্তমহু য়েঙঙমজখিদে— ঐহাক লৈঙম-লক্ত হুন। হৌগৎলক্লে শঙগোম গীলাস'তু চেৎনা পায়রগা য়াম্ন তপ্ন মায় অসি ওম্থোক্তনা— মাগী কাহুদগী ঐহাক মপান ৎম্ন থোবচরবলম্মী। মগাক— ঐবু উবা, উদবা, নাম্থোকদবহু অহুম্মক নাম্থোকলমগনী— ঐবু মাবু হম্না যেঙলুদে— মাম্নু— ঐবু কৌরক হঙলহোদে। পুম্নমকসি ঈশন্নে— লোইরে— ঈশরুক ওইবা শঙগোম গীলাস'তু মপুরোইবনা থৌওইবীদ্রবী, শকহেঙ্গবী ঈমুংগী মৌগুম মচি লেংদনা ঈমাংদা হজীক ফাওবা লৈরী।

ৱাকচীং থা— । লোইরমদাই ।

কাদোইগী লোইগদবনো হায়বা চপ-চাবা নুমীৎ অহুমগী থংত্রবসু চাওরাক্ল ৱাকচীং থাগী থাৱোই মতম ওইরক্লবা নোংমাইজীং নুমীৎনী ।

ওসি নোংমাইজীং নুমীৎ অসিগী অয়ুক অঙনবদা (মতমতু পুং ৭/৮ তারম্নগনী) ময়া পুম্বা য়াওত্রবগুম নাক-য়েৎকী খজায় নাকন অনীমক কোপশল্লবী হন্নুপ্রবী— শারিনা মকোক খুম্বী ময়াং হন্নুবী অমা ঈবুংঙো মো'ত্তিগী য়ুমদা লাকলম্মী । মহাক কনানো হায়বগু থংখিদে । তৌবদি মহাক্ল লাক্লিবা অসি মরী ইবৈ লৈনদবা ইখং থংনদবা ইমুং অমদা হেক লাক্লবদি মান্দে । ইবুংঙো মোত্তিগী কাদা ইবুংঙো পোথারিডৈ অহলতুনা ইবুংঙোবু কৌবা খোঞ্জেলতু ঐনা তারতুনা ইবুংঙোদা মপান্দা অহল নুপী অমা লাকলি হায়না ঐনা চৎচতুনা ত্তমজ্জে । ইবুংঙো খোল্লক্লবা শেম শাহোই— ঐনা হাম্না কান্নুংদগী থোকসকখি । মাঙগোলদা লেপ্লীবী অহল অসি অহানবা নুমীৎ ওইনা ঙসি য়ুমসিদা লাকপা মাল্লী—তশেংনমকপু অচুম্বা ওইরম্লে, ঈবুংঙো মোত্তি খোয়ক্লনা লাক্লীবী হন্নুবীতুবু তরাম ত্তরাম ওক্লতুনা ঈমুংগী কাদা পুশন্নুনা চংমীম্লখরে । অয়ুকসিদা পাক চা'ওরবা ঈমুং অসি ঐ অতুগা ঈবুংঙো মোত্তি, ঐখোয় অনীত্ত মডায়হৌবা অয়ুক ওইরম্মী । ঈবেম্মদি মমলি-মমলিরিডৈদা কারতু মশামক্ল থোৱতুনা মপাম চংখি । ঐনা ঙম্বা থবক মখে মখোয়গীদমক ঐহাক্ল হোৎনরম্মী ঐনা ঙমদবাশিংতুনা ঈবুংঙো মোত্তি মশামক্ল পুথোক পুশিন তৌরতুনা লাক্লীবী হন্নুবীতুবু নোংথীনা শীজ-শীথক তৌতুনা ওক-লম্মী । ইকুই কুইনা লৈরমদে । করিগীদমক লাকপনো হায়বসু থংদে । পুং অমরোমদং ফমলম লৈরম্নগা ঐনা মাঙগোলদা তুমীন ফর্মলডৈ ঈবুংঙোগা হন্নুবীতুগা ঈমুংদগী থোকমীম্লরক্লে । থোংগাল ফাওবা অতুগা বসকি মন্নুংদা তোংহনবা ফাওবা, থীন্দোক্লরগা বস থোত্রবদা ঈবুংঙো মোত্তি য়াম্ন মুঙশুক্লনা হঞ্জলকলম্মী । ঐহাক হন্নুবীতু কনানো হায়বা

থংনীংবা অমত্তং পোকললক্লহুনা ঈবুংঙো মোতিনা মাওংগোন য়েংবক্লদা ঐন হংনিংনা—"লাকলমলিবী হন্নুবীহু কনানো ?" হংজরুই ইবুংঙো মোতিহু মুণ্ডক্লনা ফনা কুইনা খুম্বীরমত্রগা—কাইনথংদা— য়াম্ন রাখল তৌন তৌন তপ্প খুমলকই— "ঐহাক্কী মরী মতানী— মহাক মঙায়রে—ঐগী মরী মতা হায়বব্ু।"

ঙমীং মুত্তলকপা অত্নুরায়দা ঈবেম্মা কারত্থু থৌরহুনা মপামদগী হল্লকলম্মী। কারহু গারীশংদা খামলুরগা হাথু-হাথ ইমুং চংশনখিনত্তং মঙায়রি— (মকমত্ত ঐ মপান্দ লৈ) হন্নুবী অত্তুগা ইবুংঙো মোতি— অনীনা চারম থরুম্বগী কপ প্লেট ময়ামত্নু থোনকুরমম্লে ঈবেম্মনা হংখিবদম তৌই "হজীকপু কনা লাকল'বগে" ঈবুংঙো মোতিনা "কনাহ্ লাকলমদে— ওফিসকী কেরানী অমা লাক্লম্মী।" "কেরানি অম !" ঈবুংঙো মোতিনা ওইদনা ঙাংহুনা ঈবেম্মগা মফমদ করিগীদমক হন্নবীহুনু লোৎলীবগে ? ঐগাক চক্লী।

ওনলকপা কালেন থা—।

থম্মোইঙ্গসি ঙসিদি ইনৌ নৌশরে। হেঙউ হেঙউবা খুদিং ঐহাক্কী ঈফমদা ঙসিদি থম্মোইগী অত্নুগা রাখলগী মুং শফনত্তা ওইবরে। থা কযানো— পান্ডুন লন্ডই— থা মরী অসি ঐহাক করি অমা চেনাযশিং সিদা ইশল্লক্লরে। অত্তবু ঙসিদি নীংশং নীংশং ঙম্মনক ইশননীংলক্লে। শাংলবা থা মরী অসিদা থোকক্লিবা থৌদোক কোকপায়শিংহুপি ! মশাং থীওম্মরোক্ত অত্নুগা ইশনগে হোৎনবক্লবসিদদি কন্নানা ঙম্মনক্ল চয়েৎনহুনা ইরৈ নৈত্রবগুমই। — নীংশংলক্লে !

নোঙমা, তমশীরবা ঙমীং অমা থোকক্লে। ঙমীং অহুনা অত্নুক তমথোঙ্খিব'হুদি মতীক চাত্রবা এলেক্ট্রিক থাংমৈগী মরালনি। করি ঙমীংনো ? মহুদি কাওথরে নীংশংবা থোক্তরে। হুম্মিদাংনি— অত্নুগা ঈবুংঙো মোতি হল্লক্লরি। ঙমীদংহুনা, মাগী কাহুংদা ঐনা ঈবেম্মবু

শংলদুনা যায় তুমীন্না কমদুনা লৈখি। চৈগল মথক্কী বেডিংদু মাঐতং তাননবা ওইনা খোঙ্গুল য়াম্না পীক্ক-শোন্ন-থাদুনা খোঙই। ঈশৈগী পরেংনা অমা লোইর অমা-অমা লোইব অম, লোইবা লৈতরগুম শকই। ঈশৈশিংদু— মাস্ত ঐস্নু তোঙানবা মযমদা কম্মদুনা তানৈ। কমথক্কুনা তুমীন ঈশৈশিংদু তানা-তানা চীপলন্দগী ঈরেম্মন ঐবু কমথক্কা, মাগী কমথক্কা, অদুগা মাগী মনাক্কা কৌশন্দুনা কমহল্লম্মী। শুপ্রবা মযাংলেন অদু থুংনম তপ তপ নমংল্লনবা। অসিংগী ময়াথংশিংসিদি কুইশল্লব্রনা ঐচাক থাম্মাঈনা অথীংব পীজ ভমখিদাব। অদুম্মম নমই। নমই— নমখি— অদুগা মহাক্কী মশাদু ঐনা শোবখি মহাক্কী মশাদু শোক্রগা ঐচাক্কী ঈনীংন বমান্দীশিনখে হ যবদু কো দোকলুবগী কবি কানগদগে অদুগা কবি ওইজনা লৈংলগে। মদু পুন্নমক— শান-চানম্লনা পুন্সিগী— মাশংবা মংঙ থ অদনা— নৈহ্ৱী ঈশক, কোনবা ঐগী-পুন্সি অদুগা থম্মোঙ্গ — মাখায় ভংনক্ক হেমশন্দুনা ননিল কন্না অমত ফাওবা খোবহন্দনা হমখিনংল্লে। ওন্নমক্ক কাব কাম্মবা— কোং.দাবলুবগীগু অদুগা নীংশংলুবগীস্ত — অমত্ত কানদবোক নীংং। ঐহাব—মাগী উনশা উডম্ম পাববী ফুবীংনা ফুপ্রবী মযাংলেন্দদা নৈচাক্ক করিগনা থংদবা ঈরাশংগী মপৈ-মপৈদু থনবা হোংনরদুনা, তুমীন, তং তপ্প নংশংনা লৈখি। নমদী, ঐহাক্ক রাথমা থনবস লোইদৌটে হকচাং থুংনমগী মপুংশু ফাক্রিটৈ অদুগা লেপ্পুন শন্নীনা বেডিও ঈশৈ পবেংদুগী মঙ্গ চনবা, মুপা অমনা কল্প, ঙক্ক লাওনা শবচবকইবা ঈশৈতুগীস কোইশনম চাদিটৈ ভানংলমলিবা ঈম্মগী অদুগা মাঙগোলগী অঙানবা মৈ পুম্মনক রাশক্লবগুম থম্মুং মংনখি। মৈ মুংপগা চপ মানৈ ঈশৈদুন্দ তুমীন লৈখ্রে। ঐচাক্কী অকক্কুপ্রবা তংদানিংউমত্রবা বাখল থরওংদুন্ত অদুগা থরতং নিল খোঙলংত্র খোঙ্গুলশিংদুন্ত ওন্নমক তুমীন-তুমীন মাং ভাক্লখিদুনা পুমচাক চীকখি। ঐহাক কবিনা খল্লীটৈদা কবি অম থুক্কংপা লৈতন ঈংবম্মনা হীপ্প হীপ্প হাম্মরকই—

"মৈ মুংথবে—"

ঐহাক অত্থমক তুমীন লৈ। অমস্বা মরক্তদা— ঐহাক নমলীবা খুৎনমহু ওহাক লেপ্লম্মী। কুইনা লেপশল্লকবদা ঈবেম্মনা হুঙগুম ঐঙোন্দা হায়রকই—

“লেপ্লব্রা— মরাই ওাপ্পরকনী নমমু—।”

ঐহাক্তী করিসু খুমখিদে। অমুক নম্বা হৌই।

মৈহুদি কয়াদ কুইনা ওাল্লকখিব্রবা। অমস্বা মরক্তদা ঈবেম্মনা হায়রকই করিগুম্বা ৱাগৈ খরা। ঐহাক খংখিদে। ঐন, খুৎনমহু খরতং কর নমই থোৎলবী উনশাত্নদা।

নোঙমনা—। মহাক্কী ফনেক ফিগাহু শুদোকউ হায়। মসিবু অনৌবা খবক্রা? নত্তে। ফি পুন্নমক ঐহাক্ক শুই। ঐনা ফিহু পীরো হায়না মহাক্কী কাম্নদা চংশল্লী। মান্নী, ঐ নিংশংলি— ঐহাক্কা মাগী কান্নংদা চংলুই ঈবেম্মনা লাইবীক পাবগদগী মমায় ঈবৈ লৈথোরক্কনা "শুকবগেবা নংবো" হায়না শুপ্পগী অমুক্কং হুঙলক্কগা লেপখৎলক্তনা ঈগী ঈমা মক্তদা, মতুং ওম্বাক্তনা অহুগা ফনেক-ফিবানগী কর লাক-শল্লবা মখাংগী ফিবৈহু খবতং হীকান হীকান্নহহত্নুনা অহুগা—ঙহুগা—। নতে, পুন্নমক ঐবু মওইবনী খন্দবগী মতৌমক্কনা। নীশংনীংঙাই ওইহন্দবনা কৈ। থৌওই-নাওইবীক্রবা মতৌদা ফিগাহু লৌখত্তনা ঐঙোদা পীবীবকই চংশন্দুনা টেবল মথক্ক শক চুন্নবা মিঙশেলহুদা খবাং নোম্মরত্নুনা মমায়দা তোংলীবী মৈচাক পুবী মতৌ মাল্লবী উরীং-শিংহু অমমমতং মেৎনাত্নুনা লৈগ্রে। তোক্লসি— হবাওবা-হরাওদবা—। করি কান্নবিবগে—? মহু পুন্নমক তোল্লবা ঐগী ঈফমদদি তমথী শক্তম-তনা কুপশন্দুনা লৈববা নত্তরা?

কবিগুহদা—, করিগুম্বা মীকুপ্ত খনখি—“হৌঙবগী করি কান্নরিব?” হান্ননা। কান্নবা—? কান্নবদি লৈত্রে। ঐহাক ঈশানসু খংজে— কান্নযম লৈত্রে—, অহুগা— কান্নক্কম লৈত্রে। কান্নকম লৈত্রে— অহুগা অশুস্তক থরাহনা হকচাংগা অশুক চেৎনা পকশন্নহুনা হুজীক ফাওবা হিঙহুনা লৌরিবসি কনাদবু হুঙলুগনী।

নোঙমদি— থম্মোঈ অসি অৱাবা অমম্ত পকখিত্রে। মোকমিন্নখি। অত্থগা হন্নাওমিন্নখি। করিগী, করি ৱান্নীদগীনো হুমীত্তুদা ঈবেম্মগা ঐগা অত্থক থৱাই তানা, তানা, পেন্ন, পেন্ন নোকমীন্নথ্রিনত্থু? কাওথরে। কৈস্থ লৈতবা— অত্থগা য়াম্নদি মথোনা লৈথ্রবা হন্নাও ৱান্নী অমদি ওই-রমলগনী। নত্তরবদবু মা-ঐ কৈদগী অত্থক পেম্ন নোকমিন্নরমংদগে। মবমত্থু কাওথ্রে— নীংশংবা থোক্করে— অত্থগা— নোকমিন্নখিবা শক্তম-ত্থুদি ঐহাক—কাওভমদনা নীংশংলকলী। নীংশংলী— হুমীত্তুদা ঈবেম্মনা কয়াদ পেন্ন নোকথ্রবা— থাংভমদনা নোকথ্রবা, অত্থগা নোকপতদা পাঙগন থেক্রবী মতৌ— মথে লাঙলবী মমায়থোংত্থু— ঐহাক য়েংভম-খিদে। যেংলুবগা, মশা শাবান— অত্থগা মমায়থোংবু য়েঙলুরগা থম্মোঈগী অপেনবস্থ ফংখী। পেম্ন নোকখী ঐশু। ঐনা নোকপা উবগা— নীংশা থবেংনবিবী ঈবেম্মত্থু শিথ শিথ অমুক নোকথ্রে।

মহাক্না লোনবীবা খুং মোজ্জা (শামতুগী) অমা হৌখিবা ইন্তম থগদা ঐহাক্ন থৱায় তানা, অযুক হুংথাল থাযদবখৈ উপচখী।

হন্নুবীত্থুনা অয়াম্বা মতমদা লাকই। ঈবেম্মবু থৱাই তানা মুনা-মুনা যেংলে— কৌনবা অত্থগা তোরোংনবদি থক লৈতে। মহাক্ন ভত্তনা লাক্লিবসি উরগা নোংমা ঈবেম্মনা ঈবুংঙো মোতিদা "হন্নগীসি বনানো?" হংই। মত্থুভদা থংখী— ঈবুংঙো মোতিনা মনে হন্নুবীত্থুবু ফনমক হুংশিজ্জববস্থু ঈবেম্মদা মবীনি মতানি হায়বসি থংহন্নীংদে হাযবা। হুমীত্তুদা ঈবেম্মনা অশুম হঙখিবদা ইবুংঙো মোতিনা ঐগী ঈমাংদা ইহৈ হৈনীংদনা ইবেম্মদা খুমখি—

"কনাশু নত্তে— পাবা লৈরিভৈদা— ঐথোয়গী অচানবী মীনাই ওইরম্বীনি।"

"হুজিক্তি তোকথ্রবা— ?"

"তাকথ্রে—"।

নোঙমদি রেডিওদা ঈশৈ অমা লাকখি। অশুক কুইনা যুমসিদা লৈত্থুনা রেডিওগী ঈশৈ তারকপসিদা— থম্মোঈবু থুক লাওহনবা ওম্বা

ঈশৈ অমত্ত য়াওখিদে। থৱায় তানা ঈশৈ অমত্তসু তাখিদে। ঈশৈগী মুঙশিবা, ফজবা, অদুগা মুংঙাইবসু মহৌশানা 'সিনি হায়না— মশক থংজবা নত্তে ঐদি। অদুবু হৌখিবা য়াওশংময়াদুদা— য়াম্না ঙনপ্রবা, অঙনবা অয়ুক অমদা মৈতৈলোনগী ঈশৈ অমা রেডিওদগী তাখি। থমোঈ অসি থুক লাওথী। অদুগা মদুতদা ঈশৈ হায়বদু অসি ওইরে থংখি'-গুম— থমোঈনা মুংঙাইজবা অদুগা অপেনবা ফংজখি। ঈশৈদু, ঈশৈদুগী ৱাহৈ ৱাতাশিংদু নীংশংলী— "তাইবং কৈথেল কাদুনা, মুংশিনবু মশক থংগে হায়না থিরুই, অদুবু শক্তী কৈথেল ওইরম্মী —"। ঐনা নীংশংদুনা ইৱিবসি ঈশৈগী ওইবা শৈহেক-শৈদাদুদি কাইরম্বা থোক্লবসু ৱ হৈ-শিংসিদি অসিনি। অদুগা— "ও!" হায়না য়াম্না চাক্ল চিঙলমলগা ঈশৈগী ৱাহৈশিংদু অসুমসু হায়রদুনা— মুপাদুনা কনাদনো'মা হংগুম ঈশৈদু শকই— "ও, করি ঈৱালবু লৈবগে?"। "করি ইৱালবু লৈবগে" ৱ হৈসি নত্তরগা ৱাহংসি ঐহাকসু হংনীংলি। কনাদবু হঙদুগনী? মুপাদুনসু কনাদা হঙলীবনো হায়বা ঐহাক থংখীবা নত্তে।

ঙসি— ।

পাক চাওরবা ঈমুংসিগী শাম্নকম কাদা— উগী টেবল মথক্তা— ঈবুংঙোগা ঈবেম্মগা চাগী অঙোবা বোল মচাদু থোম্নরদুনা বোল থোম্বী শাম্নৈ। ঐনা লৈমায় থক্ত তুমীন ফম্নদুনা অতাবা বোলদু খুনগদবগী ঙাইদুনা লৈ। বোল খুনবা— ঐগী ঈথৌনী। ঈবেম্মসু ঈবুংঙোসু মুপা ঙাক'কুমথ্রে। অককপা অঙোবা মচুগী থোংগ্রাউ অমমম অদুগা হকচাং য়াঙলবা অককপা ফুৱীৎ অমমম শেংনৈ লীংনৈ। ঈবুংঙোনা হেল্লী হৈবা। য়াম্না হেল্লী। হৈ শিঙলবা ঈবুংঙো মোতিগী খুৎথোমশিংদু ওকচনবা হোৎনৱদা, চোঙ ফনবা অদুগা কোম্নরা চেঙ্গবদা য়ুম্বান মোওইনৱবী ওইবী হৌনশা মপোগ মতেক কায়রবী— মাংওইনবী হকচাংগী কয়াৎনা মীৎ থক্ল লঙনবা অঙোবা ফুৱীৎতু ফাওনা মীৎয়েঙদা তনীক তনীকলম্মী। করিগুম্বদা নোকচৈ, করিগুম্বদা বোম্দু ঙাইদুনা লৈ, করিগুম্বদা চোঙজৈ অদুগা অয়াম্ব মতমদি ঈবেম্মদু অৱাবগী শক্তম লাহৎখিরম্মী। মহাক্তী

নৌমবী শক্তম অদুনা অশুক মাবদি পকচদে। মাহক্কনীংদে অদুগা য়েঙঙমদবা মতৌনী। মহাক্ক মাবদা ঐহাক্ক ঈশরুক খন্নতং য়াদুনা অমা' পোকখীবা— অমুক কুইরক্লবসিদা ওসি অসিতংনী।

নীনীগী মতুং—।

ওসিদি ডাক্তর বাবু য়ুমসিদা লাক্লমী।

করম্বা মুমীৎ কদোউভে ঈবুংঙো মোতিনা থবক শঙবা মুপা নত্তরগা মীশক অমা ওইরক্তুনা য়ুমসিদা মুমীৎ-চুপ্প অমতং ফমদুনা হীপ্তুনা নত্তরগা পোৎথাদুনা লৈরক্কদগে? খনবদা ঐহাক উবা কঙজদে। শাঙলবা মপুক্সি অসিমা অশুম্মক মতৌ অশুন্নতা লেনখীবা য়ানা লৈরে। লন থুম, মরৌ মশাং অদুগা মতীক ময়াইদি অনীশুবা লৈবাক নিংথৌগুম্মে— অরাৎপা লৈতরে, পুক্সিগীশু তাখবা অদুগা লেংবা লৈররোই। অদুবু হকচাং অসিদি য়েঙবদা অনা শক্লোলগুমম্মে। য়েংলু য়েংলুরগা নাদে হায়বসি ঐহাক খক থাজবা ঙমলমদ্রবনি— অদুবু ওসি ডাক্তর বাবু লাক্কনা— মখোয় হকচাংগী মরমদা মারী মাতাই খর শামিন্নখি— মদুদা ঈবেম্মনা ডাক্তর বাবুদা হায়গুম-হঙগুম তৌখি—

"ওফিস কি থবক অসিমা থাদোক্লবদি— তোক্লবদি হকচাং খর ত্রংশু মাই শঙগদবনী।"

"মাম্মী— ঐসু অদুম খল্লীবনী। পোৎথাদবগী হৌনবা মশা'সি ওপ্তোক্ক শোম্বরে— অদুগা শোক্রে—।" ডাক্তর বাবুনা হায়— "হীদাক চ.বগী কান্নবসু লৈরোই, অনাবা অমত্ত নত্তবনীনা—।"

মুমীৎ খরনী মতুং কালেন—।

ডাক্তর বাবু লাকলম্বা মুমীৎ খরনীগী মতুং ওসি অসি ঈবুংঙো মোতিগী কারদগী মমুংগী মমল য়াম্নবা মপোৎ (মচাক) অমা ফক্তোক্কে তৌরম্মে হায়বগীদমক্তা ঈবেম্মা অমসুং ঈবুংঙো মোতি, অনীমক্ক লৈকোন

শেঙলীবা অতুগা অকোয়বা শম্বল লৈ কক্লীবা মীনাই অতো-যাইমবু ঈমুং-সিদা অমুক হন্না লাক্তনবা, যুমগী মীনাই ওইরম্বদগী তাম্থোকখরে।

মুমীদাং ৱাইরমদা ঈবেম্মগী মপাবুং'থু চমপ্রাসিও করিও যুমসিদা লাকলম্মী। ঈবুংঙো মোতি লৈতে। মচ'নিঙোলতুগা করিবু ঙাংনবা লাক্পনো থংদে। পুন্নমক্কুগী চান-থক্কবা লাংথোক লাংশন পুম্বা ঈ'বম্মনা তৌই। পুন্নমক থুংলুববা মতুংদা— কাচিন অমদা তুমীন ফম-জ'ী। ঐগীসু ঈবেম্মনা চ'ন-থক্কবশিংচু ঈশক্কক থু'পীরকই। বয়াদ তাংথ্রবা থোদোনে — অতুগা শক্তম্লো!

নুমিদাংদ ঈবুংঙো মোতি হল্লরগা ঈবেম্মনা কান্নুংদা চংখী। চুরুপ মৈ'খৎ পুবকউ লাওবক্ত্না ঐনা ঈবুংঙোগী কান্নুংদা চুরুপ মৈখেৎ পুন্ন 'মিনজনবা চ'শনুবদা কান্নংথুদা। ঈবুংঙো মোতিগী ফম্বাক থক্ত যাম্ন তানৌজববী ঈবেম্মনা চাউমপ্রিবী নুগীমচা অমগুম হেংদাইননা ফমতুনা ঙসায মপ'বু লাকলংগী মবন্দা ৱা'বী শ তুনা লৈরম্মী। ঐহাক চুরুপ মৈথেল্লে পুবহুনা মপান অমুক থে'রক্লে।

কালেন থা—। ঈবাঈ সুমীৎ—।

ঐহাক্কী ৱাখল অসি হৌখিদৈঙগুম নীংশং থৌনা অতুক হাক্ন লৈরক্লে। ৱাখল পুম্বা থুন'-থুনা কাওগনক্লে তৌবদি— কুহখ্রবা সুমীৎ কযা কযানাগী মতুং কাওথ'কলুরবা থোদোক মচা মচাশি সি হেক হেক নীংশংলকই। অসিগুম্বা নীংশ মননশি'সিদা কাওডমদবা থোদোকশিংসি অসুম্ন চেমাযশিংসিদা ঐনা হেক হেক ইশপ্পবনী।

নোঙমা— অ হুংতু য'ম্ন মমথরে। থামম্বা-অহিং অমদা ঐহাক লৈখি-দ্রব। অহল ওইরবা ঈপাত্নবু থংহৌদনা কৈদগীনো থম্মোঈনা থংনীং মীংশং-লক'খ। মহাকপু নাংশংলকই,— মতুনা পিদোম্নরব। ঐগী থম্মোঈবু খাঙম-পুঙমদনা ৱাহনখী। হীপ্প অতুগা তুম্ব, অমত্ত ঙমখিদে। থামম্বগী মমলবা

অদুগা চীক্লবা অহীংদু মীৎ পাংনা পাংন অদুম্মম লৈরম্মী। থেংলক্লবা মতমদা, ঐহাক্ক কমথক্কগী কুমথহুনা ঈমুংগী লময়ায় ফাওহুনা মাঙগোলদা থোকখী। ঈবুংঙো মোতিগী থোংনাওহু মিংশেলশিং'হুত মঙাইরম্মী। মমুংগী অশংবা অমসুং অঙাংবা ফিথলশিংদু থম্বরমদে। মথোয় অনীমক মমুংদা ফিথল হাইথগনী হায়বা নীংশংবা য়াওনদনা তুমগ্রবা ওইরমগনী। য়েঙলমলগা লেপলম্বা তৌদনা ঐহাক থোং হাঙদোক্ক্লনা মাঙগোন থোকলম্মী। অকিবা, হকচাংদা অকিবা করিসু পকখিদে। ঐহাক য়াম্ন তুমীন্ন ঈতোমতা মমলবা (মাঙগোল মথৈদি মৈ মুংলি অদুগা ঈমু'দগী মৈঙান থর থরতংনা নিনফুঙ নিনফুঙ ঙালহনখি) অহীং য়েংলহুনা ফমলিংদা মংগুম হাগুম— ওস্তোক্ক থাজদনা অদুগা থংহোদনা ঈবেম্মনা ঈমুংদগী থোরকলম্মী— খ হোদে— হঙলকই—

"কৈদোরি— চাওবা নং?"

"ফমজরী— ।"

মহাক মখা তানা হঙলমদে। চংশল্লক্ক্লনা— অমম্বা মরক্ক্লদা— ওস্তোক্ক নক্কন— ঐগী ঈনাক্ক শাহুম চাওন ফমথরকখি। হৌখিদ্রি ঐহাক্ক্ল নংখিদরে। ঈবেম্মগী মনাক নক্কনবা, খরতং চংথোক হন্দোক্লবা— থম্মোঈনা খনখী অদুগা মীকুপ কয়া— তেমশিংহুনা হন্দোক্লবা হোংনখি— ওম্বা লৈখিদে। ঐহাক ওম্বা লৈখিদ্রে হুমীত্তো। মহাক্কী মুওশিবা মনম চেল্লবী, শরা শল্লবী মশমশিংদু মথুংনা মচা খায়র খাযরহুনা ঈনাক্ক শায়হুনা লৈরে। মনম চেল্লবী, মশম শমলাংশিংহুনা মনাক নক্লবা ঐগী লেঙবান্দ অদুগা মায়দা শমলাং চোইনা চোইনা ক্ষুর-য়ৈররে। ঈশাসু থংখিদবগুম তৌখি, শমলাংশিংদু ঐনা য়াম্ন কিজনা থৌনা শোম্ন নাশোম্ন অদুগা মচাক থংহন্দনা শমলাং খরা খরতং থুংনা পায়শজহুনা নাতোম্বা পুশনখী অদুগা মশম শমলাংগী মুওশিবা মনমদু ঐনা কয়াদা খল্লায় তানা তানা নমজগ্রবা—।

ঐনা মশমগী মনমবু নমলুরিবগী মরমদি? অদুগা মুংশিরবা মনমহুনা ঐগী ঈফমদা পুরকখিবা অপেনবা অহুদি? ঐহাক মথোয় ওম্নমক অমত্ত

খংখিবা নত্তে। নমল্লু নমলুগৈ ৱাখলগী লমফাংনবা অস্থম অস্থম হেন-গৎখি। মীকুপ অতুদবু ঐহাকপু ঐনি নীংশংবা ওমজরম্লবদি অদুক থৌনা লৈবা ঈতৌত্থদা মহাক্কী নমচুদা ঐগী ইথুংনা মতৌ অছম শোক্লগ পায়রুবা ওমলমগত্রা ? ওমলম্লোই। কদৌগৈ— ওমলম্লোই। অদুবু মীকুপ অদুদা ঐহাক পুম্নমকপু কাওথোক্লুনা ইথুংমক্ক ঈবেম্মগী নমদা পায়রুরে। ঐগী থুংথমচুদা ঈবেম্ম কন কুইনা— অয়েংপা লৈরমদনা— তুগীন লৈরম্লগা ঈবেম্মচু থীক থীক য়াম্ন থরায় তানা নোকলকলম্মী। করিগীদমক অদুক থরায় তানা নোক্লীবনো থংদে। মরম থংখিদে— অদুগা করিগুম্বা ৱাখল অমনা ঈতু ঈমান চুগুহনখী। ঈরালচু য়াম্ন থুগ্নবা মীকুপ্ত ঈশানা খংজরক্লনা হকচাংসি থক থক নীকখী। য়ুম্নবেনবী অমগী মতীক ময়াই লৈরবী হকচাংগী কয়াংতা ঐগাক লমচৎ লাল্লুরমাম্নে হায়বসি মীকুপতুদতা খংজরক্কুম থম্মোইদা অকিবা ফাওরকখী। ঈরালচু থৈদোক্লবগীদমক্তা ঐনা— নোকর্সিবচু খরগং হস্থরকপা ওাইরমল্লগা ঈবেম্মদা হংবগুম হায়জে—

"ঈবেম্মা— হকচাং নমজৌ হায়বীখিদরা ঐবু ?" খুৎ শক্তোকচৈ।

"ঐস্থ মচু খল্লী" ঈবেম্মনা থল্লাই তানা থীক থীক নোক্লচুনা মথা তারকই— "মচুগীনি নোকলীবসি। নথুক্তগ— থরায় পানবগুমজে— নত্তরা" হঙলকই "ঐনবু ননাক্ত ফম্নরবদি হকচাং নম্বা ?" হংলকই "নত্তরা—?" নোকতুনা লৈখি।

"ঐদি হায়বীবোই নীংজরুরে—।" ঐনা হায়—

স্থমীক্তগ ঐহাক—। ঐহাকপু লাইনা কনবীখিবা নত্তবরা ?

ইম্বম থা মন্নুংগী থৌদোক অমস্থ নীংশংলক্লে। ঐহাক অথাবা কৈজুপতু নাক-য়েং কম্নি অমত্ত অহোবা লৈতনা য়েপশঙ্করচুনা। ম্লঙশিং চংহন্দনা লুম্না হীপচবনী। করিগুম্বদা অৱাঙলোমদা অদুগা করিগুম্বদা মথারোমদা ওম্ন ওম্ন য়াওম্নীংলকই। অদুবু য়েপশনলিবা কৈজুপ'তু কারগনী থন্দুনা য়াওনবা লৈতনা তুমীন হীপচৈ। তুম্ব য়াখিদে।

ৱাখল খরতং খন্দুনা লৈখি। খেংদী খেংলে— ঐহাক নীংশংলী। লমজাওগী মমাং থংবা, তুরেল খোংবান ভাবদা (লৈকায়হুদা) অঙাওবা অমা লৈ। অসিগুম্বা খেংলবা অহিংগী মতমদা হেক হেক লাও-খোওলম্মী। অহীংহুদগু মহাক্ল হৌনা হৌনা পেম্ম পেম্ম নোকলখি। মহাক্কী খুনোক্ক ভাবদা মানা নোক্লীবনী খংন খংনা— অতাব খুদিংগী খম্মোঈদা অকীবা, অহুগা তুজুংবা কাওহনলী। অমুক নোকপহু ভোক্তনা— মতমশাংনা কাম্নরগা—অচিকপহু থুগায়হুনা—ঐহাক্কী ভহুগা খংনৈ— অহুগ খংনৈ— হায়রহুনা মপুন্সিদ তিম্ন-খংনম্নকপা অহুগা চাম্নরম্বা মীশক-শিংগী মশীং থীওমদ্রবা মমীংশিংহু লাইরীক থীংম অরেম্ম লৈতনা থীহুনা লৈ। ঐহাক মাগী মন্নাগৈশিংহুদা অহুক হাক্ল খরায় লুপ্ন তাক্লবা নত্তে অহুবু চীক্লবা ইস্থম অহীংহুদদি মখোঙ্গেলহুনা মপাঙ্গন লৈন-লৈন, হৌন হৌনা ঐগী নাকোংদা ভারম্মী। মাগী মখোঙ্গেলহুমু তাগুম তৌ, ৱাখল খরমু খনগুম তৌ মফম অমা ঈখং খংদনা হীপ্নীডৈ ঈবেম্মনা ঐগী কাগী খোংজীন-নাক্ত লেপ্পরগা ঐবু কৌরহুনা হায়রৈ—

"চাওবা— তুমলবরা নংবু— ?"

"তুমজদ্রি— ।"

"লাও— খোরকউ— মপান ফমলুসি। ভাদ্রা—অঙাওবসি কম্ন কম্ন লাওরিসে ?"

"মপান্দ—" ঐন চেপখৎলহুনা হওলুই— "মাঙ্গোলদা ঈবেম্মা ?"

"হোঈ— মপান্দা— ঐ ভুম্বা য়াদ্রে। ফম্নীংলকই। ঐবু খম্না শংলুম্নাও।"

ঐহাক ঈবেম্মগী ময়াখং হীক্লোকপা ওমজখিদে। অচৌবা ফি'হু লৈমায় শ্রো-শ্রো চিঙনা ইম্নহুনা খোংহু হাংদোকচরহুনা তুংথ, মাংথ, মপান খোকলকই। মাঙগোলদা কম্মীম্নরমই।

"তুম্বা শুকয়া য়াদে।" ঈবেম্মনা ৱা ঙাংবা হৌরকই "শুকয়া-য়াদে— নহোই ঈবুংঙো হৌদোকপগা ভাবীবা পোৎ নস্ত্রে। ঈশী শীগুম তুম-খপ্রে। ঐবু শংউ।"

ঈবেম্মনা শাগুলবা নীংশা অমা হোন্দোকখি। শাগুলবা নীংশা খুৎহোলদোক্তুনা ঐগী থমোইদা শাফু কয়া ওস্থোক্লা, শাফু কয়া য়ৈখি।

ঈগী থা— নিপাল নী পানবা।

ঐথোয়গী ঈমুং পুবা অনৌবা মীনায় অমা লৌশিল্লক্লীবা অসি ওসি কুমীমুক হায়রক্লে। মহাক মথৌ য়াম্ন চীনলী। ওহাক হাংবগা মহাক য়াম্ন ৱাববা মতৌ মীথুংফম কাদ হীপই— অদুগা করিগুম্বদনা তুমথোকচবা য়াওই। অযুক খুদীং মহাক ঐনা থোগবা চাক চায়— স্নুমিদাগুনা মযুমদা হনখী।

শুজিঙ্গী— কালেন লোইবতং মঙায়গ্রি— যান্না ঈশৌ লাওনবা মতম্মী। ঈবেম্মনা (নোংথী নোংমংজ্ৰবদি) ঈশৌ লাওনবা অয়ুক মুও-থীলগী মতম পুম্না— অৱংবা চিনা সিলিক্কী লৈমায থোগুনা— চথ্লবা অঈংবা ফিজোলদু শিজরৈ। ঐহাক মাগী কাদা লৈ। ওস্থোক্ল শীনগ্রবা হৈ মহীদু মান্নু-ঐস্নু গিলাস অমমমদা থকমিন্নবম্মী। হৈ মহী থকপা লোইবদা ঐঙোন্দা হঙলকই—

"থকপা লোইরব্রা —?"

"লোইজরে—।"

"অদুদি—" মমায ওস্থোক্লদুনা "কুদামশিংদু লৌথোরকউ— লাম্ব কওদে।"

ঐহাক— মাগী কমলাক্তদা মরৈ। লাম্বা কওদে। থম্মোই শোক-খিবতনা মতমদুদা ঈবৈসিনা— শুপগী ৱাহৈ অমফাওবা থৎ-ওমখিদে। মহাক নীংশংলকলমাল্লে ফমথরক্লে— হায়রকই—

"ফংলব্রা— ?"

ঐহাক তুমীন লৈ। কুদামশিংদু অমমমতং ওইনা লৌথোকই। মীৎকী পি! তাগ্রসন্ন।

শগোলশেন —।

করিনো নোঙমা নোঙমগী ওইনা ঈথৌনানা মাংথরকপা অশুম অশুম্মক হেঞ্জল্লক্লমাল্লে—ঈবেম্মগী মফমদা অশাওবস্থু-শাওদবস্থু— য়ানীং-বস্থু-য়ানীংদবস্থু ডম থায়রক্লে,—, মহাক্না হায়বহুত— মহাক্ন তৌবহুতা— ঐগী পুন্সি, ঐগী লম্বী— অদুগা ঐগী অপাম্বা ওইহুনা লৈরক্লীবসিনী— !

হুমিদাঙ— ।

ঐহাক ওইথোকপা ৱাঙ'মদা লৈঞ্রবা ৱারী অমা নীংশংলক্লে। মতমদুদদি ঐহাব তশেঙ তশেঙবা মীওইবা হায়বহু ওইরি। পাথং পুঙকক ক্ষাগৎলকপা (চ'হি ১৫-১৬) মতম'দুদা লীকোন শান্নফম অমদা ঐহাক্ক তনৌবীগা য়ান্ন চীক্ল ৱারী শামিন্নখিবহু— । মহাক মঙায় ঐনা ঐগী পুন্সিদা - স্থুংশি ৱাহৈ থরতং ঙাংজ শকচহৌবা । ঙাংজ-শকচখি কদৌগদগে— খোঙকাপ অমফাওবা থাঙজনবা ঙমহৌদনা মীওইবগী পুন্সি— অদুগা শক্তম ঙম্নমক মাঙখিবনা হানখরে । মহাক্তনী— পুন্সিগী মন্নুঙদা —য়েঙবগী পেনবা নাইজখিদবী শক্তম অমা—মহাক্কী শক্তম-হুৎনী, হুজীক্তী— ওইররোইদবা মং অমনা ঐবু করেম্নররে—। অদুগুম্না ৱাখলহু — শা-ঙাদগী হেম্ন তোনথ্রবা ঐগী থম্মোঈসিদা লৰী লম্ফাংননা চ'লক্লে— চংলক্লে অদুগা ঈমীৎকি মীৎয়েং খুদীং ঈ'বেম্মগী মশকপু মীকুপ খুদিং থানা শেৎনবা লৈতনা উদুনতা মরৈরক্লে। ওইথোকপা হায়বনা করিনো— ওইদবা হায়বনা কারনো— ঐদি— মাগী মশক অসিদবু পেন্ন পেন্নবা য়েংজনীংবনী। ঐহাক থম্মোঈদা ঈতীক চাদবা ৱাখল করিত্ত ফুমজদে— । করিস্থু ফুমজদে— মায়থোংসি পেন্ন, পেন্ন-পেন্ন য়েংঙজনীং-বতনী। মায়থোংসি পেন্ন, য়েঙজনীংবতনী ।

লাওবন থা—। নীপাননী পানবা।

ঐহাক কদায়দা লৈরিবগে? করম্বা লম্বীদা খোংদারিবনো?

ঐ কনা অমত্তনম্থু যোঁওমত্রবা লাইরৈপাক্ক মাগী দোলাই'থু তোঙলহুনা, খোঙ্গালগী মশক ওইরবা, মনম চেল্লবা লৈগী পাবও পরেঙহুনা ওক্ক লৈতেঙলহুনা, লাইরৈপাক্ক থুঙলরিত্রা? অত্থুগা, মহু নত্তরগনা, ঈরালনা পুম্ভম থাঙঙমদনা— যে মথুনা, মচীন ভূম্লব। শাঙ্গৈবী ঙিঙখঙনা শো শারব অপুম হনাইনা থল্লবা, অত্থুগা মীৎ তাওহনবা ওম্ন মল্লবা, শুক্ক মল্লবা শরোঙ্গ শাবৈবাক্তা— হিংফম থংদনা, ঐহাক হিঙলরিত্রা? অরেপ্প অমা কৈদনো থংজ ওমলক্তরে—। ৱাখল পুম্নমক মচোই— মচোই মাংলক্লে—।

ঙসি (ভুজাঙ্গী অহিংনি)। ঙসি, লাওবন থাগী— থাংফম থংদনা ওমচাক্লববা— শারনা মুংথিল, (মুংথিল অসিমুক অত্থুগা মুমীৎ অসিমুক চানবী হৈবা— মুমীৎ অসিমুক তমথীবা অত্থুগা মীকুপ খর্বাশ থুগুম অত্থক লৌনম চাওবা বরঙ্গা মুমীৎ অমা পুন্সিনও— লাকখিগত্রা অমুক। লাক্লবোই— লাকহৈবা মুমীৎ নত্তে) ওমচাক্লনা শাববা ঙসিগী মুংথিলদা হৈ মহিথু পুবকউ হায়না ঈবেম্মনা থোদাবীখি। অত্থুগা মন্থুং ঈথং থমবা মাগী চীক্লবা কাম্নুংথুদা— ঐহাক্ক হৈ মহিথু পুশন্দুনা চংজখি। ঈবেম্মনা লৈবম্মিবা ফিভম অথু যেংলগা— থেঙলবা, অত্থুগা মল্লবা থাশিগী অচৌংগুম থম্মোঙ্গনা অকীব। অমহুং হঙ্গোইবা পোকলম্মী। মশা পানবী হেলোইগুম ঈমীৎ পেল্ল যেংজনীংবা পোকলম্মী। অঙনবা অযুক্কী মুমীৎকুম চীং লেম্বী ওইবম্মী। মৈম্নুঙগী মাগুম তৎক্লংম্মী। হকচাংথু অত্থুগা হকচাংগী কয়াংশিংথু ওম্নমক ফিবক্লমদ্রে। থংদবা নত্তে— ঐহাক চংলক্লে হায়বা থংলবনী— অত্থু মহাক গুপ্পগী খরতংম্ভ চেকশন খোমজনবা লৈত্রে মত্তমথুদা— ইশানা থঙ্গখি— "ঐহাক মীওইবা অমা নত্তে। থম্মোঙ্গ—মতৌসিদা— নহাক করিগী অত্থক ওক্লা থোক্লী।" ইশানা মীওইবনী থঙ্গ— নাপল'নজহুনম্থু— মশীং য়াম্লবা মীওইবগী কাংবুনদি ঐহাকপু মীওইবনী হায়বা কনানম্থু য়ানদ্রে। হুইদগী— নত্তরগা মৈঙান

লৈত্রবা অমম্ব কা-দ-গীশু হেন্না থৌ'ওইনবীদ্রে। মফমসিদগী— অতুকী মতীক থুনা চংলিবা মথৈ— ঐগী অফবা ওইগনী। ওইগনী— থম্মোইগী লৈতাবা ফঙগনী— কৈদৌঙৈ মীওইবনী খঞ্জরুবা ইশাগী নাপল কায়রে'ই, থঙ্গে, অতুবু খোং থাংবদি পোকঙৈদগী খোংথাং হৈরক্তবগুম শুপ্নগী খোংথাং অমতংসু থাংতুনা চংথোকপা ওমখিদে। ঙহাক খঞ্জাননা খোং-জীন'নাক্ত তুমীন লেপ্লীঙৈ— মমায় লৈথোরকপা তৌরক্তনা ঈবেম্মনা হায়রকই—

"কৈদৌরে— হৈ মহিছু থক্লসি পুশন্নকউ— "

ময়াথংনী। ঐহাক চংশন্দুনা ঈবেম্মগী মনাক নক্ত লেপচখি।

হুপ্ন মরাং কায়না, শুরু হৌরবদা, হুপলক্তদগী—লৈ অমনা লোৎ-কনী হায়বা লৈতনা ফোঙনা থিনগৎলক্তনা, য়াম্না ৱাঙনা, মতোমতা, তরং তরং- মীৎয়েঙশিংগী মমাংদা ফুগাইনা শাৎপগুম হুকচাংগী কয়াৎশিংবু চেকশন্ন খুমলম্বী মফি ফিজোলশিং হীক্তোক্লমতুনা সরা শন্ন চাইন— অহুগা পৈতুনা লৈরবা ফমথক্তদা ঈবেম্মনা শেৎনীং চানীংঙায় লৈজদ্রবী কনাগুম্বী অমগুম— কয়াৎ খুদিং ফিবক্লদনা— ফমথক্ত হীপ্লতুনা লৈরম্মী। করিনো— কনানবু লাংলিবা য়েংহৈদ্রবা কুমৈনা ? য়েঙলুঙৈ—থরতং তুং-জরম্বা ঈরাখল পুপা হুকচাংদ পকখিদবগুমগ্রে। খুৎনা পায়রিবা হৈ-মহিগী লীক্লী'তু লৈমায়থক্ত থাদখিরম্মী। (কাযদি কায়দে) মথোলতু তারক্লগা ঈবেম্মনা মমায ওনশল্লক্তনা ঐঙোন্দা হংলকই—

"নখুৎতগী লীক্লীতু তারে খংদ্রবরা নং।"

ঐনা খুনগৎলি।

হৈ-মহী থক্তরে। কনানতু হৈ মহীগী ৱাফমতু হৌদোক্লদে। ৱাফম অমত্তসু ঙাংনদে।

ফনা কুইনা কান্নুংতুদ। চীক্ল লৈনরম্নগা ঈবেম্মনা কাগী থোংশিংতু চেৎনা লোনশিল্লম্মী। ওম্নমক— চেৎনা লে'নশল্লম্মী। মৈ থানদ্রবা অহীংগুম মমলকলে। শকথেংনদ্রে। মহাকী মখুৎনি হায়রদি ঐহাক হংই— খু'জগা লোইনরবী মথুত্তনা ৱাহৈ অমত্তসু হায়দনা— অমম্ব মরক্তদা

শা ভাদগীসু হেন্ন ভোল্লবা ঐবু খুৎ পায়গুনা চিংবীরম্মী—। চিংবীখি,—অত্থগা চিংবীখি—। ভসি'সি ঐহাক পুন্সিগী কাওররোঈ। মংলা তাই-বঙলা ঈশানা খংডমজরক্কে। খংদে কদৌনী— পুন্সিগীদি কাওররোই। থৌদোক অত্থ থোকল্লে, থোকল্লে ঈশানা য়াজদে। হৌগ্রবা মীকুপ অমগীদমক্তা হৌগ্লে হায়না ঈশানা থাজবা ভমজগ্রি। খংদে, খংবা ভমজদে, ঐহাক্কী পুন্সিনা করম্বা ঈথৌদাং অমা পাংলীবা। থৌজালগী মঙাল অমা ফংজরক্লীব্রা নত্তরগা মপোকথীবগী মহৌশা কংকম থোকপা পুন্সিগী অরোইবা ঈরালগী চৈরাক্ত্ন ফংহনবীরক্ব্রা ?

থাংজ—।

কোক ভাওবর্গা লৈনা অমা লাইচেন্নগদৌগুম নুমৎ নীনী গুরে কোক'সি উরু উরু ভাওত্থনা লেরক্লিবা—। ফবা লৈ৻ে।

লৈবাকপোকপা—।

কনাবুগু খংহন্নীংদনা লোৎলকপা—ভসিদি য়াখিদ্রে। ভম্নমক ঐহাক হকচাং ভমদে হায়বাস খংনথরে। য়ুমগী মীনাইনা হায়—ঐনা কপ লাওরত্থনা "।শগদৌরে কনবীয়ু" হায়না কম্ন কম্ন লাওরকই হায়না। তশেংন, ঐহাক খংদে অত্থবু কোকসি কম্ন ভাওরক্ত্না ঐহাক শিগদৌ-গুম— থম্মোঈ য়াম্ন পীকথরকপা— মীকুপশিংত্থদি ঐহাক নীংশংলী—অকীবগী মশক্কী।

মেরা থা— তরানিথোইনী পানবা—।

ভসি অসিতং হকচাংন থর হুংঙাই। চাক চানাংবা পোকই।

মেন্না খা কুনমাপলনী পানবা—।

মা-ঐ নকশন্নবা ওসিদগী অমুক হৌরে। থম্মোইনা থল্লী— ঈন্নালগী মশক্কী হায়না। য়ান্নিবা মখৈ থাপ্প লৈননবা হোৎনৈ। য়ান্নিবা মখৈ মহাক্কী মশক উদনবা হোৎনৈ। ওন্নমক অরেম্বত তাত্থনা— মহাক্কবু য়েঙ-জনীংলকই। তমথীরবা লমচৎতু চেমায়শিংসিদদা অমুক ইশল্লরোই।

শজীবু—। মঙানী পানবা—।

ওসিদি অকীবা মুমীৎ অহু অহুগা মীকুপ অহু হৌখিবা থাবুম ৯ হায়গৎলক্লে। শাওলবা থাজৎশিং অসি লমচৎশিং চৎনদনা হৌহনখিবা নত্তে অহুবু তমথীরবা লমচৎশিংহু ঐহাক্ক চেমায়শিংসিদা ইশল্লরোই নীংখিবনা অগুক কুইবসি ঈশল্লক্লবনী। ওসিদি থুং অসি খামওম-লক্লে। নীংশং নীংশংলুবগা— থোদোকশিংহু ইশল্লোই ওমলক্করে। কাওখিবনা অৱাৎপা থর য়াওরবস্থ— মাগা-ঐগা লমচৎতুদা চৎমিন্নখিবা অয়াম্বা— নীংশংবদা থোকপা মুমীৎ মখৈদি ঈশল্লগে থল্লে।

মেন্না—।

১ মুঙথিল—
২ মুঙথিল—।

হিয়াংগৈ—।

৩ মুঙথিল—(পুং অনী— নত্তরগা অহুম —কানুঙ)।
৪ মুমীৎ য়ুঙলকপা— (ঐগী কা মঙ্গং)।
৫ মুমীদাং অমা (ঐগী কা— ঈবুংঙো হল্লক্লিবৈ)।

পোইন্থ— ।

৬ মুণ্ডথিল— (রেডিও তারয়দগী) ।
৭ মুণ্ডথিল – (ফম'থক) ।
৮ মুণ্ডথিল— (ঐবু হন্ন হন্ন কৌরকপদগী) ।
৯ মুমীদাংৱাই – (য়ুমগী মীনাই হনগ্রগা— ঈবেম্মগী কাম্নুঙ) ।
১০ কৌশল্লগা— মমাম্নবী ময়াম লাকপদগী তোকখী ।
১১ মুমীৎসিগী মুণ্ডথিল— ।
১২ মুণ্ডথিল— (থা লোইরমদাই) ।
১৩ মুংথিল— (ঐগী পাঙগম্না খ্বাইদগী হেন্ন চোকখিবা মুমীৎ) ।
১৪ মুণ্ডথিল— ।
১৫ মুণ্ডথিল— (ঈবেম্মা অঙাওমীগুমখি হনবা লৈখিদ্রে। থারোই) ।

ৱাকচীং— ।

১৬ মুণ্ডথিল— ।
১৭ ঙহাক্লং লৈরগা— ।
১৮ অহুমলক শুবা— ।
১৯ অথেংবা অহীং— (মাঙগোল) ।

ফাইরেন— ।

২০ অহিং— (কোন্নুংগী কাংশি থীংলকখি) ।

লমদা—।

২১ মতম থংদ্রে—। নোঙমাইজীং মুমীৎ— ।

২২ নুংথিল অমা— (মাগী কা মমুংদা মা-ঐ মুমীদাংবাইরম কাওবা লেনমিন্নরম্মী)।

২৩ অথেংবা অহীং—।

২৪ নুঙথিল—।

২৫ নুঙথিল—।

২৬ নুঙথিল—(মনুং শংবা কা)।

২৭ নুঙথিল— (ঙসি তরানিথোইরোম শুখরে)।

মা-ঐগী অরোনবা লমচৎকি মশীং মসিতনা মপুং ফারমলগনী ছায়বা ঐহাক থাজদে। কয়মরুম কাওথিবা য়াওরমলগনী। নীংশংভুরগা মংগুম থাজদবা পোল্লী। অকী বাখন্ন হকচাং পুললী।

শজীবু থা—। ইরাঈ—।

ঐগী থোংদা তেক তেক কাপতুনা য়াম্ন তুমীন্ন হৌদোক্লে। নোংয়াঈ মতুং পুং অনীরোম তারমলগনী। ঐগী কা মনুং।

থাংজ—।

ঙন্নমক নীংশংলুবগী অবীগা কোক্তিংডৈ— ঙরাংতশু মহাক ঐহাক তুজুংনীংডাই ওইরবা লমচৎ অতু অমুক চৎমিন্নখরে—। ঙন্নমক শীংথেক শীংথা পাক্নরগা ঐহাক ঈতোমতমক তুজুংজৈ। হরাও বাখন্ন থম্মোঈবু থুমহৎলকই। য়াই চুরবা অতুগা তমথীন্নবা লমচৎসিদা ঈবেম্মগা ঐগা কয়াদা কুংনা হালেঙবা লৈতনা— লমচৎমিন্নরক্রবা! খল্লুরগা— ঙন্নমক নীংশংলকলগা— হৌরবা মতুং হুজীক্তমক থম্ম ঈনা অকীবা পোকলক্নমী। ঙন্নমকসিবু নীংশংলক্লীবা অসিমুক করম্বা বাখনগী থৌইনশিন্নো? পুন্নমকসি নীংশংলকুডৈ— ঈবেন্দবু ঈবেম্মা— হায়না চীন্ন

কৌজ হায়ঙবা ওমলক্ত্রে। থম্মোইনা নী ঙবা ওমলক্লরে—। মহাক্কী মকমদা অবী হঙ্গোইজরম্বা ঈৱাখল পুম্ব— ঈফমদগী অস্নুম অস্নুম মাংথবক্তে অতুগা মশকপু উরকৈ, ওন্নমকপু নীংশংলকৈ— শুপ্নগী মুংশি ঈৱাখন্তমক মঙায়াহৌবে। ঈকাই খুম্নীংবগী ঈতৌ অমুক হন্ন উৎনীং-লক্তরে। মাগী থৌগন—ঐন করম তৌগদগে— তৌফম থোক্তে হায়না থম্মোঈনা ৱায়েন চুম্ন ৱায়েনলক্তে। মহাক্কী মফমদা ঐনা নোঙ্গবা— নোঙ্গকম থোক্তে। হৌখিৎগুম— ঈখুং অসিনা ঈখা তাবী মাগী মফি ফনেক কদৌম্নুং শুফদে। শুফদে।

ম্নমীদাং— ।

ৱাখল অসি হোংবা লৈত্রে। থম্মোঈদগী মুৎপা লৈরক্তে।

নিংথৌকাবা— ।

মহাক্ক তৌ হায়না থৌদাবক্লবদা— করম্বা থবক্নো— ঐনা তৌরোঈ হায়গদবা। হঙ্গাইবা অতুগা হঙ্গোইদবা— করম্বা ঈথৌদাংনো ঐনা নাথৈ ওমগদবা? ওমলকপা ময়াথংতু ওাক্ক চৎচবা তাবনা। সিনা মপানথোংগীনী— অতুগা থম্মোঈনদি হঙ্গোইরবা থৌদাংশিংতু পাংনীং-দবনা— যাবিমথৈ নাথৈনবা হোৎনৈ। মহাক্ক উনদ্রবদি— মঙোন্দগী থপ্ন লৈববদি— মহাক্ক ঐগী ঈফমদা হঙ্গোইরবা থৌদাংশিংতু থৌদা বীরক্লোই। মরমসিদগী— ঈমুং অমত্তদা পুম্ন লৈমিন্নতুনগু ঐহাক য়ারি-মথৌদ মহাক্ক শকথংনদনবা হোৎনরবনী। কান্নওদগী মপান থোক্তনা ঈতোমতা লৈবক্লবনী। যুমগী থবক শুবা মীনাইনা অরোনবা থোংদা মখুৎনা নমহুনা ঐবু হন্ন হন্ন কৌরম্মী— ঈবেম্মা মশামক লাক্তুনা মশীং লাকওমদনা কৌরম্মী— পুম্নমক তানা তানা তাশন্নদবা শারহুনা অয়াম্বা মতম ঐহাক কাম্নুংদতা লেপ্লক্লবনী।

যুম্নশকৈশা — ।

থাও শুঙকমন্নগী অতুগা মীপুংশংদগী মী কাংবু থরা লৈক্লে। মী কাংবু শিংসিনা— হিঙ্গোল-শম্বল পুরা তনান-তনান শেম্ভদোক্লম্মী। মরমদি মরো নোঙমাইজিং মুমীৎ অসি— ঐখোয়গী যুমদা মনিপুরগী অচৌ অশাংমথৈ পুন্ন চাক চানগদৌরি।

ঙমীদাঙ—।

ঙসাই মথৈগু, মীয়াম্ন লাংবদা মহাকপু অমুক ফাওবা লৈতানা য়েঙজবা ফংজখিদ্রে। হুজীক্কী থবক নোম্বা লাকলম্বা মীপুম্বা হুম্নখ্রে ঙমিদাং ওইরে— অতুবু মহাকপু অমুক্তফাওবা উনবা ফংদ্রে। করিগীদমক্ত মহাকপু অসুক য়েঙনীংলুরিবনো? করিগীদমক্তা মহাকী শক্নমবু য়েঙঙ্গরোই থল্লুরবা ঐগী থংম্মাঙ্গনা অশুক ঈখৌ লাঙলক্লীবনো। ঐহাক কান্নংদতা লৈরগে থন্দুনা অশুম্মক কান্নুঙদতা লৈ—। অমুক্তংদি য়েঙগে থন্দুনা — মীৎয়েংনা— অহোবা থোঙসিদা মহাকপু মুনা মুনতা য়েঙজুনা লৈ, ঐহাক লেনফম থংদরে।

নোঙমাইজীং—।

হুজীক্কী মীনীলতনা চন্নাংনরমলবা ঈমুং অসি উনগু ৱাইগুম চীকলে। অন্নাং-অনীল পুম্বা থাপ্ন-থাপ্ন চেন্নথরে অতুগা ইবুংঙো মোতি ঈবেম্মা অনীমক মৈঙাম্ন তব্বুঙহল্লবা মখোয়গী কান্নুঙদা চীক্ল চীক্ল ৱারী শারম্বা তোক্লহুনা হীপ তুম্নথরে। মুপা মুপী ওইবগী কেনা নাওইনরবা খোঙ্গেলগী চিবোম্নবা ৱাগৈশিংহুগী মহুৎ হুজীক্কী— পুম্ন য়াহীপমিম্নবা অমদি য়াওনমীম্নবগী য়াওন-শান্নমশিংহুৎং য়াম্ন তপ তপ

ভারে। ঐগী কান্নুভসিদা ঐহাক হীপভম তুমভমদনা লৈরে। করি ৱাখলবু থন্দুনা ঐহাক্ক তুমভহন্দ্রিবা ? করি ৱাখলবু থনবনো— ঈশানগু থংজদে। মীকুপ খুদিং ৱাখল, ৱাখলগী ৱাখল মক্তনী। মীকুপ অমদা ঐগী ৱাখল্ল উরম্মী— ভসিগী য়াম্নবা অতুগা থেংনরবা মাঙ্গথোং শকওং অমদি শক্তমশিংগী অচৌ-অশাং ময়ামত্থ। থরনা মপুক মপাঙ ফগাদবা মানবা, থরনা চীং লেমগ্রবা, কিগ্রবা অছুগা থর‍া অমনা য়াম্ন মুঙতুক্লগনবা মানবা। করিগুম্বদনা মুংশি-ৱাখলনা নোঙথাংগী মতৌগুম ঐগী থম্মোইদা চংলকলম্মী। মুংশি ৱাখলগী মতাংদদি ঐগুম্বনা কনাগুম্বী অমা লৈজখিবা লৈহুনা কনাবু ঐগী ওইরম্মীদকো হায়না নীংশংজনীংঙাই লৈগদগে—। কনা অমত্তগু লৈজদে। গুপ্নগী তনৌবী, মঙায়। মহাকগু— ঐনতা থঞ্জখিবীনী—। মহাক্কম্থু থরমথৈদি ঐহাকপু থনবীরমগনি— অহুবু ফোংদোকখিবা লৈতবনা মা-ঐ তোঙান তোঙান অছুম্মক মরৈনথি। অদুগা মতমহুদা— থম্মোইনা তনৌবীতবু নীংজখিবগুম ভসিদি ঐহাক্কী থম্মোইনা মংনি থংনা থংনা মহাক্কী শক্তম-সিতবু থাঙম-লাপঙমদনা য়েংজনীংলক্লে। ঈবেম্মগী শক্তমবু অঙ্ক শেংন শেংন করিগীদমক উরক্লিবনো ? মরম লৈতে—। লৈতে— অতুবু শক্তমসিনদি ঐগী ৱাখলগী মীৎয়েং— মীৎয়েং-মীৎয়েং খুদিং— থৎতুনা লৈরে। মুৎপা লৈরদরে। ঐবু ৱাহল্লরে। শন মপুগা— মনা মশিং লিঙজ-থাজবা হিঙগোল মপুগা— থামঙমদনা থৎন-চৈনরকপগুম, মুংশি ৱাখম্নরক্লগা— লৈবাক লৈমগুম্নবী ঈবেম্মগী মশকপু করিগীদমক্তা ঐগী ৱাখল্ল, উরক্লিবনো— করি মরিবু লৈনহুনা ৱাখল্ল মাবু লামশল্লুবনো, করিগীদমক মাবু ঈথৌনরক্লিবনো … … … … ? ৱাখল পুম্নমকসিনা ঈপোম কম কয় হৌনরক্তনা— মহৌশানা পিদোম্নজম্নবা ঐগী থম্মোইবু মায়কৈ চাম্ম চাম্ম থোক্ক চিঙথায়বীরক্লে।

নিঙথৌকাবা—।

য়ুমগী থবক নোম্বা মীনাইনা কোয়চেন চেনলদুনা— ফত্ত-হৌদি খোমদোকই— য়াই মুং শীংতোকই— মশাদা অশংবা লৈজদে— অদুগা ঐহাক্ক খোংনা খুৎনা লাম্বা ফংবা মফমদা য়াম্ন তপ্ন তপ্ন— ওয়াং চাখি-থকখিবগী লুখাক চগুমশিংদু মচি মচি খুদিং পৈশল্লুনা থমই—। ঐহাক্ক ঈথৌ লোইরদুনা ওহাক ফম্লিঙৈদা চেক্কী ফক্লাংদুগী য়াংমদা মুপা অনী—অনীথক মুগুক মুগুক য়াম্নী শানবা'দু তারম্মী—। অহানবদা মুপা অমদুনা করি হায়থ্রবনো ঐ তাহৌদ্রে। খুমলকলিবদুদি ঐখোয়গী থবক নোম্বা য়ুমগী মীনাইনি। য়ুমগী মীনাইনা শোম্থাংননা হায়রকই—

"থংদে— অসিংদম্বা মীওই অসিবু করি কাননবা ঈমুংগী মীনাই ওইনা থমলিবনো—? মমীংতা মঙায়রে— করিগু তৌবা ঙমদে—।"

ঐহাক্ক তাখি। তারমদবনা য়াম্ন হেন্ন ফরম্বনি। তাক্লরগা মীকুপ থরদি ঐহাক থম্মোঙ্গী অসি ঙমথৈ থেঙন শোকখি। শোকখি। থম্মোঙ্গ শোকখি, অদুবু অচুম্বা য়াফমদু লাক্লবদদি ঐহাক ঈশানমু য়াজবা পোকচরকই—

"ঐগুম্বা অমবু করি কানগনি খন্দুনা নত্তরগা করি কানফম লৈদুনা চাওরবা য়ুমসিগী মীনাই ওইনা থমলিবনো ?"

থুমিদাঙ—।

থুঙ্গীক্কী থুমিদাঙ ওইরে। য়াম্ন থেংলে অদুগা চীক্লে। ঐহাকপু মীনাই ওইনা লৌশললিবা অসি করিগীনো হায়রন থনবসি লেপ্প লৈরক্লে। মরম থরত্তংদি উবা ফংজবক্রে—

ঐহাক— মীনাই অইতেন তৌ য়ারোইদবা—ওদ্দোক্ক কুপথ্রবা মকুপ মতাই ওইবা ঈমুংসিগী থবক কয়' তৌদুনা লৈরি।

ঈমুং ভসি ক্নাওবদা থু'না চৎচবা ভমত্রব' কৈদোউভেদস্থু ঈমুং অসিদগী অরোন অথুপ্প পোৎ-চৈ অমম্ভ হুরান্দুনা, থাপ্প চৎলরোই। ঈখুভ শিন্নরকাওবদা ঐনা ম্নমসিদগী পাক চৎখিগনি ওইথোক্কে।

হুভ'গোইনব্রবা, খোঁদাং কযা ঐনা ভৌভুনা লৈরি, মুশীগী ফনেক ঐনা শুই। করম্বা মীনাইনা য়াগদগে—? হেক হায়রুবা মুমিত্তা ভোম্নবা মীম্নাইদু কৈগুম নত্তরগা নোংশাগুম পাভগদ লৈখৎলক্ক্‌না মুম্মুরেনবা অমম্নং ম্নুম্নুরেনবীগা কম্না খৎনরকনি। ঐদি কদৌউভ— অয়েৎপা শীদনা— হুভগোইরবা থবকশিংদু ভৌভুনা শিভমত্রবা পুন্সিবু নাওকোন্দুনা লৈজে।

ঐদি থা-থাগী ওইবা শেঙ্গা শীদে—। শীবগী কানবশু লৈতে। মখোয়দি শেঙ্গা শীত্রবদি যুমসি থাদোক্কুনা চিংনদনা চৎনখিগনী।

ঐদি মা'গী চাম্নববা মকপ (ডাক্তর বাবু) অমনা চেকশম্ন শিম্নবী-রকপনি—। অতৈ মীনাইদি ঐগুম মবী'মখোং থিবা ৱানৈ।

ঐদি মপু নীংবা হুইগুম হৈজবত্নী—। মা'খাযদি পুক থম্নবা কোযনা শেন তানলিবা মযুম মকৈ লীভলিবা মতু'মচা পানবা ভাক্কনী।

ঐদি ঈ'বম্মনা ফনেক শুরু হায়রকপদা "ও! তোনখরেদকো" হাযনা পম্মোঈদা খঞ্জগনি অত্থুগা অযেৎপা য়াওদনা খোঁদাং য়াজগনি। মখোযদি, মত্থুম হাযকদা—তিন শিংনবক্কনি—মথৌদাংত্থ খোংপাক্ক কাও-থোক্কম্নগনি—। অত্থুগা মুপা ওইবা মপোক্কী মায ভাকলমলগা ভম-থীবব' যুম অসিদা মপু'ক্সগী ওইনা খোভগুল তা'নরক্কবা ভম্নগদবা ভাক্কনি।

হুই অমনা যুমদা যাম্ন কানৈ—।
মীনাই অমনা যুমদা য়াম্ন কনৈ—।
অত্থবু মাম্নইনগে হাযবদি কৈদগী য়াগদগে।

ভা মচাশিংগী নত্তরগা ভ মুশিংগীদমক্না খোংবান থঙীবগুম ভৌই— ঈশিং শামু'শিংগী নত্তরগা পাক চাওরবা ফিরালনা মমায থেৎপা নিংথৌবেলগী হিজাওশিংনা, তপ্প তপ্প নত্তরগা কম্ন কম্ন হোন্দুনা

'চৎনবগীদমক্তা ওমথৈ থেওওমত্রবা অপাকপা ঈপাক থম্বীরম্বগুম ভৌই। 'ঈশীং ওাক্তনী মাম্মৌ' হায়বদি কৈদগী য়া'দগে।

কৈদৌঙৈদম্ব য়ারোই।

অত্তুবু ওম্মকসি কোংদোক্তুনা মহাক্তা চীন্দা পাওদা খৎনরুত্বনা করিবু কাম্নগদগে। থৌনা ফুংদাক্লীংদে। হায়নীংবতা হায়জসম্ব। থৌনাশিংসি নীংথীনা তুংশল্লগে। অরেম্বদা মাংহল্লোই। হয়েং করি-গুম্বদা ঐগী পুন্সিবু শেম্বীরকপা নোওদম্ব-চীংওু মাগা শকথেংনওমলকপা থোকলবা—তুংশল্লিবা অরৈবা ঈংথৌনাশিংসি পুথোক্তুনা শিজন্নত্বনা, থোং-দাকম লৈত্রবা তাইবংসিদা ঐবু ইত্তৌ অগুম পোকহন-হীংহনবীররিবা অসিগী মরনত্ব খিগৎকনি। য়াম্ন নীংঙাই চাওথ্রবা অঙাংগুম— মানা তাক্তরি ফাওবা ঐহাক থক হনবা লৈরোই। মতমত্বদা মহাক্ন চানবীত্রবা— মরমত্ব তাকপীদ্রবা— ঐহাক অশাওবা পুম্বা কোকখিত্বনা লেপ্তনা শিন্ন-রকপা ঐগী মীৎলুগী পিরাংশিংত্ব তরং তরং মাগী মকমদা উৎচত্বনা চংন্নগনি—। মত্বদম্ব মহাক্না চানবীত্রবা— লেপত্রবা ঈমীৎ মিৎলুগী পিনা, তৌওম্নবা নোওদম্ব মাগী থুয়া-থম্বালবু চামথোকচগনি। মত্বদা মহাক্ন পেনবীবা ওইসম্ব। নিজগনি— "ঐবু য়াম্ন থুনা মথংগী মপোক্তা লৌশনবীরো— অত্বগা— তিন-কাং ওইনবু পোকহনবীরবম্ব ঐগী লোংদবা অশেংবা ঈশক অমতংদি পিনবীয়ু নংনা।"

ঈঙা থা—।

নোওজু থানা কুমওম্নরক্লবদা ময়েক শেংলম্বী 'তিয়া, অমওবা নোওহৌ মপৈ-মপৈনা মচি-মচি কুপশন থঞ্জন্নরকপগুম ঈঙা থাজং-নরক্তনা অমুকও ঈঙা থাগী মচেংনরম্বী থাজনা মীওম তৌওমজত্রবী মত্তৌ মকোয় মাম্নরক্লবশিদদি থম্মোঈ অসি মহি চেন্নবা মৈন্নুংগী

য়োংকুম মহি ঙাওনা শৌদোকলম্মী, মতীকচাবা মচিঙ্গাক চাবা ফংজববা— ঈপুন্সিবু ঈশাম্না হুম্ন-হুম্ন তোয়না-তোয়না য়েংজরকই, অদুগা ঐগী থম্মোঈ, হকচাং অমসুং ঈরাখল, মখোয় পুম্নমক্পু অম্না থুদম্ন অসুম অসুম চেৎনা-চেৎনা লাকশল্লে।

হুমিদাও—।

ঈথৌদাং লৈরিইঙৈ, মীয়াং মীনিলনরিইঙৈ, ঙম্বুক মুঙথীলগী মতম-দদি থম্নীংঙায় ঈরাখল ঈরৈ লৈরমদবগুম তৌই। অহীংগী মতমসি ঙইরক্লবদি তুমীন কন্বা অদুগা হিপ্পসিদদি কৈ-কৈদগীনো মশীং লাক-ঙমদ্রবা রাখলশিংনা থম্মোঈ অঁসি ফুনগৎলকই। করিগুম্বদা হরাও মুংঙাইবগী রাখলসু থল্লকই। মখোয়দুদি মথৌনা য়াম্ন লৈতে—, কুইন পুন্সিবা ঙম্নদে— অদুগা মশীং য়াম্না য়াম্নদে— মরমসিনা মশিং য়াম-লবা— অদুগা থৌনা লৈরবা অরাবা রাখলগী মপৈ মপৈরক্তা য়াম্ন লাইন তিনশল্লখিদুনা মুংঙাইবা রাখল থরক্তুসু থৌনা লৈরবা অরাবা রাখল ওনখি। অয়াকপা থুমহিনা থল্লবা থুমহিগী ঈপাক্তা ঙচম্বা ঈশীংগী থুজোক মঙা-'ম তরা-'মতং হৈজল্লুবা— অয়াকপদা অদুম্নক তিনখি।

ঐগী হরাও মুংঙাই রারীশিংগী মথুংদা অয়াম্বা পাক-চাওরবা লমদি অঙাং ওইরিইঙৈগী মতম্ন কনশনখিরম্মী। ঈপা লৈরিইঙৈ অদুগা ঐনা য়াম্না পীক্লিইঙৈ- স্কুল তমলিইঙৈ— ফীক্রেৎ চাকচাগী মরমদা অদুগা পাখং ফাগংলকপগী সুপ্নগী মতম থরক্তং— মতুংদদি ঐহাক্কী পুন্সিনা মায়থীবা ফঙংদবা পুঙকম'তুনি। মদু লাকখিইঙৈ ঐগী পুন্সি অদুম্নক অরাবতা অদুগা নীংঙমদবতা— করি কান্নে পল্লুবগী? অদুগুম্বা শাংলবা অরাবা রারীশিংগী মরক্তা য়াম্ন থাজদনা মুংঙাইবা রারী অমতং মচীন তুমখৎলকখি— অদুগুম্বা মুংঙাইবা রারীদু— পাক চাওরবা ঈমুং অমগী মতীক লৈরবী য়ুম্বরেনবী অমগা, ঐগুম্বা— হিঙলুবগী অমুক কারক্রবা তীন কাংগুম্নবা মীশক অমগা, কোও'ফদবা

অৱোনবা লমচৎ অমা হাৎলেংবা লৈতনা লেপ্ত-খমদা চৎমিন্নরক্লিবা 'সিনি। মসিদা— মীওইবা অমগী ওইবা পুন্সিগী শেন্দোংতু ফংজরে হায়না থম্মোঙ্গীনা পেঞ্জরকই—। পোকলকপগী মহৈ য়াঞ্জরে থঞ্জরুই— অতুবু মসি পুন্নমক অৱাফমতা অমুক ওইরে।

মপুৱোইবা ঈবুংঙো মোতিন' য়ুমদগী কয়া হেন্দোরক্ত্রবসিদদি— ঈ:বেম্মনা মহৌশা' মতৌ—ঐবু মনাক্ত কৌশনবীদবা হৌরক্লে। মহাক্কীদি য়েৎচক্কম লৈখরে— ঈথিলত্তুগী কোক্লফম লম্বী ফংখ্রে। ঐগী দি সুপ্নগা মহাক্তনী। মহাক্ত ঙায়জরম্বদা— মহাক লৈত্রবসিদদি— মশোং কাংলবা ঈৱাখলতু কাংলক-কাংলকপা থুদিং ঈশা:না লৈখা 'ভান— নমথজগদবা মঙায়রক্লে। মরমসিদগী শরৈবা ঐগী ইথোনা পুম্না শিজন্নজত্নুনা ঈ:হৌরক্লিবা তমথৗরবা ঈৱ'খলবু নমথনবা বন্ন হো'ৎনংবই। হুঞ্জীক্লি তমথৗরবা ঈৱাখলতুদগী নাম্বোকচতুনা অমুক ঈখৌ লাংননা থাংম পুঙমদবা তৌদ্রে। অতুবু হকচাংদগী ঈথৗল ৱাখলতুনা কোকখিতুনম্ব মহাক্কী মতং সুংশি ৱাখল ওইনা থম্মোঙ্গীনা তুংতুনা লৈ:হৌরে। মঙাকপু পু'ন্নগী লোইনগী ওইহনগনী হ'যনা থম্মোঙ্গীনা মৱক মৱক কেমশীংলকপগুম তৌনক্লে। ওইরোইদোনা ৱাফমনি। হায়দোক্তুনা মী তাখিবদি লাইৱি—ঈশানা ঈশাদা তত্তনা চৈহৎচৈ —। চৈহৎচৈ—। চৈহৎচৈ কদৌনী— ৱাখলতুনা মীন্নংশি হৈত্রবা মতৌহুদা কোকপা লৈতনা ঙসিফাঙবা ঐগী থম্মোঙ্গীনা পশন্দুনা লৈরে। ঐবু নীংতমংন্দ্রে।

মথংগী অয়ুক—।

ঐনা হায— "চৎখিগন্ন— মতম থৱা লৈমিন্নসি—।"

মানা হায়— "লৈনীংই— অতুবু চাওবা ঈনেম ঈকুতুনা সুংঙাইৱরোই— চৎথ্রগে।"

ঙসি সুমীৎ মৱিনি লৈৱগা য়ুমগী থবক নোম্বা মীনাইতু তোকখিবা তারবনি।

য়ুমশকৈশা —।

ঙসি অসি মহাক্কী চাক্কৌবা থুমীৎনি। য়াম্না মুঙশিনবা মওংদা মহাক মীনাই ওইবা তোকখি—। মুংশিকমম্ থোকই— মহাক্কী য়াম্না তপচবা অতুগা ক'য়জদবা মীশক্নী—। চাক্কৌবসিদা মাগী মুপী অতুগা মচা মরীথক পুন্থনা লাক্নী। মথোয় য়াইরিপোক্ত (মাগী মুপীসি য়াই-রিপোক নীঙোম্নী) মকু মনেমগী মনাক্ত (মুপী ময়ুমদা) লৈরুগদবনি।

ঈরাঙ্গী— ।

য়ুমগী মীনাইগী মশক উরক্কবা অসি ঙসিদি থুমীৎ নীনী-হুম্নী হায়রক্লে। মহাক তে'ক'খিবা থুমীত্তগীদি ঐগী ঈথৌ মহৌশাগুম মশীং য়ামথৎপা হৌরক্লে। ঐনা ঙমদবা থবক কয়া অমা লৈরে, মথোয়-তুনা ঈবেম্ম মশামক্ত তৌরে। মহাক্ত ঐগুম ইমুংসিগী থৌদাং থরতংবু পুবসি উবগা ঐগী থম্মোঈনা কৈদ্গীনো হরাও তয়াম্বগুম তৌর-ক্লিবা— অতুগা অপেনবা অমা ফঙলক্লিবা'সি?

মুঙথীল— ।

ঈবুংঙো মোতিনা চংথোকখিবতং ঙাইবতুনা ঐহাক কামুংসিদা ঈথৌ লাওন। লৈরক্লি। মরম—? মবম লৈ। থযাৎ মীংমুক্লবা চীংমুংগী কৈনা নওরগা অগুকপা উমংগী কৈনা মীওইবগী মহাও কাওঙমদবতনা য়াম্না ঈথৌ লাংনা চীংমুংতু নত্তরগা অগুকপা উমংতুগী মকম থুদিং কোয়না কোয়না চেনচত্তুনা নাইতোম তাহৌরবা মীওইবা অমতং থীরকপগুম মাগা (ঈবেম্মগা) হকতীনমিন্ননীংলকপঃন। ক'ওঙমত্রবা লমচৎতুনা। মথুগী মৈশাক্তুনা— থম্মোঈবু ঙসিদি থাংঙম পুঙমদনা ওৎপা হৌরে।

ঈবুংঙো মোত্তি চংথোকখ্রে—।

অদুবু মহৌশাগুম মহাক্ন ঐবু কৌশনবীরক্তুরে। ঐহাকি মশোং কাংলবা ঈথীল চৈনাসিবু ফাথরক্লনা, ঈবেম্মনা কৌরকপতং ফম্ম বানা ভাইরক্লনা কান্নুংসিদা লৈ—। কৌরকপা লৈরক্লবদা ঐহাক ঈশানা মৈচাক পুনা পুনা ঈবেম্মগী কাগী কান্নুংদা চংলম্মী। কান্নুং য়োরম্মী— য়োরে কদৌনী— ঐহাক তুমীন মরৈজখি। মশক উক্লবা ফংলে— ফংলে কদৌনী— ঐহাক থাংজমদনা মুনা মুনা য়েঙজরক্লনত লৈখি।

অহীং —।

থাজমদরে। চৈনা অদু করিগীদমক ঐবু শকথংনহনবীরম্বগে? শকথংনহনবীরমদবনা— মপোক তোল্লবা ঐগীদি— হেন্ন ফবা নত্তরা?

নিংথৌকাবা —।

য়াখল অসিতা থন্দুনা হুমীৎশিংসি হৌরক্লে। থনদবা ঙমখিদে। করিগীদমক্তা ঐবু অশুক মৈচাক পুহনবীবনো? নহালই মহক্ক তত্তনা ঈগীম্নবা ফংহনবীরিই— তত্তনা হকলোয়নবীরিই— কদৌই ঐগী থম্মোঈনা য়াহংসি হংগে থল্লমদে। হুজী ক্ৰী— মপুরোইবনা মতম মরাং কায়না য়ুমদা লৈরক্লবা অদুগা তোয়না নাওকে-নাওইনবা ফংলক্লব-সিদদি ঐবু অচীকপা মফমদা কৌশনবীরক্তুরে। মতমসিদা— য়াহং-শিংসি থম্মোঈনা হংদ থংদবা ঙমলক্তুরে— তমথীবী মতৌ লমচৎ অদুবু করিগীদমক্তা ঐঙোন্দা মানা মতম থরদংগী ঙইনা শিন্নবীরম্বগে? ঐহাক থংলে— মপুরোইবনা মহৌশাগী মতৌ হোঙনা— অরোনবা

লমচৎতা থরায় য়াওশল্লক্লবদা— মাওস্থী অমনা মতম থরতংগী শান্নপোৎ ওইরম্বা— ঐগুম্বা অমবুদি কৈদগী নীংশংবীরগদগে— ।

মতম থর্বা মহাক্ল ঐবু লমচৎমিন্নবীরম্মী— । মরম থরগী মখাদনী মতুদি । ঐহাক মরমশিংতু থংই— ।

মহাক নুপী ওইবাগী ঈহৌবু—
অতুগা চৈনাবু খাংঙমগন্দবীনী ।
মহাক করাম চাওবীনী— অতুগা নাহেগনবীনী ।
ঈথীলগী মৈচাক তোয়না পুগনবীনি ।
ফিগোম্নবীনি— খুউ-খুবোম থাগনবীনি ।
ইথীলগী ঈহৌনা মীকুপ হাংদবীনি—
অতুগা খাংঙম-পুঙম হৈতবীনি ।
লমচৎ কাম্বীনি ।
য়ুম্বাল নাইদবীনি ।
নীংনা লৈতা-নীংফম্নগনবীনি ।
থরতং শোনবা ফিজেৎ ফিগাই, পোৎশক থেংনরগা,
থম্মোঈ লাঈহো কান্ন মৈচাক পুগনবীনি ।
অতুক হাকনা মরাখল চেত্তবীনি ।
তুম্নবী নাতোনগী মতোম্দা অতুগা নাক্লমদা
মরীক মরীক্লবী হুমাং তোয়না তোয়না কাংগনবীনি —।
মথা লোইশন ঙমদবী— থাবুম্নবীনি ।
মনাক নকপা, চৈঙাক নত্তরগা থোংজিন্নচিংবদা
হকচাংনা তাংজবী ওইনা— ঙাথু থেংথুগনবীনি ।
অরোনবা থাখুমফি— মকালাম্না উহনবীনি ।
ঈশৈ ঙঙবদা, থোম্মোক্ল চুম্ন ঙঙগনবীনি ।
মপুরোইববু লাইগুম খন্দোক ঙমদবীনি ।
নুংশি মৈশা লাংলক্তবীনি ।
অতোনবা মীশক উরগা,

মীয়ুংশি ওইবা ৱাখল চেন্নজ্বনা—
খরতংদং ওইরবস্থ খম্মোঙ্গনা নোথ-পেংথ ওমদবীনি।
অনৌবা ফিজেৎ চাকচেং'তা খরাই লুপচবীনি।
মীৎয়েং তন্দমবীনি।
চানবান খোইমুগুম্নবীনি।
ৱাঙাং মকে পুবীনি।
ৱাখন য়াওদনা— মীচান মীওক হৈবীনি।
মমীৎ ৱারক ওমদবীনি।

ঐহাক খম্মোঙ্গনা য়াজৈ—চৈনাহু কোক্লনবা— মতম খরতংহুদা মহাক্ক ঐবু হুকলোয়মিন্নখিবনি। য়ুমগী মীনাইগদি লমচৎমিন্নব্রগা করিগীদমক্তা ঐগা লমচৎমিন্নব্রিবনো— ? মরমহুস্থ ঐনা উবা ফংজৈ —। মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা চংজফম খোকপা খরশিংহুগী ৱাংমদা লৈঐবা লমচৎ ওইখিবনা লমচৎ অহু নত্তরগা মৈচাক অতু কোকহল্লু হায়না ঈবেম্মনা য়ুমগী মীনাইদা খক হায়খি চংখিদবনী। ঐগী ঈফমদদি— মহাক্ক অতুগুম্বা পন অহু খায়বীখিদে, খায়ফমগু থোক্কে— ঐদি তিন কাংনি। হুইনি অতুগা হোৌদোংনি। মীওইবা মংশিন্দি করিগুম্বা মতমদা লমচৎতু চংনখি নত্তরগা ভাংনখি হায়না— নোংম নত্তরগা নোংম কন'না খংবা ফোংদোক্লরকপা—। ঐদি ৱাথোক্লফম ওইরবা ৱাহৈশিংহু বৈদগী ভাংথোক্লগদগে—। পুন্সিগীগু ওইথোক্কে।

ঈংেন থা —

ঈঙা থাজৎ হৌখিহুনা হুজীক্তি— ঈংেন থাজৎনরক্লে। হুজীক্তি চৈনা'হুনা ঐবু অহুক হাক্ল থাংওমদবা মৈচাক শীরবা ওমদ্রে। নীংদি নীংশংলকই— অহুবু কৈগু লৈতনা খন্দোকপা ওম্লে। অহুদি— ঐহাক লমচৎ চুমদ্রিবয়া ? লমচৎ চুম্লে হায়না খঞ্জে।

থাংজ —।

তোলহন (অনৌবা য়ুমগী মীনাই) গী মুপীত্থু লৌয়াইদগী (ময়ুমদগী) অচৌবা মাইরেল অনী পুরক্তুনা য়ুমসিদা লাকই। মশক ফজে। তপই।

নোঙমাইজীং —।

ঙসি অসি ঈবেম্মগী নোঙমৈ কাপ্প চৎপা নুমীৎনি। ঈবেম্মখোয় মুপী ময়ামগী ওইবা নোঙমৈ কাপ্পগী মরুপ অমা লৈ। ঈবেম্মনা শোযদনা মকোক ওইরক্কনি হায়না কয় থাজত্তুনা মথুৎ চারবা নোঙমৈত্থু অওনবা অযুক্কগী তরুনা লৈরম্মী। মতৌত্থু ঙহাক য়েঙলম্লগা মায়’সি লৈ’থোক্লুন। ঐহাক ঐগী কাহুও তম্ন অত্থুমক লাক্লে— মরমদি মশক অসি য়েঙলু’-য়েঙলুরগা থম্মোঈনা মীকুপ খুদীং নৌথবতা ওইরকই —।

নিংথৌকাবা —।

ঈবুংঙো মোতি অমদি ঈবেম্ম অনীনা য়ান্ন ভুমীম্ন য়রোনবা য়ারী অমা ঙরাং মুমীদাং শাখি। অকীবা ফঙলবা মশীং য়ামলবা শেনগী মপৈ অমা মফম থংদনা মাংখিবগী য়ানী। কনাগী শেম্নো, কনানা মাংহল্লিবনো? ঐহাক থংখি’দে। ঙসিদি য়াফম’ত্থু তশেং তশেং ফোংদে’ক্করক্লে। ঙরাং অহিং মীপুংশংগী মেমেজরত্থু লোম্ন চেনথরে —। ময়মসিদগী মীথুংশংদগী পুৎথরমলিবা লুপা লিশিং ম্নিপান অসি মহাক্ল হৈনখিবদা তাররবনি।

লৈবাকপোকপা —।

"ফংগনী নীংদরে —।" ঈবেম্মনা হায়।

ঈবুংঙো মোত্তি তুমীন লৈ।

ফি শেৎলদুনা অদুগা কারগু থৌরদুনা কৈদনো চৎখি। ঈবেম্মগা ঐগতা মঙায়রহোরে।

মুমশকৈশা —।

মুমীৎ নিনী-দুমনী অসি ঈবুংঙো মোত্তি মুংবংনবা মতৌদা লৈরম্মী। শেলদুগীদা— নত্তরগা করম্বা ৱাখলগীনো মদুদি চপ-চাবা থংদে।

মুঙথীল —।

"মীওইবা হাযদসি" ঈবুংঙো মোত্তিনা ৱাখল থম্নদুনা হায়— "থাজকম লৈত্তে। পুন্নমক ঐবু হাৎনবতা ওইরক্লে।"

"হাৎপ্রেদনা কমদৌনি—।" ঈবেম্মনা খুমই।

"করিনো—" ঈবুংঙো মোত্তিনা হংই—"করিনো নংনা হায়রিবদু?"

"শেন্দুবু হায়রিবা—। লিশীং নীপান্দুনা —"

"নত্তে—।" ঈবুংঙো মোত্তিনা মরক থৎলকই— "মাগী শেন্দুগী ৱা নত্তে। মদুবু হেনব শেন কয়া— শরুক চান্ন হেন্ন পীবা ভমখিগনি ঐ —।"

"অদুনবু হায়জবনি —"

"মদুগী নত্তে ঐনা ভাংলিবসিদি— ঘায় পুকচেল পীকপা অদুগা থাজবা মাংহনবা 'সিগীদমক্তনি—।

তুমীন তুমীন লৈলৈ—। ঐগু—।

ঈবুংঙো মোতিনা অশুম হায় চেনথ্রবা মেনেজর'হুদা, অদুবু ৱাহৈদুদি ঐঙোন্দ পাল্লম্মী। অপান্না হায়রক'কুম ঐগী থম্মোঙই শোক্লম্মী। মনাক নক্ল লৈঙমজল্লক্তে। ঈশানা ৱাক্তে— "ঐগুম্বা ভীন কাংদগীসু হেন্ন ত্তোনথ্রবা অমনা ফাওবা মরুম্বী শাদুনা থাজবা পুম্ব মাংহন'ঙম্মবা অসিনদি— মীওইবা মশেন্দদি অমুক হায়রুত্তুনা কান্নরোই।"

ঈরায় —।

থা-মথায় অমরোম হেন্নল্লক্লবা মতম অসি ইবুংঙো মোতি শেন-থুমগী মরমদা ৱান্ন কুপশনবা মুপা অমা ওইরক্লে। ঈবুংঙোনা হায় —"শেন হায়বসি কোমথোকপা ইয়া ৱান্নমদরে" মরমসিদগী শেন-থুমদা অদুক হাক্লা কুপশল্লমদবা মীশক অমা ওইনা ৱান্ন চম্ন লৈরম্বা— ঈবুংঙো মোতি— মুমীৎ খুদীংগী শেন-থুমদা পান্দুনা লৈরক্লে। পুম্নমক লোইরমাক্লে— ঙসিদি অচিকপা কানুংদা ঈবেম্মগা— ৱান্ন চীক্লা ৱারী শামিন্নদুনা— য়েঙলু-য়েঙলুবা মায়কৈ খুদিং শেন্দ পুংথরম্বগী মরমদা নৈনদুনা লৈরম্মী। ঐহাক্লা তুমীন তাদুনা লৈ। হুজীক্ত চপথংলুবদা পুংথদুন লৈরম্মবা শেনশিংদু ঈবেম্মদা তমলম্মী—। চেক্লোনগী— মুতিগী চেল্লীবা বস অনীগী— থাওশুংকমগী— লাইরীক নমকমগী অদুগা মীথুং-শংগী— পুম্নমক্কী ওইনা পুংথরমলিবা শেনসি পুম্ন লুপা লীশীং তরা-নীথোই— হেন্তক লৈরাম্ন। লীশিং তরানীথোই— !! তাবত্তদা ঐহাক থুক লাওখি। করম্না হনগৎকদোরিবনো খনখি। অদুবু শেনসিনা মুৎখহনবা ঙম্বা ইবুংঙো মোতি নত্তে। হনগৎনবা হোৎনবা চহি অনী চংব থবক নত্তে হায়থ্রবত্ত ঐহাক খংই—।

নোঙমাইজীং —।

পুম্নমক অরেম্বনী— ঐনা ঈথৌ লাঙলিবদি "নংগী চেংলৌদুত্তনী"

হুমীদাঙ—।

লোম্ন-লোম্ন থম্মোঈনা, পেম্ন-পেম্ন য়েংজে।

থবানথা —।

ঈমুং মন্নুংগী থোক্লীবা অম্না-অনাগী মরমসিদা ঈবেম্মদি য়াওশন্দনা লৈথোকই—। ঈবুংঙোনা মরম্নাই তাগুম পুংথরমলিবা শেন-থুমশিংসি ফুকৎনবা মতোমতা লেপ্তুনা অকনবা থবক পায়খৎলী। মরমশিং-সিদগী ঈবুংঙো মোত্তি মগৌশাগুম মথৌ চীনবা থবক শংদবা হুপা হায়বদে। অমুক ওইরক্লে —।

নোঙমা ঈবেম্মনা হায় —

"অগুম্না পুন্সি লেনবসি হুংঙাইবা থোঁদো নত্তে—। পুম্নমকসি য়েঙশন্নবা অকক্নবা হুপা অমা থা-থাগী শেঞ্জা পীতুনা থম্নসি— ।"

ঈবেম্মগী ৱাফমসিদা ঈবুংঙো মোত্তিনা থুমখি—

"অকক্নবা মীশক অমত্ত নত্তে— মরী-মঙা (৪/৫) থমলিবসিনি, মেনেজরশিং —। মেনেজরশিংনা য়েংশল্লকপশিংতু ঐনা অমুক হন্ন য়েঙশনবতনী— ।"

হায়রিবসি অচুম্বনী— মপু অমা ওইবগী তৌদফদব'তুতং তৌবনী। কা হেনবা থবক নত্তে। মসি ফাওবা য়েঙশন্দ্রবদি ঙম্নমক মাং-তাকহন্নব শীনবগা চপ-মান্নরগনী। অচুম্বা ৱাফমসি লাকপদা ঈবেম্মতু মথা তাখিদবনী। ঐন হল্লী— "অনি'সি য়াম্ন খেন্নরে— অতুগা খেন্নরবা, মীশক অনীগী থম্মোঈ নত্তরগা পুন্সি অনীসি তরাই-ৎরাই তিশন্নবা ওইরোইদৌরি ।"

শগোলশেন— ।

ঐহাক্ন পামজবদি থরতং লৈজরিবা খম্ব-ঙম্বগী ঈরাখলশিংসে তুম্ন মাংহনবীবনি —। য়াম্ন থুনা ঈমীৎ অনীমক তাংহনবীবনি— ঈনা-নাক য়েৎ অনীমক পংহনবীবনি। য়াম্ন থুনা···· · য়াম্ন থুনা পুন্সি অসিব

মতোল লোমহনবীবনি—। করিবু কানবা ঐহাক্ক অসুম অসুম হিংহুন লৈবগী—?

ঐহাক কপচবতা—, মী-পোঙ থংখী উখীগনি হায়না লোম্ন লোম্ন অরেনবা মফমশিংদা— অদুগা খোঙ্গেল থোক্তনবগীদমক্তা খোঙ্গেল কাজন্দুনা হীক্ক-হীক্ক কপচবতা মঙায়রে— ঈমুংগী থবক অমত্ত নোমদরে—। ঈথৌ তৌদে হায়না ঐহাকপু শুজন্নবা ঈওক অসি পায়দুনা ঈমু সিদগী ইম্বোকপীরবা— ঈমুংসিদগী নত্তে— পাক চাওরবা তাইবংসিদগী য়াম্না তামথ্রবা করম্বা মফমত্নদনো— ঈওক পায়দুনা ইম্বোকপীবনা ঐগী অফবা ওইরোইদ্রা? ঐহাক মহাক্কী মীকুপ থরতংগী ওইবা শান্নপোৎনি মসিদি ঈশানা খংজখিবা ওম্বোক্ক কুইখ্রে। খংলবমক্তদা করিগীদমক্তনো তমথীবী মাগী মমায়থোংসিদা ঐনা অসুক তোয়না তোয়না থম্মোঈনা অসুক লুৎন লুৎন য়েংনীংলিবা অদুগা মংগী মতৌগুম "হন্দক্কী মপোক্তদি থুংনররোইকো—" হায়না থল্লক্ত্না মহাকথক্কীদমক্ত থম্মোঈনা য়াম্ন শোক্ক ইথৌনা ফুদোক্ত্না অসুক হীক্ক-হীক্ক কপ্লীবসি? থম্ব-খহুক্করুরগা কপচবগী মহুৎ হশানা ইশাদা য়াম্ন তোম্বনা খেঙজরক্কই—চৈহৎচরকই— অদুগা ইশ ইতোমতনা ইশাবু য়াম্ন থরায় ত'না-তানা পেন্ন নোক্কজরবই—। ঐ থংই পুন্নমকসিগী হৌরকফম লৈ—

ঐবু অসুক ৱাহনবা—
ঐবু অসুক তোম্বহনবীরম্বা—
ঐবু অসুক নীং'ঙমহল্লমদবা—
ঐবু অসুক হিঙকম খংহনবীরমদবা—
করম্বা নুংশি হৈত্রবা— পুন্সিবু শেম্বীবা— নোঙদম্বনো?

লৈপাকপোকপা—।

অসুক কুইবা অসি তশেঙনমক শকথেংনন্নবগুম লৈমিন্নরে। অদুবু ওসিগী থেংলবা অহিংদা মহাক্কা ঐগী অয়োন্নবা, কাগী থোংনাক্ক লেপ্পরগা ঐবু কৌরদুনা হৌদোক্লমী। ঐগী ফুম্বংনন্নবা, তাংদাঙবা

খোংনেৎকম খ জত্রবা ঈরাখলশিংবু খন্দুনা লৈজবনা, ঐগী ইফমদগি য়ায় লুপ্রবা ঈথৌ অমা ওইরম্মী। মরমসিদগী তাংদাংনভমত্রবা অতুগা মচাইনরবা ঈরাখলশিংদু খন্দুনা লৈবিদুনা মহাক্কী মীকৌদু ভহাক তারু-ত্রবস্থু— (অনী অহুমক শুরমলগনি) ঐহাক মখোয়দলদু তাররম্মী। খোঞ্জেল অদু তরুডে ঈরাখল পুম্বা মাংখরে—। ঈরাখল পুম্বা কায়খরে—। ঐহাক্ক হৌগৎলগা অরোনবা খোংদু হাওদোকচৈ—। মানা হায়রকই—

"ভজীক ফাওবা নংগী নবুংভো লাক্করি—।"

ঐহাক তুমীন লৈ —।

"লাও—" মখা তাররকই— "লাক্তি ফাওবা ঐবু শংলুবাও —।"

ঐহাক তুমীন লৈ —।

মতুংদা চৎলি, অদুগা মাগী কাম্বুং'দু যৌরম্মী। মহাক নীংশা ফুইন-ফুইনা হোল্লদুনা— তরু তনানলবা ফমথক্তদা ঈথৌ লাংলবী শক্রোন্দা ফমথখি। ভহাক হীপলয়গা অভানবা মৈশিংদু ভুম্বা খেগা ওইনা মুখৎলম্মী। কাদু ইমম ময়ে—। ময়দগি মহাক লৈতানা তুমথবা ভমগত্রা? ভমগত্রা? মদু ওইথোকপা যাবোই —। য়ারোই —। অমম্বা মরক্তদা ঐহাক নিংদোলগী মিতুল কাংলকলম্মী। কৈবু উরগা করম্বা উমংদা চাওরকপী শক্তি অমোমনো মিপাইজরোইদবা— অদুগা মমীৎ মনা তথক তথকচরোইদবা? ঐহাক কাসিদা পন্থদুনা লৈনীংলক্কে। ঐহাক্তী তাইবংসিদা লৈরিবা মীওইবশিংগী মরকসিদগী ঈশানা য়ানা য়ায় থাপ্ন লৈজববনী—। মতমদুদা— ঐহাক্ক—মীৎকী পি তানা কপচখি অদুগা খঙ্খি—"কবিগীদমক্তা—অসিগুম্বা পুংজাসিদা— ঐনা কগ্নীবনো? করিগী দমক্তবু ঐনা মুপা খোকপা ঈথৌনা পাংথোকপা ভমদবগে? সিবু হুভবা হৌনবা য়াহংলা—? লৈচিলনা নত্তরগা থাওনগী খোঙচৎনা থাবলবু শুক্লা মমহনবনী— ঐগী পুন্সিনা ঐহাক্কী থম্মোইবু অদুগা ঈথৌনাবু পাঙ্গল খোকহনদবনী—। ঐগী মিৎকি পি তানা শিন্থরিদৈ— ঐনা মবাহৈ মতেক অমত্তং তাথী'গুম তৌই— মতমদুদা ঐনা হায়নীংই—

"অহুক নুংশি হৈত্রবী নতৌ তৌরগনু— ঐহাকী ইপুন্সি অসিবু লৈতানগী শবোক'কুম অহুক ভরাইথ'ক্ল শিজ্জরবগনু —।" অহুব ঐগুম্বা অমনা অসিগুম্বা ৱাহৈ খরতং ঙাংথোকলুববদি তাইবংসি কায়ত্রিবরা— নত্তরগা য়াম্ন অঙকপা য়াওন অমা শীবগুম থোক্লোইত্রা। খল্লু-খল্ল খুদীং অশাওবনু শাওদবনু ঈন্নাৎ মীৎলুগী 'পি-পিরাং শিন্থকমত ওইনা থোক্লরে।

মতম খবা ঐগী খম্মোঈবু অতাওবা ঈন্নাখল খরনা কুপখি—। মহাক্কী থোৎ নৌববী অহুগা ফিবরুপ্রনী ঊনশাশিংগী নুংশিবা মনম, মহাক্কী ঈচু ভানা চামথোক্লবী— মচা তারবী শমলাংশিংগী নুংশিবা মনম্ন ফুঈনা য়াঙলেন তম কামলকপী, থা'হানগৎনবা নিঙশাগী শাযু— অহুগা · ···, ঙম্নক ঙসিদি ঐগী ইফমদা থম্মোঈ ক'যনবগী মশক্ত লৌবরে। ঙন্নমশ, খল্ল-খল্লু ঈন্নাখল পুম্বা 'তিযাগী মঙ'ন ইদ্রনী লৈচিলগী মতৌ-গুম্নরম্মী। নুঙশাগী মঙাল অহুগা ঊন মথো'য়গ ন্নবম্মী—। মাগী হক লোযনক্লবগা, অন্নবা নীংঙমদবা অহুগা অচাকপা ঈন্নাখল পুম্বা ঙহাক্তুদ ঈশীংগী কোঙগোলগুম্নখি।

মশীং য়ামলবা থোংথাংশিংদুদা—মা-ঐ ঐখোযনাগী পাংগলন' কয'দা চোকথঞবা— অহুগা অন্নাবতু কে'ক্লবা পোৎথাবদা মতম কয়া হৌহনঞবা। থোঙগাল য়োরক্লবা কারগী অঙঙবা থোঙ্গেলতু তারকপদা ফিজেৎশিংতু লোইশগ্গরম্মী— অমম্বা কাতু মৈনা ঈবং লংখৎহল্লম্মী—। লৈমায়থক্তা— য়াম্ন কাচিন ওইবা মফমদা ঐহাক্ল তুমীন ফমতুনা লৈ। ঐহাক্তী মতম খুদীং তুমীন্নতা লৈজবা ভাবনী। ঐহাক য়ান্ন তুম'গ্ন কাগী চিদাই'তুদা ফমজরম্মী। মফি মবে'ল হোঙদোকপা লোইরবদা ঐহাক কাদগী থোকখিনবা ঈবুংঙো মোতিনা তাকপীরম্মী। চীংঙ নত্তরগা নোঙদম্বা, মখোয় পুন্নমক ঐহাক্লা ইম্মোকঞবনি— পুন্সিবু কনবীবগীগু, হিঙহনবগীগু অহুগা পুন্নমককিগু। মখোয়গী মফমদা ঐনা হায়জ-চংজগদবা হায়বতুদি লৈত্রে। হৌরকপদগী অশুক নু শি হৈতবা মতৌনা শেম্বীরকলবসিদ।—।

ঐহাক থংলে—হায়জ্ঞ চংজরুবগী করিবু তোঙজগনি অতুগা কৈদগীবু ন্নংশি চানবীরক্কনি। ওইথোক্কবে। মরমসিদগী লংজবিবা ঈব'লসিগীদমক্তা 'ঐবু ঙাকপীযু' হায়না হায়জগদবসি মালেমদবু হায়জসিরা— অতিযাদা, ঈপাক্ত অতুগা চীংজ্ঞাওশিংদ— কনা'দবু হায়জ্ঞসিনো— ঐহাক হায়জকমতু থংদনা তুমীন লৈরম্মী। হিংচাবরা·শবোইরা কনানো ঐগী চংজ·ৱাইবু তাবীগদবা অমতং লৈববদি তাবীসন্নু— লৈত্রগনা, অহুম্বা ম্নংশীংকা মরুপ মপাং ওইতুনা পুন্সি অসি ঙশুম্মক ৱানা-ৱানা মাংথিদ্রি ফাও বদি খাংজসনু—। তানীগদবা কন নো— মাগী নাপ্পদা থুঙনবা চংজ· ঈৱাইহৈশিংসি ন্নুংশিংনা হুমখিসন্ন —।

"ঈবালনা ঈখোংগী খোংথং খুদাং যোমলত্রা ঐবু?
ঐবু কনাগুম্না অমগী মফমদা ঙাকপী হৈতনা লংজরুরত্রা?
ৱাযেনবীযু·· অতুগা ঐবু ঙাকপীয়ু।"

ঐহাকপু ঈরালদগী ঙাকপীবিত্রা? নত্তরগা চৈর'ক চৈতন্নবীরিত্রা? ঐনা থেংলবা অঙ্কিংসিদা ঈমীৎ মা'লু'গী পি শিক্ষবতুনা মরম খ'দে· লৈতে হায়বা থংন খ'ন, মল'ক্ক—মংহান'ডম অশুক থম্মোঈ শোক্ক কপহন্দুনা লৈরিবসি—।

যুমশৈশা —।

শনৌবা লাক্লীবা যুমগী মীনাই অসিদি ন্নুপা থোকপা মীশক অম'নি। ম্নুপা অতুগা ন্নুপী অনীমক্কী পুন্সিযু যাম্ন যুন্ন মশক থংবা মীওই অমনি মাদি। মহাক্তী— নুপীবু ম্না'ম্না নৌনা থনবা, ন্নুপীবু যাম্ন ঈকায খুম্নবীবা অতুগা লৈগুম্ন থনতুনা যাম্ন চেকশনবীবা মীশক্কী—। মহাক মশামক যুমগী মীনাই ওইবতুনসু মাগী ন্নুপীবু'দি কদোইদ অকরুবা মীশক কনা অমগী থোগন তৌহল্লোই হায়বসি মহ'ক্কী পুন্সিগী কন্নাৎ ওইরম্মী —।

মাগী সুপীবুসু য়ুমসিদা মীনাইসুবী ওইহন্নবা ঈবুংঙো মোতি– অত্তুগা ঈবেম্মা অনীমক্ত মঙোন্দা কয়ারক তরে। মাগী সুপীবু মখোয অনিমক্ত ইমু'সিদ য়াম্ন থমনীংই–মরমদি সুপী অত্তু মশা তনান তনানজে– ৱাঙাং শঙাং কজে– মীচান মীওক হৈবী সুপীনি–। অত্তুবু মপু- রোইবা ওইরীবা য়ুমগী মীনাইনা ৱাফমসিদা য়াবা লৈতে। ৱাক্তম অসি য়ানদত্তুনা নেমথনগ্রবা ফাওবদা করিগুম্বা থর ঐঙোন্দা ঙঙত্তুনা লৈ'হৌই। মরমসিদগী– ঐনা ঈবাম্নিদা ঙাইবা মতম ঙাইদত্তুনা হংই–

"করিগীনো ৱাকমত্তুদা য়াদবদি– ?"
"করিগী য়ারুনি– অত্তুক তমথীবাত্তুবো –।"
"তমথীবা– !" ঐনা ঙক্ত হংই– "তমথীবা– !"

"হোই– তমথীবনি–। নহ ক্লি খংলোই–" মান' হায় "ইতু-ইচ বু অকক্লবা কনা অমগী খোগন তৌত্তুনা পুন্সি লেনবসি তেমশিংলিবা মপুরোইবা নত্তবগা মপা অত্তুগী মরাল অত্তু কযাদা চাওগ্রবা–। ঈখুৎনা মখোং শোমজত্তুনা ৱানা থাজহনা পালহঞ্জরক্লবা– হৈবু নত্তরগা লৈবু নমঙম চাঙমজ্জদনা-- লৈমাবদা কৎকদবনী হ'য়বা মতম অত্তু ঙসি নত্তবে থংউ–। ঐহাক, পুন্সি তোনবনা মীগী মীনাই ওইত্তুনা শেন তান্নী– নোং অমা ঙানবদগী মুমীদাংৱাই– শাঙলবা মতমশিংসি মীগী খোগন্ত তৌত্তুনা শেন তন্নী– পুম্নমকসি মাথ'যগীদমক্লি অত্তুগা– ঐগী অৱা- পোংথাফমন্ত্র ঐগী তুপী অমসুং ঐগী ইচানি–। মহাক– নোমজসন্তু লঙ ন'ইজসন্তু অত্তুগা লৈনাং তৈজসন্তু– পুম্নক পুন্সি হিঙনবা লন্বীদা চংনবনী– অত্তগা থোং নৌরবী মাগী হকচাংত্তু–ঈশুং ঈমান্নবা নত্তরগা মম ৱবী লেঙমান্নবী কনা অমগী খোগন তৌত্তুনা কেমহনবদি– কয়া'দা চাওগ্রবা ঈরাললো–। সিবু য়াকম খোকপ্রা –?"

ঐহাক থ'ম্মাঈদা মহাকপু থাগৎচে– ঐনা পামজবা সুপা ফঙলে–। কঙলে কদৌনি– ঐহাক তুমীন লৈ। অসিগুম্বা সুপা অমবু মপুন্সিগী লোইনবা মপুরোইবা অমা ওইনা কংজন্নিবী মহাক কর'া

মমাংগী মপোক অমদা— করম্বা অহেনবা মথৌদাং অমা পাংথোরক-পীনো ? মবাইবক কমল্লি। ঐহাক্ল লুকথরদুনা ওহাক ৱাখন খললি-ভৌদা য়ুমগী মীনাইনা খংহৌদনা মখা শমথরকই—

"ঐহাক য়াবা ওয়ে.ই—। কানদে—ৱারীসি তোকসি" ঐবু মুম য়েওন্নুরমাল্লে— মানা মরী-ঈরৈ লৈনদনা হুওলকই "নং নশাহু ওমদবরা— য়াং ঈকং কংলে— কৈদৌই—?"

করি খুমগনি। খুমগদবা পাওখুমদি ঈমাংদা সিনি খংদনা তাদুনা লৈরম্মী— কদুবু অমত্তং খনগৎ'তুনা ময়োন্দ অস্তুম তৌরে হায়না খুমওম খি:দে। ঈশানদি য়ানীংবা পোকৈ— য়াং কংথরম্নগনি। অহীং খুদীং— অদুগা মশীংলাকওমদ্রবা তাদলকুবা মুংথৌল খুদীং— ঈবেম্মগা হকলোয়-খোংদামিন্নবদা— অদুগা অমুকনু অহীং কয়া— ৱাখন্তনা তুমহন্দবনা— মুপা ওইবা পুন্সিগী ঈরীক মরু ফংনা কংথরম্নগনি—। ঈরীক চেন্দ্রবা কনানা হকচাংগী কয়াৎ খুদ'ং য়েওবা মুংভাইদুনা লৈবগে—। লৈকংলাদি লৈকংলানি। —অদুগা লৈকংলাদি লৈহাও চেন্দ্রবনি—।

অশুক যাম্বসিগী মনুংদা শুপ্নগী অমত্তংদগ পুথোক্লনা খুম্বা ওম-খিদে—। কুইনা তুম্নীন লৈরুরগা ঐনা খুমখী—

"খংদে— কবাম্লো—।"

খংদবা ! করিবুনো ? হবচাং কথবগীরা—মদুমু খংই। পুন্সি অদুগা ৱাখল— মখোযগীমু খংই। ওমমকী মরম খংই। অদুগা— খংদে হায়না খুমখিবা ? মতমদুদা ঈশানা ভাংথোকচখিবা "খ'দে" হায়বা ঈরাহৈসি তারগা ঐগী থম্মে.ঈনা— হকচাং পোলাংসি ফুরদোগুম থারু-থারু য়াম্ন থারু-থারু নোকখি।

শগোলশেল—।

ঐহাক মতম খুদিং ফমথক্তগী হোন্দাক্লীংদে। হকচাং’সি ইনম নমই—। ঈপং পংশল্লী— অদুগা থম্মোঈগী নৌথবা চাং য়াম্ন হেনগৎলে। হকচাং মফম খুদীং চীকলক্লীবা-নায়কলিবা কুইরক্লে— ঙসি ঙবাংসিদগী লেংনীং-শানীংদবা হেনগৎলক্লে—। অসি পুম্নমকসি ওইদুনশু, কনা লৈত্রবা মতমদা ঈবেশ্মনবু কৌবক্লবদি— ঐহাক অনৌবা পাঙগল হাপকৎলকই। পাংগল হাপৎলকই— অদুগা হকচাংন নাহে-নাহেনা— নত্তবগা তুরোই-ঙাম্মোঈননা মহাক্কী মনাক্তং যৌননবা চৎচৈ। মবমদি মাহাক্কী চেঙলৌ’দুতং যেঙলবা ঐহাক— অৱা-অনা ঙম্নমক কাওথোকপা ঙমজরম্মী। কয়াদা কনগ্রবা শকথংদবা লীচিঙনো। ঐহাক্ক থম্মোঈ শেঙনা মুঙশি মিতাজক্করবী মহাক্কী মুঙশিবী শক্তম্নী। মহাক্তং য়েংজ-উজরগা—, মহাক্তংগী শাহুম ফঙজবগা ঐহাক শিৱবস্থ শিখিবা,—মসিতনি। তমথীববী মশাজং অদুগা মতৌদুদি ঐহাক নীংশংলক্তবা মতম কুইরক্লে। ঐহাক থংই— কনা লৈত্রবা অচৌকপা মতমদা মহাক্ক ঐবু কৌশল্লক্লবা অদুগা ঐহাক্ক চংলুরবা— মতমদুদা মা-ঐ লংজ খোংচৎতুদা খোংদামিম্নবম্মী— মহাক্ক খোংলেপ্পবা পামদ্রিফাওবা— ঐহাক মাগী খোংলোয় ওইরম্মী। ঙসিস্থ— ঐহাক অস্তুম হৌখী।

কাম্নং অসি যৌবক্লবতংদা থংক্লে— ঙসিদি ঐহাক তশেংনা নাবে। চরমগী তিন কঙলে— অশাবা ঈনিল কারাক্ক অদুগা হিম্নদ নাহেরে।

থাংজ,।

ঐহাক মুমীং-নিনী শুরে চাক চাবক্তবা— অদুগা মপান থোরক্তবা— করিগুম্বা— থমজঞ্জবা শেন খব-খবতং পুথোকচদুনা যুমগী মীনাইদা হায়জদুনা লৈহজক্লবা অচোয় অপা খরু-খরুতং চাজে। চাক চ’নীংদে।

য়ারিব মথৈ— ঐহাক নারে হায়বসি খংহন্নীংদে। লোৎচবা হোৎনৈ। চাক চাবা শাহুনা লৈ— অত্থগা চাবা য়াত্রবা চাক শক্তক্তু ঐহাক্না লোন্ন-লোন্ন হৈদোক্লম্মা। ঐনা পোপতুনা অসি য়ৌনা নারে তারবদি ঈবেম্মনা ঐহাকপু কৌশল্লরোই। মানবু কৌশনবীরক্ত্রবদি ঐহাকী নীংজ ৱাখল পুম্ব মক্ক ফঙনা মাংখিবা চপ মান্নত্রিব্রা? মরমসিদগী ঐহাক নারে হায়বসি কনা অমত্তস্থ খংহন্নীংদে। ঐহাক অশাবা ঈনিলতনা ৱাখল মাংবা য়াওরকই— অত্থবু ঐনা মাংদবা শাহুনা কাম্নুংহুদা চংই— "হকচাংসি ঙমদ্রে লমচৎতু চংলরোই" খন্দুনা য়েংজনবতংগী ওইনা চংলুই — অদুবু লমচৎতুদা ঙম্নক থামঙমহৌদনা পুনশনখী।

নিংথৌকাবা—।

থুৎ-শা পুন্নমক থক-থক নীকলে—। ৱা ঙাংবা ঙমদরে—।

লুঙথীল—।

ঙম্নক্ক ঐহাকপু নাবে হায়বা খংনখরে
ঐহাব লোৎপা ঙমখিদ্রমাল্লে॥

ৱাকচীং—। লৈবাকপোকপা—।

থা মঙারোম শিদৌঙুম নাক্নবে ঐ। ঙসি অসিদি অঙনবা অথুক্কগী হৌনা হকচাং খরতং মুংডাই— হকীক্কি ফনা মুংঙাইরে— চাক এনশাং মহাও খংলে।

ফনমক ফত্থনমু— হকচাংগী চোকথবদি অত্থক হাক্ক হনগৎপা লৈত্রি। মীৎ-না ক্রোক ক্রোকলি, হকচাংঙ্গী ভম্বা কোকত্রি অত্থগা চন্নমগী

তিম মনীং তম্ন চোংচবা লৈত্রি। হৌগংপদা কমলাকসি পুড়মদবনা ঐহাক নারা ফজুনস্থ মতমচুপ্পা ফমথক্কদা লৈরি।

ঈরাঈ —।

হুমীং হুম্নী-মন্নীনী শুরক্কে অতুবু পাঙগলসি হনগংপা লৈত্রি। ফমথক্কদা লৈ। করিগুম্বদা য়াম্না চংনীংলকপা য়াওরকই— মতমতুদা ঐনা পীক্ববা ঐগী কাগী অকোয়বদা মীকুপ থন্নতং হনগং-ইন্দা চংতুনা শাম্নজে। ঐনা চংচবদি অন্নাবগী মশক্নী—। ফমচং চংচৈ। নীং-তম্ন তিঙথোকপা য়াত্রবা ঈকমলাক ওইবনা খুউ শৌনা ফম্ন ফম্ন চংচবনী। মতুনতুম .খাঈনা অন্নাবা হেনগংহল্লা মরমসিদগী ঐহাক চংনীংবগী চৈন তু ফাথজরতুনা ফমথক্ক ভুমীন ফমতুনা লৈজরম্মী—। কাগী থোংদি য়াম্ন লাওনা হাঙদোকই—। করিগুম্বদা— ঈবেম্মনা শমতুনা লাকপা থোক্রবদি ঐহাক্ন ঈঙকাসি থন্নতং চেপথজরতুনা মহাক্না এগিদমক্তা করিস্থ খনবীদনা চংখিবতু য়েঙতুনা লৈজহৌই। মসি ফাওবদা য়াম্না লোম্ন হুন্নান-হুবান য়েঙজবনি। অশেংবা মমায়থোংনা ঐগী অহাংবা থোংগী মপা-দদি শুপ্নগী মীকুপ অনী ফাওবা ফানা ফোংবীরম্বা নত্তে — ঙহাক্তংনি। অতুবু মতুদা ঐনা পেপ্পবা ফংই। মশক্ত য়াম্ন য়েঙজনীংই— অতুগা য়েঙজরগা থম্মোঈনা পেঙ্গৈ। পেঙ্গৈ— অতুগা থা চীকচন্নকই— ফমথক্তা লৈরিবা ঐনা ঈখুং খুংতুমসি তাশঞ্জে— য়াম্ন চাক্ত ঈমীং মীংলুগী পি শিন্থজে— মসিদি করি মতৌনো ঐহাক থংজদে।

হুমিদাংবাই —।

থা-মঙা মপুং থাক্নবা মতুংসিদা ওসিদি ঈথেম্মনু জশোং-তাশোং মিংচৈপ পেপ্ন-পেম্ন উজবা ফঙলম্মী। উরুঙ্গৈলম্মী—

থম্মোই অসি পেঙ্গরি—
মহ পুবা লীলগী শওগু শওগুনা লৈখুল মহুম শারবগুম—
অৱা ৱাখল্লা মরৈ তম্মরক্বনা ওংলরি।

চনীংনা মকা লামলম্লে। মায়থোংনা পোৎলুমরম্লে। খোংথাং তপ্প থাংলম্লে— মহাক থাবুম মগা থাজৎননা মিৱোলবী ওইহনা লৈরম্লে। থম্মোইনা হরাওবা অমসু পোকচরকই— করিগীনো হায়বদি থম্মোইনা থংন-থংন থংশমদে। মীৎনা য়েঙনীংই—, য়েঙনীংই— য়েঙগমজদে। ঐহাক মাবু য়েঙগমজদ্রে—। ঈমীৎনা য়েঙথররোই।

অহিং—।

হজীক্তী অহীং ওইরে। থেংলে। উচেক ৱায়া ফাওবা খোঙনদ্রে। ঈংখিবনা শুপলুবা কৈজুপ খুদীংমক্তী কাম্নবা থংদে। তুম্না য়াম্রিবা অসি য়াননবগীদমক্তা ঐগী মোন মনাক্তা হীদাক লৈ— অতুবু ঐহাক থক চানীংলুদে। তুমথখিবসু পামদে— মমুৎ তাম্রবা ঈৱাথল অসি মমুৎ তাঙমদনা, নীংঙাইদনা তুমথপ্পগা কৈদনো ঐনা হুংঙাইগদবা?

মহাক মীরোম্লে। মীৱোম্লীবা অসি তাইবংসিদা লৈরিবা করম্না মুপা’হুগী মরল ওইকম থোকই? খল্লুবগী কাম্নফমসু লৈত্রে— অরেপ্প মীশক্ত য়াম্ন লাইনা উবা ফংই— শুগ্নগী মীকুপ অমা ফাওবা লোয়না থেম্নদে। ৱাফম’সি লাকপদা— মীশক অহু ঐ ওইহনা ঈমাংদা ঐগী ঈশক্ক তত্তনা লেপ্পরি। লেপ্পরি— অতুবু মহুদি ঈশা ফাওবনা য়াজনীংদবা ৱাকম্নী। ঐগুম্না অমনবু পাক চাওরবা অহুগা মতীক ময়াই লৈরবা মালেমথকসিদা ঈৱেম ঈথাক ওইবা ঈচ অমা থমলম্না— কনানবু য়ানীংগদৌরি?

কয়ামুক থল্লী—। তং তাবা ঙমজদে। ৱাথলসিতদা অহিংগী অশাংবা মতম— মীকুপ অমতংগুম থোনা লৈতনা হৌখি। তুমহৌদরে—। অহীং অসি হৌখরে। নোঙঙাম্লমদাই— স্না কোম্নুঙদগী থীংলকপ

অতুগা খোংথাং চাওন-চাওন কাম্লক্লবা অঙঙবী শম্লীকী খোঞ্জেলনা, য়াম্ন হৌন-হৌনি, অতুগা য়াম্ন ঙঙনা ঙঙনা তারক্লে।

তুমীংক্তি নোংঙ তান্নগনি—।

অয়ুক —।

কনাম্তু য়াহৌ ওম্নদে। ঈবেম্মস্তু অতুগা ঈবুংঙোস্তু মখোয় অনিমক য়াহৌ য়াম্ন থেংনৈ। কনাগুম্বা অমগী খোঞ্জেল তাদে। ঐহাক কমথক্লে ম্নাথল তৌনা-তৌনা কয়াম কুইবা মতম হৌহনগ্রবনো থংদে— ম্নাথল তারকপদা অহোবা অতুগা অশীকপা থোংনাওগী মখুংশিংদা— অহনবা অয়ুকী তুমীংকি ঈংলবা মঙাল ফাওরক্লে। অস্তুক শাংবা মতম অরেম্বদা মাংহনখিবা নত্তে। ঐহাক্ন লেপ্তুনা থল্লক্লী— মীবোল্লীবা অসি কনাগী মরলনো? মপু অতু মশাং থাঁওমত্রবা মীওইবশিংসিগী মহুংদা কনা-গুম্ব'তুনা ওইহৌরিবনো। তবৈবা ম্নাথলগী খোংথা'তুনা ঐগী মীচং চংবীবা শারতুনা ঐঙোম্লোমদা কৈশল্লকই অতুগা কৈশল্লকলিবা খোং-লৈতুদি ঈশানা থক য়াজবা ওমজত্রি—।

থাংজ —।

ঘুমগী মীনাইতুনা লৈকোনগী লৈ পাম্বীশি তুদা যাম্ন কুপ্ন য়েংশল্লী অতুগা ঐনা অপুংবা লৈ পাম্বী অমগী মখোংদা ফমতুনা পোক্লকদৌরিবা অঙাং অমগী অশেংবা মপা'তু কনানো, কনানা অশেংবা ললসিগী মপু ওইগদৌরিবনো— হায়না কুপ্ন খন্দুনা লৈ। থুংনা, মহুং ফুল্লবা অতুগা মোল্লবা লৈমায়থকী নাপীশিংতু পং-পং থংলমী—। থংলিবতুগী কাম্ন-কমস্তু থংদে— থংকে হায়নস্তু থনলুদে অতুবু লৈতা'ঙমত্রবা ম্নাথল'সিমতং

থবনা হৌংনবদা ঈথুংনা ঈৱাখৈলগী মতেং পাঙথংগদবা থংগা ওইবা তাই। ৱাকমলিদা কুপ্প কন্দুনা তুমীম লুকথদুনা লৈহৈতদা লৈ পাম্বীশিংদু য়েঙলম্বদগী থুমগী মীনাইনা ঐঙোন্দা থংহাইননা ৱাৱী শাথা হৌরকই—

"লৈবাক কুমৈ ওইখ্রেহে ঈবো —।"

ঐনা করিবো হায়না হংগুম মাঙোন্দ য়েঙথংলী।

"ঈবেম্মনা মীয়োম্লিবসিবু হায়রিবা—"মানা মথা তারকই "লৈবাক কুমৈ খেঁক্তোংগুম ঈরাং লাংনরে।"

ঐনা ওক নোমই অদুগা য়াম্ন কওনা থরতং নোকই।

মানা ৱারি শাবা হৌরকপতুদা— ৱাখলপুম্বগী ৱাংমদা ঐন লপ্ল-তুনা—, ঐগী তং-তাবা ওমত্রবা চনৈনরবা ৱাফম অসি পুথোক্নুনা মহাক থন্ন-নৈনগে থল্লকই—। মহাক্ত থরতং চোম্বনা লৈকোনচুদা লৈরম্বা থে ক্রবা — শোয়দে— ৱাহৈ অমতং ওইরবসু ঐহাক মাগী মফমদা ফোংদোকলম-গদবনি— অদুবু নোঙদম্বনা ঐবু কনবীবা নত্তরা, ঐনা ওহাক চনৈনারিডে য়ুমগী মীনাইচু কৈদনো হাথু-হাথু চংখি—। ফোংদোকহৌরে—। হক্রীক্ত তুত্ত চুঙলকই— করিগুম্বা ৱাফম অদুবু পুথোক্নুনা— ঐনা য়ুমগী মী-নাইগা থন্নরম্বা থোক্রবদি— মতমচুদা তাইবংনসু, মালেমসু-তিয়ানসু, চৌংনম্ব-ঋুংশিংশিংনসু, লৈরাংশিংনসু অদুগা— তাইবংসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা-পান্দবা পোংশক খুদীংমক্ক তোল্লবা ঐগী ঈফমদা য়েঙন-রমগদবা মীংল্লেং-লমচং— অদুগা নোক্ত চৈনবীরমগদবা মৱাহৈ খোনফম শিং— ও! শিখিবনা হেন্ন ফৈ। ফোংদোকহৌদবা অদুগা খন্নহৌদবা অসিনা ঐহাক মখোয় পুম্নমক্কগী নাম্বোবচংহৌবনি।

তুমীৎ য়ু'বা মতুং —।

থল্ল থল্লরগা ঐহাক অৱাবা অদুগা নীংসমদবা অমত্ত লৈরক্কব-গুঁই। কনাগুম্বা নতৈরগা কনাংম্বী অমগী মঙ্গদা অৱাঅবদি হায়না খংহজনীংঙাই লৈরক্করে। কনানো ঐগী ঈকমদা অপুক ওমথীনা

লাললবসি ? কনানসু নত্তে—। ঐহাক্না মীওইবশিংগী মরক্তা অশুম পুন্সিনা মীতমলকলিবা'সিতনা ওইরম্মে। ঐহাক্না করিগুম্বা অসিগুম্বা ঈশকশক্তম'সি শকচেন্নতুনা— মীওইলকসিদা লৈজরমত্রবদি— ঐহাক কয়াদা মপোক হেঞ্জরমগনি —।

ফুঙখিল—।

ঐ খংলে— মীওইবনা খ্বাইদগী লুনা-চান্না হোৎনবসি মাগী-মাগী পুন্সিনা মচেল্লম্মে, অদুগা শকথেংনবা লৈতনা মীওইবনা য়াম্না ৱাঙনা থাংগৎচদুনা ঈরাৎচ'রবনা' থরাইতবুনি।

শগোলশেল —।

ঙসিদি ঈবেম্ম য়াম্না থেংন চাক চায়। মহাক্কী চগুমশিংদু ঐনা শেঙগনি। কোল লীকশিংস্থ ঐনা ফেংগনী। মসি খন্নুরগা মহাক্ক চ'ক চাবা য়েঙলম্বদগী— হকচাং পুম্বা থামঙমদনা— অদুগা পুঙমদনা থক-থক নীকসক্ক্লনা ঐহাক ঐগী কান্নুংদা চংলক্কে। চংলক্কে কদৌগনি অদুগা কনাদবু তাইনগানি। ঈশাদা ঈশানা হন্ন-হন্ন তাথী তাওইজবত মথংই। নীংঙমদবা ঈৱাথলনা— নুপা ওইবা থম্মোঈসিবু মকুপ কযা থোক্ক সেগায়বীদুনা অদুগা চৈনাত্তুনা ঈমীৎ মীৎলুগী পিবু লেপ্ত-থমদা শিম্মজবতা মথংই।

ফাইরেন্স থা —

ঐহাক কনানো— ক'বনে — কৈদনো অদুগা কনাগী মনাই— অদুগা কনাগী মপুনো ?

ম্নমশকৈশা— অহীং—।

ওমচাক্লৱক্লিবা অতুগা তশেঙ-তশেঙলে হায়না। লেংব্রবা খুদম কয়াসু ফগুলবা ঈৱাখল অসি ঐগী থম্মোঈনা ঈচং থৌনা চুম্নে হায়না লেপচতুনসু ঈচীনসিনা কাংথোকচবা নত্তরগা থম্মোঈনা কাওবা নাপল ফানা "চুম্ন" হায়না খক খনগমজদ্রি। ঐহাক কনা অমত্ত ওইরমদ্রে। হুজীক্তী ঐহাক তশেঙ-তশেঙ খংবা ওমজরে— ঐহাক অসি ওই-থোকপা ওইথোক্তবা, ঙকপা ঙক্তবা কনাগুম্বী অমগী মপুদি ওইরব্রে। ঐহাক মীওইবা অমনী নত্তরগা হিগুবগী কাম্লব্রবা করিগুম্বা কাংলুপ নাইদবা নাইতোম তাবা থৱায অমনী। কাম্নকম খংব্রবা ঐগী হকচাং পোলাংগী মম্নংদা হাপলক্লিবা তশেঙ-তশেঙবা থৱায অসি, অসিগুম্বা হকচাং পোলাংসিদা হাপচনবীরক্তুনা অরেম্বা মতৌসিদা অশুম্ন মাং-হনবীরমগদৌ শরুক পাক-চাউরবা ৱাঙলবা অতুগা ঈশঙ কারবা চীং-দুদা তাবা মুজাউ অমদা হাপচনবীরম্বনা হেন্না ফরমগনী। মুংজাউ কমনা ঈগুম লেংবা ওমলবা, ঐগুম লাও-থোংবা ওমলম্নবা অতুগা থৱায় পাল্লমলবা তাইবং মীবোলগী ৱাবীদা শোযদনমক ৱাবীনফম থোকপা অঙকপা মতৌ অমা ওইরমগদবনী— অতুবু কৈগু লৈব্রবা ঐঙোন্দা হাপচনবীরকপনা মীওই ৱারীদা অঙকপা অমত্ত শীঙমলমদ্রে—থাজবা অমসু শীঙমলমদ্রে—করি কাম্নরি? অশুম্নক তুমীন মপুন্সি লোমগ্রগনী মা। চুম্মী লৈফমদি ঐহাক তশেঙ-তশেঙ খংলে। লমচং নাঈব্রবা হকচাংগী কযাংশিংনা লুচিংতুনা, মথোয় মথোয়গী পেন্নবা হোংনহুনা, পুন্সিসু থৱাযসু অতুগা ঈৱাখল পুম্বগু লংজ লৈবাক্তী য়াম্ন গুরুবা মঙাল অমত্তং উফংব্রবা লৈন্নুংতুদা হোগং কাংথং ওমহন্দনা তাতুনা লৈহল্লরে। মসিগু ইতোমতনা খজৈ।

মীনাই কোক্লে। খনগমদে। ঐগী ঈকমদবু মীনাই হায়বা ঈরমচং অমা তোঙঙাল্লীব্রা? ঐদী, ঈৱাখলগীগু চংনবীগীসু খোংগীগু, খুৎকিগু,

অতুগা য়ায় মতু শোয় কুপলিবা ঈমীৎকি পাশিংসিগীসু, ঈশানা কুপ-চবা মীকুপশিংসিগীগু, পুয়মকীগু—, ঐদি ঈনাইগী নাইথাংদ ওইহুনা লৈজরবসিদা।

হুজীজক ঐাহক্না ওইজরিবা হায়ববু— পুন্সিসিদা ওইথোকপা ভয়-রোইদবা ঈরাখল অমগী লেংবরা মপু অমত্তং ওইজরিবসি মঙায়। সিমদি শেঙলে—। তশেঙ-তশেঙলে। থম্মোঈনা থৌনা লৈনা য়াজবা ভয়ে—

"পোকদৌরিবা অঙাং অসি ঐহাক্তী অশেঙবা ঈচানী"

শগোলশেন—।

ওসিদি ডাক্তর বাবু লাকলম্মী। ঈবুংঙো মোতি লৈতে। ডাক্তর বাবুগা য়ায় চীং লেম্বী তপচবা মতৌ মানরবী লৈশাবী অমগা—। মহাক কুচু ঙৌবী মুপীমচানি—। যেঙবদা মুংশিবা মতৌ চেল্লী অতুগা হকচাংগী শওংতু তোঙগানৈ। তায় চঙলকপা উরবদা ঐহাক ঈবেম্মদা তাকচনবা কাজুং তয় চংশল্লী—থোংজিন যৌবকপদা— কমথক্তা হকচাংগী কি পুয়' ফিগোয়হল্লহুনা মীরোল চৈনা খাংগুম খোং খুৎ তিঙথোক্লহুনা কমথক্তা শমলাং চোংইনা কমলিবী ঈবেম্মবু উরম্মী। শক্তম তত্তু উরকঙৈ ঐহাক থোং থাংজনবা ঙমদ্রে। মহাক্তী মায়থোংনা খবংং গুগৎলল্লী অরাবা শক্তম অমা চেল্লক্লিবসি কুইবক্লে। ওসিসু শাঙলবী মশম শমলাংশিংতু— মাং অমসুং তুং নাক-য়েৎ মাযকৈ খুদোংদা ঈচোই চোইনা শম্মোক্তুনা তাহল্লহুনা মায়থোংনা লুকথরপ থোং তিঙথোক্লহুনা কমথক্তা কমলি। শেৎলিবী কনেক্তী ফীবৈ ফীবৈনদয়ে। চনীং তত্তুগা পুকনোপ মনম মুংশিবী মতৌ মাহুবী পাল্লবী উনশাহুতা মঙাযবয়ে। কিথুয়রবসিদদি থাবুম মঙা লাংনথৎলক মীবেংল্লবী মুপী অমগী নাও-পুরবী— মমা শকলক্লিবী মুপী অমগী পুক্তী তশেঙ-তশেঙবা মওংতু ঈমীৎ-সিনা তশেঙ-তশেঙ উজবা কংলে। মহাকপু উরগা ঐগী থম্মোঈদি থাংকম থংজরকতবতনী। কদৌঙৈদসু লৈতানা লৈজবা ঙমজয়ক্তে।

পুম্নমকসিগী মথক— ঐগী ঈন্নীক ঈতীম্নখিবনা, মীয়োল নাওপুনরবীনিকো হায়বসি খল্লু-খল্লুরগা ঈতোমতনা থম্মোঙ্গ অসি নৌথজন্নকলম্মী— । ঈশানস্থু থংবা লৈহৌদনা য়াম্ন থুগ্রবা ঈমীৎকি মীকুপ অমদা "ঐহাক্কী মুপীনি" খন্দুনা থম্মোঙ্গনা নাপল কাখিবগুম তৌথি। অতুব ওহোক্লা থুগ্রবা মীকুপ অমদা থম্মোঙ্গগী নাপলতু মশক মাংখিমখৈ থম্মোঙ্গদগী অমুক মুৎথখি! মুণ্ডবংননা মাগী থোংজীন্দুদা ফন কুইনা তুমীন লেপ-লমলগা হকচাংনা হাইনা হুম্ন থরতংগা চংশম্নবা হোৎনরকপদা মীশক খর ঙঙন ঙঙন য়ারী শানরকপা খোঞ্জেল কান্নুংহুদা তারক্লে। খোঞ্জেলতু তারকপদা মহাক লুকথরম্বদগী— থংলৈ লৈথোরক্তুনা থংতরনা হঙলকই—

"কনা— কনানো— ?"

ঐন ঙক নোম্থকৈ।

"কনানো— মপান্ম ঙাংলিবশিংসি ? কনা লাকই— ?"

"ডাক্তর-বাবু— ।"

"ডাক্তর— !"

হঙলমলগা মহাক মগুপ-মগুপ্লবী অতুগা চোয়ক্করবী মফি ফিজোল-শিংতু হাথু-হাথু শেৎচন ঈলশম্রহুনা— মশম মনা হাৎথ-নাম্থরহুনা— অপাকপা মিংশেলতুদা মমায় ওনশন্দুনা— অশোয় অঙাম খবতংগী চেকশন খোমজনবা হৌই। লোইরবদা— মহাক মী উম্নফম কান্নুংদা চংশনখ্রে। মহাক্ক চংখিবতু— ঐহাক লুকথবা ঙমলমদে। মহাক্তবু, তুংয়াম্নবী ওইরবস্থু য়েঙনীংই। য়েঙলুরগা থম্মোঙ্গনা নৌথরকই। পেহৌনরকই। অতুগা করিগীনো ঈমীৎ মীৎলুগী পি— লেপ্তনা শিন্থকৈ— । হোরক-ফমদি থংদে— অতুবু পিরাংশিংতুদি লেপখি-থমখিখ্রে। চীক্লবা কান্নুংতুদা ঐহাক লেপ্লহুনা মহাক্কী নমওইনরবী কয়াৎ অতুগা নাহেরপ্লবী শাজৎ য়েঙহুনা লৈহৌই। হোয়কফম থংদনা, অতুগা ঈকায়বা নাইত্রবা ঈমীৎকী পিতু মাবু য়েঙনা য়েঙনা ইফি ফিজিনা নাম্থোকচৈ—।

ঐনা খোয়কপদা মখোয় য়ারী শাবা লোইরম্লে—। ঈবেম্মা ডাক্তর বাবুগা লৈশাবী মচাহুগা মথক থঙবা য়ুমথক তাননবা য়ুমগী থাক

থাক্তা লমজীংলতুনা কাখৎখিন্নরম্মী। ঐহাক মহাক্কী মশক্তা উবা য়াদে। য়েঙনীংই। উনীংই। অতুবু য়েঙলু-উরুরগা থোনা পুম্বা উৎ ওম মাংনখী। মনাক্তগী য়াম্ন তাম্ন কৈদনো অমা তুমীন ফমলুরগে খনলি অতুবু লৈশাবী অসি কনানো হায়বা অতুতং খননীংলতুনা ওহাক পম্বরে।

কুইরবগী মতুংদা মাগু-ঐগু মাগী কা মনুংদা অমুক লৈমিন্নরে। ঐহাক তুমীন চপ লেপখী— অতুগা মানা— পাৱবা মিঙশেলদা ওনশন্দুনা ঐ অমা লৈ হাযবগী করি নাচুংবীদনা অনৌবা মফি ফিজোলশিং হোঙলম্মী। মায়থাংনা যেঙবদা খরতং ময়েং তাবা মাল্লবা অতুগা শমলাংশিংনা নাওপুবকপী মহৌশা শমগেনগনবী মতৌনরে। পাম্বোম মরুশিংতু চাং তাথবম্মী অতুগা অথুম্বা ঈহৌনা খনগৎলক্লবী থাবুম পুংবা নীনা নোই পেম্নবা—। হুজীক্তি কয়াৎ খুদীংমক্তগী কল্লরুফম ওইবা শরুম পুম্বা কোক্লথবে অতুগা শুপ্পগী মুংশিফম ওইবা শরুমশিংজনা য়েংদু যেংলুবা খুদিং তনৌরয়ে। অনৌবা শগ্রোন চেল্লবা মাগী অনৌব কয়াৎশিং অতুগা মায়থোং— মখোয়সিবু উরুরগা তমথোক হাযদোক ওমদ্রবা অতুগা ফোদোক্লবা ৱাহৈ লৈত্রগুম্নবা মহু চাংরবা ৱাংল কয়ানা ঈথম্মাঈদা ওংলকলম্মী। ওক্লী— করিগীদমক্ত কল্লরুফম ওইবা মুপী ওইবী মহাক্ত মীরোন শাবানবু উরুরগা ঈমৎ মীংলুগী পি শীম্ব-শীম্ব অতুক থম্মোঈ শোক্ত কপলিনে ? হায়না। খাংফম খংলক্ত্রবদা ঐগী থম্মোঈ শোক্ত কপলীবনো ? হায়না অতুগা খাংফম খংলক্ত্রবদা ঐগী থম্মোঈনা শকথেংনবগু লৈররোইদবা নোংদম্বু পেম্ন পেম্ন থীনা-থীনা চেক্তরতা মথংই। ঐবু হুই-য়োংদগীসু হেন্ন থোওই নাওইবীদনা অরোৎ অফোংনবী কয়াৎশিংবু তবাই তকোম উৎলতুনা লৈরিবা মতমতুদা ৱাহৌদোকচবা ওমজদবনা ঐহাক মহাক্ত মফি-মরোল শেংপা লোইবতং ওইহুনা লৈখি। ফি শেংপদি লোইরে অতুগা অপাকপা মিঙশেলতুদা মায়থোংনা নোম্বরতুনা নাওপুরবী ওইবনা অশাবা নিংশানা য়েবদা, অকংবা উগী মকুওম উনশা কাফৎনরবী

অকংবা চীনবান্দু— খোং-নৌননবা অঙাংবা মচুনা তপ্ন-তপ্ন লৈতেঙ-শল্লম্মী। পুমলোঈ লোইরবদা ভুংগী নমওইননা ৱাংহৌরিবা কুদামশিংছু পানশল্লো হায়না ঐবু কৌরকই— ঐনা কুদামশিংছু পানশন পানশন হুঙলে—

"লৈশাবী অসিবু কনানো— ?"

"নংগী ডাক্তর বাবুগী বাবুনী" মানা হায়— "ডাক্তর বাবুগী মুপী ওইগদৌরিবীছুনী—।"

"মমীং— করি কৌবা— ?"

"তম্ফা-স্না। মায় চাওথবা স্নানি। মথুা মোথুবীর হায়বা লৈবাক ফাওরিবা ঈশৈ শকপ'তুগী মচান্নপীনি কাঙওবম লৈকায়দগী।"

ঐহাক তুমীন লৈরে।

ফাইরেল— । থারোই—।

ঐবু শা-শনগুম হেক-হেক লক্লরম্বা মুপামচাহ্— উদগী তাছুনা শিরে হায় ঙসী।

লমদা —।

অঙনবা অয়ুক্তা রেড্ডিওদা মৈতৈলোলগী ঈশৈ পরেংলকই। ঈশৈ অমদা ঈবুংঙো মোক্তিমু ঈবেম্মনু অছুগা ঐমু, মঙা-তরুকলক চিঙ-শল্লরুবা চা কপশিংছু— মনাদা খুৎনা কোংশল্লরছুনা অছুগা প্লেট মথক্তা থম্নরছুনা থরায় য়াওনা তানশ্নে। মুপীমচা অমনা শকপনী ঈশৈছু—, ৱাহৈ মখৈদি কারি ঐ—

"কৈদনো চেক্লা পাম্নরিব্বা— মঙলক্লে অতিয়াদা নোঙনা—

মায়কৈ পুম্বা মমথরে— চেক্লা নং কৈদবু পায়বনো—

পাওজনগে থনবা ঐগী বা— চেক্লা ওইখিবনা লোল খংনরোই—
মরমচুনা হৌরেংমুক্কী মপোক্কা— ঐনা চেক্লা ওইনা পোকলকে—
তোঙ্ঙাম্মিন্নসি কৈরাথক্ক— নং-ঐ খুংশি চাওরোকমীন্নসি—।"

অসুমদি শকপা নত্তে— অদুবু কাওতমদবা ৱাহৈ থরতং অদুগা মওং মতৌ হুতনী ঐনা ইরিবসি। অসিগুম্বা ঈশৈ অসিনা মখোয়গী মক্কমদা মুংঙাইবা শাক্ষু অমদি শীথরে অদুগা ঐগী ইকমক্কদি— থম্মোয় কায়নবগী মশক ওইপ্রবনি। ঈশানা থাজৈ— "মথংগী মপোক্তুদা নত্তনদি, লমচং নাইপ্রবা হুন্দকী মপোকসিদদি পুংজা নত্তরগা মা-ঐগী অপুনবা পুন্সিদু কৈদগী ফংলগদগে।"

নোংমাইজিং —।

মণিপুরগী ফাওববা হুবানবা (লুটরালা) কনগাই হাযবদু ফ'রে হায়না রেডিওদা লাওথোকলকই।

লমদা—। ঈবাই—।

খংলে— থম্মোঈ চাক্লবা লমচং অদু ঐহাক্তনা চৎচরুবনি। উরুরগা হেল্লকই থম্মোঈনা চাকচবা, ঈতিনমিন্নরুরগা হেল্লকই থম্মোঈনা পুঙমলরুবা— মরমসিদগী য়ারিবা মথৈ য়ুমদা লৈমিন্নহুনসু মহাক্ক থেঙনা উনদনবা ঈশানা শিঙ্গরবনি—।

শজিবু থা—।

ঐহাক চাক চানীংদে। য়েঙনীংদে। কনাবুসু য়েঙনীংদে— অদুগা চেমায়শিংসিদা মুবচৈ পায়হুনা করি অমত্তসু ইশনীংখিদে। মরমসিদগী

ঐহাক থৌদোক কয়া থোকখিদুনন্থ করি অমত্ত ইরক্তবনি—। ওসিদি শজীবু পাগী অহোবা চায়ালনি অহুগা শকরেঙ মিঙশেল য়েঙলুবদা ঈকোঈনা, গুজলবা ঈমায়থোংসি উমং ওইহল্লম্মে—।

থাংজ।

খুমগী মীমাইনা হায—
"চাক চাত্রবদি কৈদৌবে নং?"
"চাদ্র—" ঐনা খুমই "চারে— ঐনবু চাক চাদে হাযবরা?"
"তৌম্ম—। চাক চাত্রতুনবু নথাং কংলিবনি—।"
"চারে—। চাদবা— লৈতে।"

"অতুদি নং নয়াং ওন্থোক্ল কংলে ঠৈ—। নকোযণ্ড নবাংঙ— কৈনো নং তৌবিদুবু—?" মানা মথা তারকই "চাক চাও" নং চক চাদ্রে"

মতাক্লদি চুম্মগী চুম্ম হাযজবকপা ওইবন্থা যাই অহুবু ঐহাক্তী থংদ থংলব্রা হান্নুনা অকীবা পোকলম্মী। কবিগুম্বা চাক চাত্রিবসি থংনবকপা থোক্তুনা মবম থিগৎনরকপা থোক্লবদি ঐহাক্তী পাওথমনীংঙায় ওইবা মবম লৈতে। অস্নম থনবদগী থম্মোঈনা অকিবা অহুগা থুক লাওবা পোকচনুনা ঐহাক য়াম্ম থুনা ক্ষান্নুং ভম্ম চংশঞ্জবক্রগা ৱাথল তৌদুনা লৈজরম্মী।

মোংমাইজিং—।

লমদা থা লোইখিগদোরে। লোইপ্রসন্থ। হুমীদাংৱাইরম্ম ওইরকপা অহুগা কনাণ্ড লৈত্রবনা চীক্লবা কাগী কাম্নুঙসিদা ঐহাক্ল ঈতোমতা

কমত্থনা লৈ। অচিকপনিদা কম্নগা ঈরাথলগী চনৈনবা চাং অস্থম অস্থম হেনগৎলকই। য়েংশ্ররোই হায়না কম্ন তেমশীং রাশকশ্রবা মশক্ত চীক্ল চীক্লগা হেনগৎলকই য়েঙনীংলকপা। খাংঙমলক্তে। করিগুম্বদা ঈমীং অসি উইশঙ্গরম্মী অত্থবু শক্তমত্থনা ঈমাংদা শং শং লেপ্লে—। মচাক্নী শক্তম উঁরকউ ঐগী ঈপুম্নিবু কোনশল্লমই— অত্থদগীদি— খংদে ঈমীং মীৎল্লগী পি লেপ্ত খমদ শীম্বরকই। নোংথাংগী মতৌগুম্ন কৈদগী হৌবকপনো হোরকফম খংগ্রবা রাখল অমনা নুঙশিজগ্রবা ঈচা অমগী (নুপী ওইবা য়াই— অত্থগা নুপা ওইবা য়াই) শক্তম্ন— নোক্লত্থনা চোঙলত্থনা অত্থগা ঙাওজবত্থনা শাম্নবত্থ ঐগী রাখলগী অত্থগা য়েঙলুবা মীৎকি মীৎয়েঙ-মীৎয়েঙ খুদীংদা থৎলৈ। অত্থগা শক্তম লাকশনবা ঙমহন্দনা য়াম্ন থুনা মীৎয়েঙদগী অমুকস্থ হেক মাংখী। ঙম্নমকসিদি ঐগী কপফমত ওইরগদৌবা নত্তরা?

নিংথৌকাবা—।

ঙসিদগী ঐহাক অনৌবা পুন্সি অমা যংজরে— মতম চুপ্প— লৈকোন্দতা ফমজবা—। লৈকোনগী অমা ফঙজরে— মতম চুপ্প লৈকোন্দতা ফমজবা—। লৈকোনগী মনা পুংবা লৈপাক্ষী অমগী অপুংবা মরুমদা অত্থগা নাপী থক্তা ঈতোমত তুমীম্ন ফমজরম্মী। অশুম্নতা ফমজরগা খাংঙমজবা থংম্মোক্তীগী লৈত্তাবা ফঙজগনি খল্লে। মীৎকী পিদি অশুম্নক লেপ্তনা তাত্থনা লৈ। ঐগী মীৎলুগী পিসিদি রারকপা য়াত্রবনি— ঐ খংলে— মাগী মফমদদি অরাবা-নুংঙাইবা অত্থগা লৈতাদবা অমত্ত থাম্নত্রবনি। মরমসিদগী ঐগী পিসিদি মফম মতম থাম্নত্রবনি। মফম খুদীং অত্থগা মতম খুদীং মহাক্ত মনীং তৌনা শীম্বত্থনা লৈ। মী উথিগনি হায়বসিগীদমক্ত ঐনা অকীবা পোকচৈ— মরমসিদগী— ঐহাক মী উনম্নোইদবা মফমদতা নাথৈজবনি। ঐনা ঈমীৎকী পি তাবসি ঙসি

ফাওবগী মঙ্গুংদা মীওইবা কনা অমদি লায়রবনা তুমীং-ফাং ফাওবা উহনখিত্রি হায়না য়াম্ন থাজনা খজবনি। ঈচু তাপ্রবা অদুগা মরাইবক থীবনা লমচং নাইদবা শক্লবা ঐগী ঈগীং মীংলু'সিদগী পি ভাৱক-ক্লগা— মহাক্ক কনমক ভক ভরজহুনহ্— কনানো মহাকপু পিপি হায়না থাজবীগদবা ? —।

লৈবাকপোকপা। মথংগী অয়ুক—।

পিনি হায়হুনা কনানসু থাজবীরোই ঐহাক খংই। ঐগুম্বা থরাই পানবা অমনা ঈমীংকী পি শিন্থজবসি উরগা ৱারে-চাক্লে হায়না খনবীবগী মতুং— অউবশিংগী মফমদা অঙকপা অমা ওইনগনী। অঙকপ'হু ওইনখিনি অদুগা মরমহু হংনরকনী, মতমতুদা— কপ্লিবসিগী মরমদি অসিনি হায়না পুথোক্কনা মথোয়গী মফমদা খুমঙমগদবদি হুন্দক্কী ম'পাকসিদা ওইথোক্করে। মরমসিদগী ঈমীং মীংলুগী পিন শাঙ্খবা— ঐনা কনাবুগু উহন্দনবা— চেকশন খোমজন হোংনজবানি। অহুবু ওরাংদি ওয়মক অরেম্বা তাপ্রে। ঐহাক্ক ওইথোক্লরোই থংলবা ঘ খল অমা খন্দুনা লৈখি। ৱাখলহুদি— য়াম্ন চোঙ ফললবা ঈচা অমগী মরমদনী— মহাকী য়েঙবগী পেন্দ্রবা মশকী মরমদনী— অদুগা ফাগী হৈরবা মরমচং অদুগী মরমদনী—। মহাক কুইররোই— নোঙমা নত্তরগা নোঙমা— নোঙমা অমদদি মফমসিদা শোয়দনা থুঙলরগনী— অতুবু ঈচাগী মুঙাশিবা মশক্ত উনা-উনা ঈথুংনা শোকঙম-শোকঙম ঈচানি হায়বা ফঙলরোই—। ফোঙদোকচবদি তরাইথোরহুনা য়াম্ন লোম অদুগা চেকশন্ন— ইতোমতা থম্মোঈনা খঙবক্লাওবা ওম্নরোইদবনিকো— হায়বসিনি, ঈপোক অসি থীনা তমলকইদকো— হায়বসিনি অদুগা মাংপ্লবা ঈথৌনাশিংহুবু কৈদ-কনাগী মথুক্ত লৈরিবগে হায়বসিনি। ৱাখলসি খল্লুটং থম্মোঈনা নোথরকপগী ৱাংমা লানখিহুনা মচেং লিশিং.

থোক্ল চেংথারৱক্লমলকই। তাইবং অসি য়াম্ন চাওই অচুগা মালেম-সিদু য়াম্ন পাকই হায়না তাঈ। অচুবু পাক্লবা মালেমসিগী কৈদমো মকম অমত্তংদদু ঐহাক হিঙলীংবা লৈরক্তে। শিখিবনা কৈ— শিগ্রসিরা থক্লকই। অসি পুম্নমক ওইহুনদু ঐগী ঈচানি হায়না মিতমলকদোম্নিবা অঙাংহু অচুগা মাথথোংহুতংদি ওপ্নগী মীকুপ অমতংদ ওইরবদু য়েঙজ-নীংলকপনা ঐহাক মতম থরুতংদি অশি থয়াজ্রগী নাম্বোক্ত্নো লৈথিগে থগ্রবনি—। ইদোম হুতিগী ঈমীৎ মীৎলুগী-পি শিন্নজবনী।

শগোলশেল—।

হন্দক মরক অসিদা অয়াম্বা মীশকশিংনা ঐবু মুগুক মুগুক য়েঙ-নৱিবসি করিগীনো থংদে।

ঈয়াঈ—।

ডাক্তর বাবু যুম পানগনী হায়বা ওসি তাবে। থম্মোঈনা থল্লি— "পানসনু—। য়াম্ন যাইকসনু —। পুন্সি তোলোইসনু—।" ঐহাক তাইবংগী পাও অমত্তবু থোশাদে। ওপ্নগী ঈচাহুতংনি থৌৱাংজবা—। য়াম্ন থুনা উজবা— মতুদগীদি ঐহাক পেল্লগনী অচুগা কথাদা থুনা—চোম্ত-রমদনা পুন্সি লোমথিবা ওমগ্রগনিদো। ঐনা হেক-হেক ফেংজরিবা অরংবা থাং অসি করিগীদমক্তনো হায়না অমুক মুক থম্বজরকই—হেক থম্বকরগ ঐগী থম্মোঈনা খুমেলকই— "শিনবা— য়াম্ন থুম্ন থিনজন্দুনা—।" মসিদা ঐহাক ঈশানা তুজুংবা পোকচৈ। শিনবগীদমক্তা ওইরবদি মতম থরুতং ৱাংলি। ঈচা উমা ঐহাক শিহৈরোই। মরমসিদগী থাং ফেংবসি লেপলগনি হায়নদু থনলে— ঐ।

কালেন থা— ।

অশুক কুইরকপা অসি ঐহাক মুবচৈসু শায়রুদে, চেমায়সু হাই-গৎলুদে— অতুগা করিসু ঈগে খনলুদে, শজীবু থা লোইরে হায়বসু খংহৌদনা ঙসিতমক ঈখং খঙনা খংলকই— কালেন থা হৌরে হায়বা—।

অহানবা চয়োল —।

ঙসি করি সুমীৎনো খংদে। অহানবা চয়োল্লীদি খংই। থোকপ্রে খংহুনা লৈরবা, মংলাননবনি খন্দুনা নাথৈব্রবা, অতুগা অহাংবা ৱাখলনা নমহৎব্রবদা— ঙসি করিগীদমক্তনো ৱাখলনা— থোকখিবা থৌদে ক খুদোং অমত্ত ৱাত্ত-পাদনা নীংশংলকইবসি।

অঙ্গীং —।

তাইবং অসিদি য়াম্ন মীনমলয়্রে। থ'জনীংঙাই করিসু ৈলরমজ্রে। ঙসিনা নিঙথৌ— হযেঙনা— অতুগা হয়েঙনা—। অসিগুম্নবা ওমচাক্ত-ৱবা ঈৱাখলশিংসিনা ঙসি ঐহাকপু মতৌ অসুম ওমচাক্তনা ছিঙহন্নগনি হায়বসি হৌখিঙে পুন্সি'তুগী মশীং থীঙমজ্রবা ৱাম্নবা মীকুপশিংতুগী মমুংদা ঙৃপগী মীকুপ অমতংদ ওইরবসু করিগীদমক ঐবু খংহনবীরমদবনো ?

নোংমাইজিং —।

উরাং অহিং— ঐহাক মং য়াম্ন সুংঙাইরমদে। ম'দা ফত্তবা খুদম থৌ'দাক নত্তবগা শক্তমশিং উরম্না মীওইবশিংনা— মংতুবু ফত্তবা মং কৌনৈ—অতুবু ঐগী মংদি মচু নত্তে য়াম্ন হয়াঙ ঙম্নাহীংঙাই ঙইথা মংনী।

ঈবেম্মসিনি হায়'ন তৌই— মুপী অমনা ঐহাক পাক্লবা— অতুগা শুক্লবা উমঙ অমদা থেঙনরম্মী—। ঙহাক'মুক মুপীদু কনা অমত্ত লৈজত্রবী শাংজনবী মুপী অমনী হায়নমু তৌই। উমঙদু মীনা চীক্ল চায়না ঙমত্রবা মা কৈথেল অমনী হায়নমু তৌরকই। ঈরঙ লঙলকই—। নীংদী নীংশংলি অতুবু মংদু ফিরেপ অমদী ঈনায় নাইদে। ঙহাক লৈরগদি মুপীদু ঈবেম্মমক ওইনা ঈমাংদা চপ লেপ্লথী। চপ মাম্নথী— থোদোকমু অতুগা য়ুমসিমু। ঈবেম্মনা হায়খি— "হুজীক্কী নহাক্কী ঈরীক্ল শেমখিবা অঙাংসি কুম-থা শুরক্কদোরে— চাওদা ঐহাকপু কৈদনো পুবো য়ুমসিদগী থাপ্ল চেনগ্রসি —।"

মংতুদদি ঐহাক কয়াদা থোনা লৈগ্রবা— ঐনা হায়থী—"ঐহাক্কী ফিভমসি য়েঙউ— যেঙল-য়েঙলগা খংলক্কনী ঐহাক মীওইবা অমা নত্তে। হুইনি-য়েন্নী-হৌদোংনি —" হায়না-হায়না ঐনা হুই খোঙদোনা, হৌদোংনা খোঙদোনা অতুগা যেন্ন খোঙদোনা মাঙোন্দা। ওনশন-ওনশন খোঙহুনা ভাইনুমগা হায়খি— "তুউ— ঐদি মথোয়গা করিমত্তা থেং-নবা লৈতে নংনা হায়নীংবা অমা হেক্ক হায়য়ু— হুই হৌদোং অতুগা যেন অম। হেক্ক ক্কৌ মীওইবনি হায়নদি খনগমু ঐবু।"

খংদে। মথংদা— ঐনা মতম কুইনা লোত্তুনা থমলক্লবনি হায়না তৌবা উচেক লাওমৈদোংগী মশাগুম্নবা, থারবা অতুগা পাক্লবা মুত্তক মুবা ঈশা নাক যেংনীদু ফন্দোক্কনা পাইখংলম্মী। ঈথং থ হৌদনা লৈচীল মরক্তগী ঈবেম্মদু চোঙথরক্কনা— ঐবু— ফাওম তৌই। অতুগা মতমতুদদি— ঈবেম্মদু হিংচাবী অমনী হায়নমু তৌরকই— ময়া লীশীং লীশীং থীগৎলদুনা ঐহাকপু কিহল্লম্মী। কিহল্লম্মী অতুগা মংদু নাথৈখি— ঈবুংঙো মোতিনি হায়না তৌবা মুপ। অমনা মরম ঈরৈ লৈতনা পাক্লবা খাং অমনা ঐবু য়ানগনি হায়না য়াম্ন লাও খোংলকই— মতুদা ঈবেম্মনা চেনশিনলক্কন — ঐবু চেংনা কোল্লদুনা মুপাম্বুগা কম খংনৈ— ঙহাক লৈরগদি— মুপাদু নৈচাক্কনা ঐখোয়নীগী মাংদা— উং ওন্দুনা

পৈরে। অদুগা অঙৌবা— ঙৌশোক ঙৌবা হুই অমনা কৈদনো চেন-শরকই— মহু ঐখোয়গী ঈচাঙুনি হায়রমসু তৌই— হুইদুগী চোঙ-কল্লবা মতৌহুদা ঈবেন্দমসু-ঐসু ওহোক হৌন-হৌন মৌকিমিন্নবরে। অদুগীদি .... মং অহু মখা ভাখিদরে। মৈঙাদগী মৈঙানমকক্তা—।

ঐ থংই— মং কাওবনা ভোৱে থংলবা ঐগী পুক্সিনু কয়েন্নবীয়ে।

জুওথীল —।

মংন মংনী— ঐহাক করিসু থগব। জমী— অদুগা ঈচা অসি ঐগী লেংঙবা ঈচানি হায়বসিদি লোৎপা পামলক্কবা ঈরাখল অমা পোক-লক্লে। কোংদোকপা পামদৈ— কোংদোকসুগদবহু কনাদনো—।

থাংজ —।

য়াম্ন কুপ্ন থলে— কুপ্ন থলে— অদুগা ঈচা হু মশক য়েংলুবগী কান্নরোই হায়না থম্মোঈনা য়ায়েপ ভায়ে। মশকু উরুরগা মপোক অসি নীংঙমদবগী চাও হেনগৎলকনি— মৈচাক মৈশানবা হেনগলকনি— মাবু ভাইহুনা লৈবগী মহুৎ— মহাকসু-মমাসু অদুগা থৌনা লৈতবা মপা ঐসু পুন্ন পুন্সি মতোল লোম্মীন্নখিবনা য়াম্না শাথরে হায়না থনলে—।

জুওথীল—।

য়াম্ন শাথরে— মা-ঐহু অদুগা ঈচাও। সিদগী হৈনবা— নীং উমগদবা— পেনগদৌবা অদুগা সিদগী হৌ মৈচাক কৌকইমঙবা অইঙ লগৌ লৈত্রে থনলে॥

নোংমাইজীং —।

ঐনা অরোনবা অহীংদা থাং কেংখী। অদুগা অমংবা মশেক কারবা থাংসি ঐনা ঐগী কান্নুংদা য়ায় লোয় য়েংদুনা লৈ—।

ডাক্তর বাবু লাকই—। ঐ থংই। মখোয় য়ারী শাবগী খোঞ্জেল তারি— অদুবু ঐহাক মহৌশাগুম করিম্থ খৌশাবা পোক্তে।

নুমিদাঙ— ।

মহানথেঁ হৌখিথেঁ মতমশিংদদি থাংসি উরগা অগুক মিপাইরমদে। কিরমদে অদুবু ওসি খেংলবা অহীংসিদদি— মশেক লওনা কারবা— অতুয়া মচীম লৈতেঙ ওইবা হৈজ্রাং'সি উরগা, ঐহাক চীক্লবা কাল্লুং-সিদা ঈতোমত কমজবা কাওবা ওমলক্তরে। হকচাং, মায়, মীৎ, কয়াং থুদীংমক— অনম্ম হুমাংনা পুম্ম চোওথংলক্লে।

অহিং— ।

"ঈবুংঙো মোতি সাহেবকি মচা" — ! — !

য়ুমগী মীনাইনা শম্বক্লে কক কক চেং থম্ম লাকপী হম্বুবীতুগা ওসাইঁ পোক্লকদৌরিবা অঙাংসিগী মরমদা য়ারী শাখি! পোক্লকদৌরিবা অঙাং-সিদি মরাইবক কবনী, মহাকথক্তেদি নুংঙাইরিবসি অমুক হেনগং-লকদৌরিবনি— অদুগা অক-নুংঙাইগী য়ারী কয়া—ঁ। য়ারীশিংদু ঐহাক থরায় য়ায় য়াওন তারবনি— অদুবু য়ুমগী মীনাইনা "মোতি সাহেবকি মচা—।" হায়বা য়াহৈ পরেং অমা হায়খিবা তারকপদগী— ঐহাক ডাওম-হৈঙমদবা অমা পোখিকহুনা মখোয়মীগী মনাক্তগী য়ায় থাপ

চংথোক্লনা থাংজৈ। হুজীকফাওবদা ঐহাক— মহাক্কী ৱাকমতুংদা য়ানীংদবা কোক্তুম্নি।

"অঙাং অসি কনাগীসু ওইবা য়ারোই—, য়ারোই।"

য়ারোই। য়ারোই হায়না কনাদনো ঐনা থৌনা কৈনা কোংদোক লুগদবা। কোংদোকপতু ঙমলরোই—। মরমসিদগীনি ঈচা অতু ঐগী ঈচানি হায়না কোংদোকচবা ঙমগ্রফাওবদা— মীতোপ অমগী মথুক্তদদি ঐহাক ঈচাবু শিল্লরোই হায়না ৱাশকলিবসি।

অথোংবা অহৌং—।

ফুইরগা হেন্নী ৱাখল মাংলকপা—।

শিনীংলকপনা থাংঙমহল্লক্তরে। ঐহাক ঙাওরে।

ঐনা থাং লৌথোক্লনা মুম্ন য়াম্ন মুম্ন পায়হুনা য়েংই। থাংদি মতিক চাবা থাং হায়বতুদি তংশেঙ তংশেঙ ওইরে।

লৈবাকপোকপা—।

লংলবা থাং শিনা থুন্নবা থৌনবা !! ঐ থংই— মহাক্কী উনশাদি য়াম্ন থোৎপীমী অতুগা তনৌজবীনী। থোৎলবী অতুগা নৌরবী মহাক্কী ফরিঙ্গুম্বা হকচাং ফয়াং অমদা— হেক্ত থৌনবদা— মতম কুইন ফেংলক্লবা থাংসি থংহৌরোই থুম্না চংশনখিগনি, অতুগা মাগী থুম্ন থমজিবী থরায়তুগী খোঙগুল লীতুনা যুদ্ধি চুপন্নুগনী, অরোনবা ফিজং লীশীং লীশীংনা থম্দুনা চেকশন্ন লোৎলীবী থরাইতু মুমুন্নবতদা— মহাক্কী হকচাং পোলাংদি মপু পান্দ্রবা ঘুনংগম ঈহাং হাংহৌরগনী। হাংলবা হকচাং পোলাং অমনবু ভাইবং কুইম কৈদনী য়াঙতমগদগে। থুদক্তা— মীকুপ্ত—

পিথম্লগনী— অহুগা মতমথুদদি— ঐবুস্থ ঈশানা মথুং ইম্ন লমজীংজহনা অহুমক চংখিগনি। পুন্নমকসিদি ঐহাক্কী অপেনবগী শক্তম্নী—।

হুমাঁং স্নুওবা—।

ঐগী থম্মোঙ্গ নীংহল্লবক্কু নং।
চাক চানীংদে। ঈশক্কক্রু— ঐনা লোম্না হৈদোকই—।
ক্বাদগী মপান থোক্নীংদে— ফম্নীংদে। করিনো ঐনা তৌগদবসি?

হুজীক্কী শীন্থবিবা পি নহাবন্থ— মপোক থীরবা পুন্সিগীদমক অহুক থম্মোঙ্গ শোক্লগম্ন— অহুগা শিন্থবহু লেপ্লো—।

হুজীক্কী ঐহাক লন্থীত্নদা চংপদা লেপলবনী মরমসিনা— যাম্না বুঙ্গনা বুঙ্গনা ৱুমদাংজযন লৈত্রবা— থম্বং ময়রবা অহুগা খাঁহাগৎ-হল্লবা শাগম চাওরবা নিঙশা— নহাকপু হুজীক্কী তোক্লো। যাম্ন তপ্ন তপ্ন চৌংন লেম্ন অহুগা কৈতনা হোল্লো— কারিগীদমক নথোয় অম্নুক মিপাইনারিবনো— মীকুপ থবতং শুপ্নগী মীকুপ থরতং মঙায়রে— যাম্ন নীংঙমদবগী মশক ওইরগা পুন্সি অসি হৌগ্রগনী। ৱানরম্নু।

হুঙথীল—।

ঐবু থামলগদবা মীস্থ লৈতে। ঐবু ৱাখলসিদগী কায়নহল্লগদবা কনানো? কনাম্নু লৈতে। অকায়বন্থ করি অমত্ত থোকহৌরোই। কোংদোক্কবা ৱাহৈশিংসিবু— কনানা থংহৌগনি? কনাদস্থ কোংদোক-লমগদবা লৈতে অহুগা কনানস্থু থংনহৌগদবা লৈতে। মাস্থু ঐস্থু অহুগা পীবুকনু লৈরব। ঈচাম্ন ঐথোয় পুম্ন পুন্সি লোম্নীম্নখিবদা

পুৱমক্ত ওক্লহৌগনী। ওক্লহৌসহ্ন। অওকপা বারীম্ন ওক্ল লোইশনবদা করি কারবগে? মরম নত্তরগা বাকমহুদি করা অঁমতমন্থ থংনহৌরস্নোই।

স্নুমশকৈশা— ।

মী অমা হাংপা হায়বদি কন্নিহু লৈতে। তৌবদি হাংজুম্নিবা গ্রৈহাকত্ত তাইবংসিদা লৈতবা তাই। শেনগা-শেনগা নত্তরগা পোংকা-পোংকা শিন্নবগুম— থরারগা-থবারগা শিন্নজবদম্ন কৈদমী অনৌবা ঐরাক্লো ঐহাক্ল ফওগদ্দবা।

স্নুওখ্রাল —।

চাবক থকলক্তবতনা কোক অসি গাওরক্লে —।

রাথম মাওবগু, ঈশীংগী থোংচংগু ওম্নমক পুমলেপ লেপহনবা অীনী মপুং স্নবক্লে।

থাংজা। কালেন থায়াম্ন— ।

স্নতীগী খন্দুমা লাকই। স্নুতীগী শেম শাহ্ননা লৈরকই। অহ্নগা স্নুতীগী ঈমীং মীংস্নুগী পি শিন্থজহনা স্নমীংশিংসি হৌখী।

মীকুপ অসি নকশল্লক্রমালে শুংসি ঈহৌরক্লে। তেংবানবগী নীং-খীবা শক্তম পুম্বা ঈমীওগী মাংলক্লে, অতাওবা হুইগুম্নক্লে ঈশাসি।

অথেংবা অহীং —।

হুগীক ফাওবা ত্তপথবা লৈতরে। য়েংলু য়েংদুবা শক্তম পুদীং করিনো য়েক শক্তম তাক্তমক ওইনা উবক্লে—মীংচা।

অমুক অমুক্তং ঈৱাখল তাৱকই মতমশিংসিদতং, ঐহাক অসি ঐহাক্কী হায়বা থংলবই। অৱাম্বা মতমদি— পুন্সি অসি অতুগা ৱাখল অসি মচাক মথুম য়াওত্তবগুম তুমীন তুমীন্নত লৈনরে।

নিংথৌকাবা—।

তুমীং— পুং অতুগা মীকুপ পুন্নমক লৈ হায়বা কাওরুই। থংই, নীংশংলকপা মতমদা ওসি অসি নিংথৌকাবনি। তুমিং অসি ঐহাক্কু খ্বাইদগী থৌনা লৈবা তুমিং অত্তুরা হায়না খল্লে। ওসি থরা-ওনলি ওৈদা মথৌনা ফেংতুনা লৈরক্লবা লংলবা অতুগা পানা মচীন তুম্লবা হৈজ্রাংসি থুংনা চেংনা পায়রতুনা মংগুম হাগুম মাবু থরায় লৌক্লনবগীদমক্ত। থোংজীনকাওবা চংশনলুই। মতমতুদা মহাক তুমথত্রিমাল্লে— মরমসিদগী ঐহাক ঐগী কানুংদা তন্ন অতুম হল্লকপনী। ওসি অহীংসিদি অগুম্মক হৌখিব তারে—। হৌঞসনু— ।

লৈবাকপোকপা—।

মপাম্দা কনা কনাগুম্বশিং লাংলী। খোঞ্জেলশিংতু মশক অমত্তে থংদবগুম তৌই।

লৈ অমতং থংতুনা মোন মথাদা ফনা কুইরে থমখিবা— তুচাক নীংশংলক্তনা য়েত্তলুবদা মহাক বুচু ওনলম্লে। অসিবু ঐনরা?

অহীং —।

হৌখিঙৈ পুন্সিগী মীকুপশিংদা— ঐহাক ইশানা থংজে—, অথেংবা অহীংদা উচেক খোঙবদা থম্মোঈনা অত্তুক নৌখখিবা য়াওখিত্রি। ওসিদি— অথেংবা অহিংসিদা য়াম্ন নাইতোম তাবী মতৌ মাল্লবী উচেক অমনা

কৈদগীনো খংদে খোঙলকপা তাখি। করি উচেক্কো হায়বগু খংহৌদে, মহাক কুইনগু খোঙলমদে। অদুবু— মশক খংব্রবা মখোঙ্গেল অদুনদি থম্মোঈসিবু পেংহৌনহল্লম্মে। ঈমীৎ মীৎলুগী পিনা লেপুনা শীন্থখী। শীন্থখী, অগুবু ঐহাক মাবুদি থৌওইরক্লে— । ঐগী মীৎলগী পিদি পি নাত্তে। মহাক্ক শীন্থরকপবু অঙকপা মতৌ ওইরিব্রা ? নাত্ব। মতীক চাব্রবা পুন্সি অমগী মরুপ ওইজরকপদগী— মহাক্কী মথৌদি— মতম খুদিং অসুম্নতা লেপ্পরবনি—।

মতমতুদা—ভম্নমকপু কাওথোক্কনা কনাগুম্বী অমগী মফমদা, মহাক্কী থম্মোঈনা ব হৈ কয়া হায়জনীংখী। ৱা য়াম্না ভাংনীংলকই। ঈথীল অদু হুজীক হেনগৎলক্কে। অগুক থোৎ-নৌব্রবা থম্মোঈগী ঈৱাহৈ-শিংশি কনাগী মফমদবু পাওদমজক্লগদগে—। কনাসু লৈতে। মপোক অসিগী মহাকপু ফংজবা অদুগা মকাদা ঈৱাহৈ থরবং পাওদমজবা ফংবদি, অদুগা— মতুদা থাজরুবদী— ওক্তবা ঈরমচৎ ওইগনী—।

অহীংসি থেংলে। থেংলে কদৌনী— ঐহাক তুমখন ঈপণ্ডমদনা লৈরে। থম্মোঈগী মৈচাক্লা— ।

থেংলবসু থেংজসন্থ — ঐহাক — ফোংদোক্লীংবনা থাংভম পুভমলক্তনা, পুন্সিনা ঈথম্নরমদাইগী— অরোইবা পুন্সি পাওদম অমদি ফোংদোককম লৈত্রবী মকাশক চেমায়শিংসিদা ভম্নমক ঈশল্লমলগনি— ।

ঐনা মহাকপু ঈশানৌ হায়না ঈটীনমক অমুক্তংদি পেন্ন কৌনীংই—

"ঈশানৌ—।"

ঈশানৌ কদৌবগে অহীং সিংথংলে। ওৎলরমু খীৎ ওৎলেরমু ঐবু। মহাকপু অসিংঙ্মবী খোৎ-মেংলবী মিঙগৌসিনা— মমায়থোংবু থোঈদা খোয়দা য়েঙজরতুনা— থম্মোঈনা য়াম্না পেন্ন পেন্ন কৌনীংলকই। মিঙগৌ অসিনা মমীং ওইনা মংবু অগুক পেন্ন-পেন্ন কৌনীংখিবা অসি মং-ঐগী (ওইবা) মতেক্লবা পুন্সিগী মমুংসিদা নোংমতংগু য়াওখিদ্রি — — পুন্সিগী মমুংদা য়াওখিদ্রি।

ওসিদি ঐগী অরোইবা অহৌংনি। ঐগী পুন্সিগী অরোইবা অহৌং অসি কয়াদা চিকপ্রবনো —। মীকপ্‌সিনহুম হেন্র খোইদাক্লে ঐদি। চৎনরবা মবক্ত — চেকশন্নবা থম্মোইগী ঈপাও পাওদমসি কল্লোন্নুং নংগী মকাদা কোংদোক্লীংদে —। ঐনা নীংবা থুডলে— অহৌংসি চৌরে অত্তুগা চীক্লবা অহৌংসিদা য়াম্ন তপ্ন, তপ্ন-তপ্ন নংগী থজায়ময়া নক্ত চেঈথরবী খ্বারকওমত্রবী, নংগী নাক্লময়া নশম শমলাংশিংগী মুওশিবা মনমশিংহু নম্ন-নম্ন ঈপাওসি চেকশন্ন পাওদমলমলগে— মতম চারে চম্নগী—।

করিনো? কুবম্বা পাওদম থরতংবুনো? য়ামলবা ঐগী পাওদমলক্তগী থরতং থন্দোক্তনা ওসি অরোইবা অহৌংসিদা ঐনা নংগী নক্সমদা চেকশন্ন পাওদমলমগদবসি? থনফম থংদে। ওম্নমক য়াক্ত পাদনা পাওদমনীংই। ঐহাক থন্দোকলয়োঈ— ফোংদোকনীংবা ঈপাও পাওদম পুম্বা চীংথদনা ফোংদোক্‌লমলগে। নহাকন্নু থংমন্দে —। থোঈচংনখিগন্নু ওাইখো। যে ঁই— তমলমগদৌরিবসি ঐগী পুন্সিগী অরোইবা পাওদম্নী —। 'সিতংদি নীংতম্ন ফোংদোকপা ফওহল্লুদনা ঐবু—। যান্ন শাওপ্রবা পাওদম ওইসনু, য়াম্ন নীংওমদবা অত্তুগা য়াম্ন তাওমদবা পাওদম ওইসন্নু নং তাও— তুমীম্নতা মতাবীয়্ন—। ঐহাকপু সিতংগী ওইনদি নীংতমহনবীয়ু — ।

নং, অহানবা নং-ঐগী থোংদা মুমীংতু নীংশংত্রব্রা? কাওরমলগনী। য়েংউ— মুমীত্তুদা ঐগী থম্মোঈবু তাঈবংগী অশেওবা মহাওজু তওহনবীখি নংনা। ঐহাক পেনথী। নং-ঐগী থোংথাংহুবু মশীং লাকওমলিত্রা। পুন্নমকসি তোক্লসি— ঐহাক্তী মীহৌ লাওহুদগী নোওমা নোওমগী অসুম অসুম নাম্হোরক্তনা — থম্মোঈদা চেংনা ঈরাংলুবেদো নংবু—। ঈরাংপুরে, অত্তুগা নংবু ঐগী পুন্সিগী লোইনবীনি থনথরে —।

ঐনা অসি হায়রকপসিদা— নহাক অওকপা পোকলমগনি। "চীংনা মপি তারে—", নত্তরগা "লৈপুংনা মো থোংলক্রে" হায়না— থনজু। অত্তুগা সিমদি ক'ওগন্নু— ঐহাক্তী য়েংহৈদ্রবা হকচাং পোলাংসিগী থুপ-

শ্রবা কাচিন্দা অশেংবা থরায় অমনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লি। নত্রাক থাজত্রা? থাজফম থোক্তে। হ য়ুজরিবা ঐ ঈশামকসু শিথ-শিথ নোকচনীংই।

নং-ঐগী ঈতীন থোংথাংনা লাকওমদা-থীওমদা মশীংনা কন য়ামজ-খিদুনসু ঐহাক্নবা অমগা খোংদামিন্নখিবদি নহাকুখী অমনা নীংশংবা থোক্তমখৈ য়াম্না লায়না-লাযনা কাওবয়গনি। ঐহাক থংদবা নত্তে— মীওইবা অমগী পুন্সিদা ককচেংনা চীকখিববু কনানা লাক্তুনা মশীং থীববগদগে—? অদুগা ককচেংনা চীকখিবদুবু পুন্সিগী থোকখিবা থৌদোক অমনি হায়না খন্দুনা কাওডমদনা নীংশংদুনতা লৈগদৌবিবদুনা কনানো? নহাক কাওরম্লগনি, হুজীক্তি ঐহাক্ন নীংশংলে নহাক অদুম্মক কাওথোকপা য়াররোইদ্রা খল্লি। নীংশংলকপ্রা অদুগা নীংশংলক্রবদি— অমুক্নং নীংশংদুনা যেংউ— ওমন্বা যাম্না মন্বা অরোনবা তাইবং অমদা নংনা থৌনা লৈত্রবা ঐহাকপু ঈখুৎ খুদাংদা চেংনা খুৎশম্নবীদুনা অশুম অশুম পুশনবীখিবদু। অপেনবা ফওননবা, নংন নংগী ঈহৌ নৈচাকপু চৈকোক্রগম্নব ঐগা শীংনাইদন। ফমথক য়াতামিন্নখিবদু চাম্নবী—কনানসু, নংনস্ল— অদুগা ঐনসু অসুক্নী হায়না কদৌন্নং শীংথেক শীংথানওমলবোই।

ঐদি অদুক হাকপা লৌশীংগী মথৌনা লৈজহৌদ্রে। অদুবু থরজং ওইজবা ঐগা ইথৌন থরংংসি ওন্নমক শিজন্নজদুনা কুপ্ন খন্নজবদা ঐহাক অসি অতিয়াগা লৈচিল নত্তরগ।— অমংবা নোংহৌগী মচেং অমদি নত্তমাল্ল হায়না খঞ্জে, নহাকশু খন্দুনা য়েংউ— ঐহাক অসিবু কনানো? কবিনো? নহাক্ন ঐগীনি অদুগা ঐহাক্ন নংগীনি হায়বসি নহাক— মীওন্দা তমথোক্তুবসু থম্মোঙ্গন্নুংদা য়াফম থোবই। থাজদবা তৌবগনু। নংগী থাবুম মঙা লানথংলকলাী নাওপুনবা নমায়থোংদু ঈহাকথক ওইখিবনি—, থাজো—। নহাক ঐগী থানবা য়াত্রবী পুন্সিগী লোইনবীনি। বাফমসি নংগী নফমদদি রাতানফম থোকমাল্ল খন্দুনা য়াম্না চীক্ল বাতানবনি। ঐহাক মীওইবা অংনী— অদুগা নত্তরবসু

ঐহাক্কি ঈরীক্ল, শ্লেঙউ, নহাক ঙসিদি থাবুম মঙা লালনা নাওপুরক্লে।

তোক্লসি—' মুপা ওইহুনবু কদোগদগে—? কদোগদগে চান্নবী ? কম-থক হাদ্রিবা কাঙপোৎকুম্নবা— অতুগা খোংলোই-নারোই কনা য়াওদনা—মদোম লান্দারকপা লৈমাবগুম্নবা ঐহাক্কী পুন্সিসে অমুম্মক কেমজখিগনি, অমুম্মক হৌজখিগনী। ঐহাক থংই— মহাক্না ঙমজবদি-—নীংঙমদ্রবা, ঙম্মোক্ল নীংঙমদ্রবা খ্বাথল অমা খঙ্গতুনা অতুগা খ্বাথলতুগী চৈনাদা মানা থাংবা ঙমজরক্লতুনা মীৎলুগী পি শীঙ্খজবতনী। তোক্লসি। ঙম্নমকসি তোক্লসি করিবু কান্নগদগেনে— চান্নবী মরা চৎবা মরু তীঞ্জা লাইকংননা কেমলক্রবা পামেল'তুনা মশা মরেং কম্ন, মনা পুংনা শক্তম্নতুনবু কয়াম কুইনবু পুন্সিনজবা ঙমলগদগে— মহৌশা নত্তবরা— থরতং থাংজরম্নগা মনা পুংলবসু পুংনা মশা কম্নবসু কম্ন, অতুম্মক পামেলনা উবং পুন্সি পোলোইনজখিবতু—।

অহীং'সি থেংলে— য়াম্না চীকথরে। মলোম হৈবী মশক্ল মমায় মায়থুমকি উপ্লতুনা, চান্নবী, নহাক য়াওদ্রবা ইদোম তারবা ঐবু, চীক্ল-চীক্ল, মন্না-মখোল নাইদনা, কাম্নুংসিদা ঐহাকপু— কনা লৈজদ্রে খন, তমথীনা ঙৎ-নৈবা হৌরক্লেসে।

—মীকুপ্তদি নৎলম্নরোই— পুংজাদা ওইরম্নগনি, যনা কুইরে ঐহাক্ল মুকচৈ অসি চেমায়থক থাদরতুনা ইবা লেপলুরিবসি।

খ্বারী অসিমা নীংশংলকই। কুইগ্রব। মতমগী বারীনি। ঐনা অপীকপা মুপামচা অমা ওইরিঙৈগী। মতমদুদি ঐহাক কয়াদা পীক্রিবা অতুগা পংজগ্রবনো। মতমদুদি ঐহাক কনাবু অতুগা করিবুসু থম্মোঙ্গদা হকখিবা লৈতে। অদুবু— ঐবু য়োকপীরিবা ঙায়োনবী'তুতংদি ঐহাক থাঙম-কাওঙমদনা মুংশিজখি। মহাক্ল লাইদা কৎননবা লৈ,— মরক মরক্ত খুন্দোল-খুঞ্জিল লান্না ঐনা থীরম্মী। নোঙমদি ঐহাক মহাকীদমক লাইদা কৎননবা লৈ অদু পাৎ-তা কুমতুনা থিবা চৎলম্মী। লাইগীদমক ! লাইগীদমক, য়েক্নরবা মহাকীদমক ঐনা অঙুক খ্বাবা ঈথৌদাং অমা য়াক্লরিবা— ? হজিক্ত খঙ্গরকই মাগী মকমদা কৎননবগী দমক্ত ওইরবদি

নীংথীরবী লৈরাংগী মপেন্‌-মপৈদু ঈথুংনা থীরুরগ, লমহাংদা ঈথুং পেন্ন, য়াম্ন থেক্ল থেক্ল নোকচহুন্না— শীংগুপ শানা শেগায়হুনা মাং তাক-হজরমগদবনি। অহুবু মতমহুদি— ঐহাক কন্নিসু খনথিবা লৈতে। শুপ্নগী হন্নবীগী নীংবা থুংহন্নীংবতনী, ঐহাক্ল নীংথীন্নবা— খম্বালশিংনা খুরক হাংদনা শাৎলবা পাৎ'য়ায়হুদা অহুগা ঈথ্বাং থুম্নগদৌবা ঈশীংহুদা লেপ্লহুনা— য়াম্না নীংথীবা, ওন্নমক্ত্রদগী— খ্বাইদগী ঈহেন হেনবা খম্বাল অমতং হেক্কচগে খন্ন, লৈন-লৈন য়েংলম্মী। খম্বালশিংহু হন্নমক নীংথীনরম্মী—।
নীংথীবগী নীংথীবা ওাক্ত করম্ববুনো — ঈখ্বাইমক্তগী হেনবা নীংথীবী খম্বালহুনি হায়না ঈথুংনা থৎকদবসি? করম্বা খম্বাল অহুনো— মসিনা মহেন্নবনি হায়না থৎলগ। ঈথুংসিনা হন্নবীহুগী মথুংতা পীরুগদবসি। মরম-সিদগী— মতমহুদা—ঐহাক পাৎয়ায়হুদা হুমীন, ঈখ্বাং ঈশিং থুম্ন লেপ্লহুনা লৈখি— ওসিসু অহুম থোক্লরে। পুন্সিগী পুংফমসিদা, নংগী নফমদা ফোংদোক্লীংলিবা মশীং থীওম-লাকওমহ্রবা থান্মোঈগী সুওশি ঈপাও পাওদমশিংসিগী মন্নুংদা খ্বাইদগী অহেনবনি খন্ন ঈপাও পাওদম থরতং খন্দোক্ত্রনা পাওদমলমগদবসি? ওন্নমক স্ন'শিবগী স্নংশিবওাক, ওন্নমক স্নওওনবগী স্নংওনবওাক, থরতং খনগদবহু খনফম থংলক্তহুনা ঐহাক ওসিগী থেংলবা অহিংসিদা ঈথুংকী মুকচৈ চেমায়থক-থাদরহুনা ঈপাও পাওদম পাওরেপ্লরুরবনি—।

পাওদমগে খল্লম্বা ঈর'হৈ পুম্বসু অকাও ঈপাক্ত লুপথরে। থেংলকলবদা,— অহীংনা অসুম অসুমমক চীকলরুবদা, নখোয়গী য়াওন খোঙ্গেল— তাম্ন-তাম্ন — ঐনা ঐগী কান্নুংসিদা ওাবা যংলে। নহাক্কী মথে য়াম্ন লাওলবী ফাদোক্লবী ওহুগা মচোয়নরবী নশম শমলাং-শিংবু নপুরোইবনা ননশনখিবদগী য়াশনবদা শমজীং চৈনা ফাওরক্তনা নহাক্ল মীৎ পাংদনা নাহেরকপা—, চম্নী— ঐহাক্ল ঐগী কান্নুং'সিদা চীংলোম তরা লাম্ন খোংলকপা উচেক অমগী মখোঙ্গেলংম— য়াম্ন মহু শোম্না, অহুগা য়াম্না স্নংশিনা ওাবা ফংলে। নখোবগী — অহুংদ্বা নশাজৎ-শিংহুদগী থোরকপা খোঙ্গেলশিংহু ওান্নরুগা ঐগী চীরুবা কা'স্নওসিদা

ঈতোমত খম্নজে— চান্নবী থম্মোঈনা খোঈরাংনজরে।

অদুগা— ঐগী মীৎলুগী পিনা অসুক তোয়না তোয়না শীঙ্গ্রিবা অসিগী মরমসিনি মীওইবশিংনা ঙরুহৌগদৌরিবা— অদুগা অঙকপদু কোরুনবা ঐনা মরমদু হায়দোকচরুরবসু— মরমদুনি— হেক তাবদা মীওইবশিংনা য়াম্ন হৌন-হৌন নোরুহৌগদৌরিবা।

ঐহাক মরমদু কনা অমদসু হায়দোক ফোংদোকলম্লোই। হায়-দে'রুদবা ঐনা হায়দোকলমজবদা মরমদু খংনহৌবা হায়বদুদি ওইদরে। কনানশু খংনহৌরোই। খংনহৌবসু পামদ্রে।

করিগুম্বা, ঈশা ঈতোমতনসু পাওখুম পীভমজরক্তবনা ৱাখল অসি ফংখ'নরকই—। অদুবু— শীঙ্গ্রিবা ঈমীৎ মীৎলুগী পি, পি পুন্নমক নহাকথক্তীনি হায়র্বাসিদি পাওখুম খুদীংমক্ক ইপক্ত পক্তনা লৈরগদবা ৱাহৈনী। কদৌদুং কোকপা য়াররোই।

অহানবা— মতম খরদা - ঐহাক নহাক্তী নরমচং অদু য়েক্ত লমচং ওইরম্মী— নহাকপু তমথীনি খন, নংনা লৈবা মকমদগী য়াম্না থাপ্প চেন্দুনা নত্তরগা নাথৈদুনা পুন্সি লেল্লুরগে হায়না কয়ারক হম, হম-হম্ন তেমশীংলম্মী।

তেমশীংলম্মী— অদুবু কদৌনী তেমশীংই হায়বদু মত্তায়— তাই-বংসিদা পোকলক্লরবদি হবচাং পোলাংনা শিনাইনররগনি হায়বা খংনরবা মীওইবা কাংবুনা শিবদগী নাম্থোক্ত লৈরুগদবা তাইবংসি নত্তবা অতোপ্প মক্ক অদু লৈতবনা, নোঙমা নত্তরগা নোঙমা, নোঙমা অমদি শোয়দনা শিনাইরুগদবনি হায়না খংলবা তাইবংসিদদা হম্না-হম্ন পোক্লর-বগুম— অদুগা শিনখিবগুম— ঐহাকশু মশাক্ত তোনমনখিবনা, তমথী-শাক্তংনবী ননাক্তগী য়াম্ন থাপ্প হিঙলুগে হায়না থম্মোঈনা কয়ারক হম্ন তেমশীংজদুনসু থৌনা লৈত্রবা ঐহাক, মতম অশুক কুইরকপসি তমথী-নশাক্তং ওইবী নংগী পুন্সিদুগী শাইনোন'য়াদা, নাচোমগুম অশুম্মক নপচা-থেংচ ঙসীকাওবা পুন্সিনা লৈরক্লিবসিনি।

নহাকশু খংদিগনি— মী চাদবা কৈ কয়া লৈরে হায়বা, কৈ কয়া'ম— অদুগা উটহেগী মহাও কাওরক্লবী তেনয়া কয়া। মতম খরতংদি কৈ অদু মীয়ু-মীশাবু মীহৌরম্বনা মহাও কাওহনলমদবা য়াই, অদুগা চীঙ্গাকশিংদু হৈনদবনা অশেম্বা পোন নত্তরগা অক্লাতুগী মপুংতুদা তেনয়াহুনা মতু মমান কেন'মথৈ হৈনদনা শাখপচরম্বা—, অদুনগীদি মখোয় ওয়মক তুমীন-তুমীন লৈনখিবা ঙাক্ত নত্তরা— মতৌশিংসিদা কয়ামগু অঙকপা মতৌনি হায়নরক্রে—।

নোঙ ঙানগদৌরে। থোংনাওগী অহোবা মথুলদা উরে— অমম্বগী মথৌনা য়াম্না হন্থরক্লে অদুগা 'তিয়াগী থম্বানমীচাক মশীং য়ান্ন হন্থ-নরক্লে— খরতং লৈনহৌরিবশিংসিসু— মীৎ থক্লবা মঙাল য়াওনরক্লনা মৈহুং চংনুরগা ঈংথরক্লবা তকথোক্লিব্রবা লুপাগী লৈতেংগুম ঈমক মকশন্নথ্রে।

নোঙ ঙানদ্রিঙৈ, ঐগী ঈথৌনানা লৈরিঙে— চান্নবী, নংগী না'প (য়েৎনা-ওইরা ঐগী মপোক থীরকঙৈ চীনবান য়াদা ওনশল্লকপা অমদা) দা চেকশন্ন ঈপাও অমতং পাওদমলমগে নহাক তাও। ঐগী মীত্ত, য়াম্ন লোনবা থম্মোঈম্নংগী ঈমীৎকী মীৎয়েংদা, ঙসিদি, মীওইবা মথল অনী, উরে। শা-ঙাবু থোংনেৎনরিক্না মীওইবা— লৈবাক-লৈবাক খুদাংগী লৈমাবা-লৈময়েনবীশিংদগী হৌহুনা চানীং থক্লীঙাই লৈত্রবা লাইরবা য়ুমনাইদবা মীওইবা কাওবা অদুগা চান্নবী— শা-ঙাদগী সু শক্লক লীশীং-লীশীং হেম্ন লৈথা তারবা মীওইবা (ফমদারকই থৌনা ম্নাওম্রবা নীংবা কায়রবা লৈবাক লৈমাবশিংদগী হৌহুনা হুরানবা-চৌম্বীব মীওইবা ওইনা পোক্লনশু— শকুম গুম্রবা— হিংনিংদ্রবা, লমচং কাম্বী, ওক্লবী কোকঙমদবা লৌনগানবা লাইনানা মাহুনা— শিসি শিঙমদ্রবা মীওইবগী মরকশু তিনওমদ্রবা— মীওইবশিং)।

ঐদি ওম্ন-তৈনরে। চাক্লীবশিং অমদি লাইরবশিংবু থম্মোঈনা অহুক হায় মুঙশিগে থল্লুদে— নহাক শাওবরা শাওখিগনু—, মখোয়গীদি চংজকম লৈ। তাইবংসিদা হুরানবশিংগী চংজকম লৈত্তে। ওক্লবীশিংগী তাংজকম

নং থক থীওম্লোই— মফম ফমদাৱকতৈ— মথৌনানা নাথৈনখিডে—মৈচাক্ক ওমচাক্লৱবা লৈমাবগী থম্মোইগী মৈচাক থক কোকওমলোই— চাম্নবী, থম্মোইদুবু বৈদনো, ঐবু শাওখিগনু— নং অমুক্ত তাকউ— মীওইবা লক্ত পোক্লদুনস্ত—, হৈকোন্দা হৌবা মহৈ যান্দবা অচম্বা উপাম্বীগুম কাম্নকম খংম্রবা— শক্তম শুম্রবা—মীওইবশিংগী থম্মোইগী মৈচাক-নহাক খংম্রা? অদুগা, চাম্নবী- শিরগনি খংলবা—মীয়ামদা কনাইথোক— অহীং-অহীং খুদীং চেক্তেং থাগোন য়াহৌপ য়াতাম্নিন্না, নুঙশিবা ৱারী শাম্নি-ন্নদুনা, ও! চিনচুপমিন্নদুনা লৈমিন্নরকপী মতালোই ফাওবনা থাপতোক-ম্রবা— লৌনগনবা লাইনানা যঙমদনা নাচনা কৈরিবা— মীওইবশিংগী মৈচাক নহাক খংদববা? মথোযগী—লৈফম ইম্মোকলবা মথোয়গী পুন্সিগী নাথৈফম— মফমদু— ওসি— অশুক পাক চাওবনা কোয়রৗহনবগী মঙন ফাওবনা থুংনা শন্দোকমেদ্রবা— তাইবংপান্দা পীডমন্দ্রা?

নহাক মথোয়বু নুংশিবীয়ু। মথোয়গী কনা লৈতে। মথোয়বু নুঙশিজে ঐ—। চাম্নবী— মথোযবু নুঙশিবীয়ু—। ঐগী তুংইন্নবউ

নহাক সিমদী শোয়দনা থল্লমগনী—নহাকথক লেপ্পাই খন্নাইদনা শীন্দ-বিবা ঐগী ঈমীং মীংলুগী পিশিংসিগী— শুপ্পগী লমন অমতংদি শিঙগে হাযনা—। ঐদি কৱিস্তু পামদে। ম্ন,গী লুহুপ অমা পাইদুনা ঐঙোন্দা লমন্ন লনশিংনদুনবু কদৌনি? কৱি তৌঙগনী? শেনদোও কবিশু লৈতে—থল্লী ঐদি। ঐদী হুই-য়েন মখোইশিংদগী সু হেন্ন মওং নাইদবা কুংজাও-দগী সু শক্লক লীশীং-লীশীং তোল্লবা— কল্লাম্নবা নতবা? ঐ ম্লাগী লুহুপ থক পামদে—। পামদে— পুন্সিগী পামদে চাম্নবী।

ঐহাক অপাম্বা অমতংদি লৈ। থম্মোইনা য়াম্না পামজবদী লৈবাক অসিগী ম্না কৈথেল অসিগী মন্নাইমক্তদা অপাকপা লম মচেৎ অমতং কনশন্দুনা থম্বীদম্মু—গী পুন্সিগী মনুংদা (ঙমংনী হায়না থল্লী- মোতিগী ম্নায়বা লনগৈলক্তগী নংগী শক্লক ওইনা—, ঐগী ৱাসি লৌ—, লম-হাংদু লৈনবা শেন্দী শীজন্নংম্মু) লমদুদা নীংথীবা য়ুম থক শাবমগনু অদুগা মফমদুদা— মীওইবশিংনা ঈম্মোকপীরবা চংজফম তাংজফম

লৈত্রবা হুরানবশিং— য়ারেক্লজসন্নু, মপুন্সি হাকন্দা লমচৎ কাযববী কৈথেলগী ওক্তবীশিং অহৌং-অহৌং খুদিং লমচৎনজসন্নু—, মীওইবশিংগা খেঙননীংত্রবা শক্তম সুত্রবা মীওইবশিং লোৎনজসন্নু,— মতু-মচা কাওবনা নাকোই লমচৎনরক্তৈ— খাংঙমদবা মৈচাক্ল চাক্ল্না কাহৎলবা—থম্মোঈ ঙৌরবা— লাইওং করিনো খংদনা থম্মোঈ মৈচাক্লনা নারবা— মীওইব-লক্তা চন্নবীত্রবা— কপচবা ফাওবা পেন্ন-পেন্ন নীংন্সু কপচবা ফংজত্রবা কয়ামা ন্নারেকফম থিজরক্লবদা— য়ারেকচসন্নু, অতুগা চান্নবী— মখা পোল্লন্বা মনাইনা মায়থীবা শীত্নুনা মথৌনা মুনগ্রবা— ওক নোনবদি পাম-দবা— লাংজেন পানবা— করন্বা লৈবাক্তগীনো— ফমদারকতৈ লৈমাবা অমনা তৃমীন শুপ্নগী মতোমন্তা— খা চীক্ল মফমত্নুদা লাক্ল্না পোৎথারসন্নু নোওমদি।

নহাক— ফনমক লাইর-অন-নহুনন্নু— চ ত্ত ফম লৈৎশিংবুদি ও স্নুক মুওশিকরনু—! ঐগী তুং ইল্লকউ—, নহাক তেনবদগী তোল্লবা, ঈস্তোক-পীরবা মখোয়সিবু মুওশিরন্মু —।

ঐহাক ন্নাগী লুহুপ থক পামদে। পামদে, পুন্সিগী পামদে হুজীক্তী।

করিগীবু অস্নুক শাংনা ইরুবিবনো— ইগ হায়না খনবমখৈনা— বৈদ চৎনগ্রবা অতুগা ইকরিবশিংনা করন্বা হুমিত্ত ইরমগে হায়না খনথ্রিবনো। অশুক য়ান্না ইগে খনবা নত্তে। চান্নবী নহাক্ল মতম অমদা ঐবু যাইচুরবা লম্বীচুদা ঈখুৎ শন্নত্নুনা পুবীখি। ঐহাক কাওত্র অতুগা পুন্সি অসগী অশেংবা মহাও অত্নু ঐবু তংহনবীখি— ওসিদি ঐহাক্ল নংবু অমুক লমজীংজবা তারে— লম্বীচুদা। লম্বীচুদি— য়াম্না নীং তমগ্রবা লগীনি। চান্নবী— মফমত্নুদা তাইবংসিগুম ওতুক হাক্ল মীচং-মীথায় নাইদে হায়না ওাই— মফমত্নুদ চান্নবী— শক্তা কৈথেলত্নু কাদে— যান্ন মগনিশু হায়নৈ— অতুগা য ম্ন ঙানবনিশু হায়নৈ। অতুগুন্বা মফমত্নুদা ঐহাক্ল নংবু অতুগা মীতন্নরক্তিবা নংগী থাবুম মঙা লোল্লক্লবী— শীবুকন্নুং ঈতুন্নরিবা ঐ-নংগী শক্লাইত্রিবা ঈচা নখোয় অনীবু য়েৎ-ওই

ওইবা ঐগী ঈখুৎ নাম্ম-নাম্মনা চেৎনা খুৎশল্লহুনা লমজীংহুনা পুরগে—।
ঐগী ত্থু উল্লকউ — হৌগৎলো— অযুক ওইরে।
লম্বী লমজাও— মীনিংলমরাক্ল— ঈশানৌ।

লৈবাকপোকপা —।

নুমীৎ যুভলে। যুভসনু। ওসিদি ঈবেম্মনা চাক থোংই। মানা থোংবা চাক ঐনা চাবা তাই। চাক্তি শুবচা চানীংদে। অতুবু অরোইবা পুক্ষগী নুমীৎসিদা মখুৎমক্ক থোংবা চাক্ত শুপ্পগী চরা অমতংদি চাখিগে খনবনগী ঐহাক, ঐগী চাক শরুক্ত— য়াম্ন ওপ্প ওপ্প চাথৎলম্মী।

নুমাদাংবাই —।

লৈকোন্দগী চংলরে, ঐ,
পুন্সি লোইবেদকো হায়না শুপ্পগী অমুক্তং থল্লকই।
নুমীক—
পুন্সিদি লোইরেদনা—,
কদোদগে লোইখিসনু—।

খাদোক্লগদবনি থল্লক্লগা—, তাইবংসি মীৎলৈ পেন্ন অমুক্তং য়েঙ-জনীংলকই। যেঙলুন্নগা অনীংবা ঈল্লাখল লৈফেনখিগত্রা কিখিবনা ঐহাক্ক ঐগী কাগ্নংদা ঈমীৎ চেৎনা উইশন্দুনা খাংজে। য়েঙলুবগী নু কাম্নত্রে - মোওথী লোওমক্তলবা নুমীৎ অসিমা থম্মোঙৈবু মৈচাক শীরবতা থওল-গনি,— খংলে।

নুমীৎ তাবা —।

নুমীৎ তারে—। যুমগী মীনাই মযমগা হনখিবা কুইরে।
মীকুপ খরতং ভাইরেদো—।

লেপ্লো, ঐগী থম্মোঈ, খোংথাং হল্লগনু। লেপ্লোবা—।

রেডিওগী ঈশৈসি কয়াদা কম্ন শকলল্লবা। ঙসিদি খোঙ্গেল অমত্তসু তানিংবা পোক্তে। মরকসিদা লাইরীক পারিবী মখোঙ্গেল তারে, ঐনা খুৎতা থাং পায়। অরংবা মশেক কায়বা থাংসিনা ঐঙোন্দা খৌনা হাপকৎলক্লে। মহাক তুমখিসনু। চংলসিন্না খল্লকই মহাক লাইরিক পাবা লেপলমদ্রি। হকচাং পুম্না করিনে।— মংগুমথ্রে। চংখীরোই। মীৎলুগী পিগু তারকই। থাক্ন-থাক্নগু নোক্লীংলকই। কনাবুগু নীংশংলক্তে। মহাক তুমখিসনু।

ও! মহাক্কী মোল্লবী খুৎকি খুৎনান্দু হজীক্কু নত্তন্না মহান্না নানখিবনু।

অহিং —।

রেডিও খোংখিদ্রে—। চেক মোক লাওখিদ্রে—।

ঐহাক চংলগে খল্লক্লে— মরমদি মহাক্কী লাইরীক পারম্বী খোঙ্গেল লেপখরে।

হৌগৎলুরবনী— অমুক হল্লক্তনা ফম্নরে।

হন্দক্কী লেপ্লবনি। থম্মোঈনা লেপ্লবনি। খোং অসি থাংলে— ঐহাক চংলে।

ঙসিদি— মতমগী— খোংচৎসি ওম্থোক্না তপ্পা চৎথেদা। করিন্নীনো হজীক ফাওবা মহাক্ন তুমথদ্রিবা?

* * *

[অগুম্না অইবা চেনায়শিংদু লোইশল্লমই]

ঈবেমহলদু অকীবনা অদুগা তু-চুংখিবনা কুচু কুমেন পুম্নমক গুনখরে। চেমায়শিংদু তপ্প-তপ্প খুমজল্লুরগা পাক চাওরবা ঈমুংদুগী মকম

খুদোংমক্কী ওইবা মৈশিংদু অমত্তা চৎথদনা থানগৎলম্মী। অঙাওবীদোম্না ঈমুংদু মৈগী মৈ মক্তনা পুমলোং লংহুল্লবফাওবদা অপেল্বা লৈরক্করে। ঈমুংগী মফম খুদোংমক মৈনা ঈরং লঙনা ঙাম্না থানগৎলগা ঈবেমহল কান্নংহুদা তুমীন ফমলহনা লৈরম্মী। থম্মোইনা খল্লকই—

ইরমলিবা মৱাংশিংসিদি তাইবং কায়নবা মশক্কী কনাগুম্বনা উৎথরবদি, পুন্সি অসি লোইরে—" খল্লক্লনা ঈবেমহল অইবা চেবুল অদু য়াম্না লোংথ্রবা মফম অমদা থমজনখ্রগে হায়না "অরোংপা মফমদু কৈদনো ?" তুমীন থন্দুনা লৈরকই—। অচুম অরান ? কনানা লাল্লোবা খ্রহ্গা কনানা চুমলিবা—? পুন্নমক থম্হৌমদগী থৌনা ঈবেমহলদা লৈরমদে। থৌরাং পুন্নমক থমখো থল্লায় মাংলমগনি নত্তরগা পাওশিংসি মীনা থংনখিগনি হায়বসিতংনি ঈবেমহলনা কিরিবা—। অদুগা— অশুম্ব থম্মোঈ শোক্রম্ববা— মনাই চাওববু য়ুমসিদগী য়াম্ন তাম্ন থমথ্রগে খল্লকই। মতুংদু থম্মোঈনা য়ানীংলক্তে— থাপ্প লৈখিবনা হেন্না ফত্তবা ওইরক্কনি— অদুদি মপুন্সি চুপ্পা মচীন মেন্দুনা মাগী মনাক্তদা লৈহনবা হায়না ঈবেমহলনা ৱারেপ তারম্মী।

চেবুল অদু অদুগা থাং অদু কনা অমত্তনা থংখি উখিদনবা খ্বাই-দগী লোংপা অরোনবা মফম অমদা ঈবেমহলনা থমজল্লরগা মনাই চাওববু মফম কৈদ লৈবগে হায়না থিক্ক-য়েংলুনবা কাগী থোং ভদু য়াম্ন চেকশন্না হাংদোকলম্মী।

ঈবেমহলগী হকচাংদু থং-থক নীকলী অদুগা মমীৎশিংহুনা লৈজব-মখৈ লাওনা-লাওনা পাংথোক্লহুনস্থু ঈমম-মম্মতা লৈনরম্মী। মনাই চাওবা হুজী ৫-হুজীকমক শকথেংনহুনস্থু করিগুম্বা ৱাহৈ খরা ভাংনগদবদি লৈতে। ভগ্নোই। কৈদ লৈরিবগে হায়বদু য়েঙনীংবতনী—।

পাক চাওরবা ঈমুং অদুগী মফম খুদোং ঈবেমহলনা চৎ-চৎতুনা মনাই চাওববু থীগে, য়াম্না লোম্না, মানা লৈরমগদবা মওং অদুতং য়েংগে— খল্লী। অদুবু মহৌশানা মীরোললকল্লবী ওইবগী হকচাংনা

মরুম হৈনগৎলকপমে, অকীবনা লুতোন শাৎনা মীপাইহনখিবনে— চুন্নগী-চুম্না ওইবা মখোংগী খোংথাং ফাওবদা চৈঙাক ঙমজরক্ত্রবী কমলাক্তনা হকনীং পোৎলুম পুঙমলক্তবনে খোংথাং খবতং নাহে নাহে থাংলমলগা ঈবেমহলদু খোংথাংন ঙমলক্তরে হকচাংন— তুরোই ঙাম্নোইনরক্লে— ।

ঈবেমহলদু চেক্তী ফরাংশিংদুদা মখুৎনা চৈঙাককুম পাযর-পায়রদুনা ঈম্নুংগী মফম খুদীং শিন্ন— মপুরোইবনা য়ুমহন্নরক্লি্রঙৈদা চত্তুনা মনাই চাওববু থীহৌনবা হোৎনরম্মী ।

অচানবদা য়াম্ন চেকশন্ন অতুগ য়োঁঙমদনা মনাই চাওবগী কাদু যৌরক্লম্মী । খোংথাংদু মহৌশানা লেপখিরম্মী অদুগা নীংশা ফুইনা ফুইনা হোল্লদুনা, থাপলম্ননা মনাই চাওবগী কা তম্ন মীৎয়েংনা য়াম্না মুম্ন য়েংলকই ।

কা অদু মহৌশা নত্তবে । থোং লাওনা হাঙদোক্তনা লৈবে । অঙানবা মৈঙাম্ন কাদুং'দু মুঙথীলগুম অমম্বা মচেৎ মত্ত য়াওদনা ঙাল্লে ।

নীংশংবা থোক্লে, মতৌ করম্ন মনাইগী কা-গী থোংজীন্দা মশাদুনা লেপলমলিবানা হায়বা । ঈবেমহলদু মনাই চাওবগী থোংজিন্দা লৈরাম্ন— মীৎয়েংদুনা মুম্ন চাগদৌগুম— য়াম্না লংনা শংদাম্নদুনা, লৈমায় থক্ত খুউ— লৈমায় শৌন উপলদুনা মমাযনা লৈমায থেঙনা তকশন্নদুনা অঙাংবা ঈবক্তা অশাবা লাইগুম লেঙদ-হাইদ তুমীন তাদুনা লৈখিবা মনাই চাওববু য়েংলম্মী ।

থাজবা ঙমলমদে । ঈবেমহলদু শংত্রিক যেঙন— য়েঙন— অকিবা পক্তনী মুপী অমগুম মনাইগী মনাক্তদা য়াম্ন চীং লেপ্পী মতৌ নত্তরগা অশাবা মুংগী লাইনা করিগুম্বদা অশেংবা থরায় পাল্লক্তনা চংলকপগুম— চংশল্লক্তনা ঈশিংদুদা খুৎনা শোকলম্মী— থরায় য়াওদ্রবা মনাইগী হকচাংদুদা মীওইবশিংনা মহু কাম্নবা লিপ অমতং পায়নবা হোৎনবগুম - মংগী মতৌগুম শোকলকলম্মী ।

হেক শোকলুবগা— মাগী অৱোইবা খুৎকি খুৎশোক্তুং খোৱাংনা ভাইদুনা লৈরম্বগুম— উপ্ন লেংদ-হাইদ লৈরমলিবা মনাই চাওবগী হৃৎচাংদু কান্নুং শিন্না শদোক্লিবা অঙাংবা ঈগী মরক্তদা মায়থোং লোংনা ওল্লকই— অদুগা থবাক য়াম্দা অমম্নুং পুক্লোপ্তা হন্ন-হন্ন খীল্লুরবা মতুংদা শদোন তম্ন থাংখোক থুম্ন খীনজল্লীবা থাংবু চেৎনা পায়রম্বগুম তৌরম্বা মখুত্তনা খংহাই চাইথরক্তনা অনংবা ঈরক্তা কেম্বরক্লিবদু উরক্লম্মী।

ঈবেমহল ৱাখল য়াওদনা মীৎকুপকনি হায়বা কাওনা ভহাক শংত্রিক য়েংলম্নগা— থম্মোঈ ফুক্লবী মতৌ— পাক-চাওরবা ঈমুং অদু শিন থুংনা কম্ন লাওরম্নগা মখুৎ অনীনা মমায়বু চেক্তেৎ থনশল্লদুনা ঈমুং থুংনা কোইচেন চেনবা হৌরকলম্মী—।

লম্বী চৎপা মীশক থরক্তং নত্তবগা য়ুমথ নৱিবা মীশকশিং ওইরমগনি মহৈ-মহৈ চেনশম্নরক্তনা— য়াক্লবী অদুগা হৌরবী খোঙ্গেলদুগী হৌরক-ফম থিনরবগুম ঈচুম তাফমদুদা পরেং পরেং লেপ্পরৱে। ভশেংনমক্তী— মখোয় পুম্নমক অৱোম্বা ৱারীদু অমত্ত খংনবা নত্তে।

থাবুম অনী অহুম হৌগ্রবদদি য়ুমগী মনাই চাওবনা শিংখিবগী অঙকপা, মরম খংত্রবা ৱারী অদু অস্নুম-অস্নুমক নেমথখিদুনা কনানশু ভক্লদুনা নত্তরগা নীংশংনদুনা লৈনদ্রে। অদুবু ঈবেমহলগী থম্মোঈদুং মথৌনাগী অহনবা কাওনাইদবা লৈত্রবা তমথিবা মৈশা কনবা মৈচাক অমদি লোই-দুনা লৈবে।

মখুৎমক্ত ইবমন্লিবা ৱাহৈশিংসি লোৎশন্দুনা থমলিবা অসিনা ঈবেমহল মীকুপ খুদীংগী ওইবা থম্মোঈগী তৱাবা ৱ্যথল ভসি কোক-হনবা ভমত্রিবনি। চেবুল অসি তুম্নবা শেগাযবা, য়াম্ন কুপ্ন কুপ্ন, নত্তবগা মৈদা থাদোক্তনা ৱাহৈ পুম্নমক উৎ ওনহলখিবা— মহুত্তদা থম্মোঈগী কুপ্সংনৱিবা ৱাখল অসি কোকনি হায়না খল্লী। শেগায়দুনা নত্তরগা— উৎ ওসহন্দুনা—।

অতোপ্পা মীনাই অমা থমাদ্রবা মখৈদি, হায়রুনা মোতিনা মনে থোকপী— তেলিপতিদগী হনুবী হু কৌরুনা য়ুমশংবী ওইনা থমলম্মী। মরক মরক্তা— ঈবেমহলগী মপাবুঙ অমদি মমাশি মচা নীঙোন্বু কুম-থা শুজল্লক্লে হায়না য়েঙশনবা লাক্লে। মী লৎপা মতম ফঙলক্তরে— করিগুম্বদনা মমান্নবীশিং— করিগুম্বদনা মপা-মবুং অতুগা কবিগুম্বদনা খংন-চান্নবা কয়া—। অহাংবা মতম ফঙলমদে—। চেবুল অতু শেগায়রুনা নত্তরগা মৈ থারুনা মাংহল্লুগদবসি মফম কৈদনো থনফম খংলক্তে। মাংহনবা ঙমলরোইদ্রা, — খল্লুরগা হেন্ন-হেন্ন মাংহন্নীংবগী চাঙ হেনগৎলকই। য়ুমসিদদি ওইদরে। করিগুম্বদা শেগায়রিডৈ নত্তরগা মৈথারিডৈ য়ুমশংবী হনুবীনা নত্তরবসু কনাগুম্বশিংনা থেঙনবা থোকখ্রবদি বাফমহু লোৎপা য়াররোই। হঙনরক্লোইদবা কনানো ? মথং মথং ঙম্নমক হঙনরক্কনি। "ওইথোক্কনি উদ্রবা মরমসিদগী য়াম্ন থাপখ্রবা মফম অমদা— মী কনা উরোইদবা মফমদা (মফমতুদদি উমং ওইবা যাই, নত্তরগা পাক্রবা লমহাং অতুগা চীংগ্লং, ওইনীংবা অমা ওইবা যাই, কনাবু খংথি উথিরোইদনা মফম ওইরবদি), মফমহুদা— মথৌনা লৈরবা মরাইহৈশিংসি শেগায়রুনা নত্তরগা মৈ থারুনা মাংহল্লুগনি।" ঈবেমহলনা খন্দুনা লৈ।

থোকখিডৈ থৌদোক কয়াগী মতুং— (ঙসিদ্রি)!

"তুম্নবা— মাংথাকখ্রবদি থম্মোঈ অসি খবতংদা ওইরবসু হাংজ-য়াংজদগনী" অশুম হয়না ঈবেমহলনা মতম কয়াগী মমাংদগী খঙ্গখি হু কান্নদবা রাখল তান্নকলম্মী—। তেন্দোং য়ান্দুনা, তেঙ্গৈ রাঙ-পাদনা পুরহুনা শাদাল্লিবা শাদানবগী, অমা শোয়খ্রবসু অমা লেপ্পুনা কাপশল্লকপা মচীন ভুম্নবা অতুগা য়াম্ন মহু চাওরবা তেঙ্গৈগী মতোংম্নবা চেক্লুল অতু মাংথাকহনখ্রবসু— অতোপ্পা রাখল মপৈ-মপৈনা, থম্মোঈবু লেপ্পু-খমদা ওৎ-নৈহুনা লৈররে। মতোমত তানা লৈবা য়াদে। শক্তম-শিংহুনা তশেং-তশেং চোঙথোরক্লুনা মীথরেংগী 'মাংদ শাং-শাং লেপ্লবে। উরক্লিবা শক্তমশিংহু ওন্ন অকীবা অতুগা য়াম্ন হঙ্গোইখ্রবশিংগী শক্তম

ওইরম্মী। করিগুম্বদা, করিগুম্বদা নত্তে মতম খুদীং অতুগা মীকুপ খুদীং শক্তমশিংতুনা মরাল অতু উৎল-উৎলতুনা কুম থা গুরক্লবী ইবেমহলবু য়'ম্ন পেন্ন-পেন্ন লক্লবীরম্মী। ঈবেমহল, নোঙমা নোঙমগী পোৎলুম্নবা চেল্লক্লম্মী। মশক্তু য়েঙলগা ছৌখিডৈ মতম থর থংলম উন্নমত্রবসু হুন্নীক্কী অতাক অকোনংনরক্লতুনা, মপুরোইবনা হংলক্লে—

"হায়য়ু— নহাক কৈদৌরে— ?"

"কৈদৌরবগে— ? কৈগু তৌদে ঐ"

হু চারবদা চাদবা শাতুনা খজিক্কুং নোকমিরম্বগুম্বনি। ঈবেমহল মশানদি খঙজে— মশাতু য়েংবা য়ারয়রোই। ৱাখল য়াওব্রবা করম্বা মীওইবগী হকচাং পোলাং লৈবগে ? অভাওবসু অতুগা ভাওদবশিংসু মাগী মাগী ওইবা ৱাখলদি ওন্নমক লৈনবা ভারক্লী—। হকচাং পোলাংনা ৱাখলগী মতেং লৌজৈ। অৱাবা নত্তরগা কেমলক্লবা ৱাখলনা শমক্লরবা হকচাং পোলাংনা করিগুম্বদগু তেক্ক কায়দা লৈজবা ঙমদে। লাম্মৈ-মৈশা ফংলক্লবা উগী উশাগুম, অতুগা উশাতুদা নপচবা উনাশিংগুম অৱাবা ৱাখলগী মৈশাতুনা হকচাং পোলাং'ছু শক-চু ওনহল্লী। "মসিদি মীওইবা অমদা ৱাখংদবী ঈতৌ লংজক্লবা ঈয়ালগী ফংজবা ঈতিক চাবা চৈরাক্লী"— ইবেমহল ৱাফমসিদা মশানা য়াজরম্মী। মরালগী চৈরাকসিনা মাবু হীরু-হীরু কপনীংবা পোকহল্লকই, করিগুম্বদনা ভাইদং অসিগী করিগুম্বা শক্তম অমত্তংবু হম্ম য়েংনীংঙক্তবগুম মমীং-মনা চেজেৎ উইশন্মেনশন খাংজরক্লম্মী। পুম্নমক অসি করম্বা ৱাখলগী অবক্লবা চৈনানো হায়বতুদি ঈবেমহল খংজদে। খংজদে, খংগে হায়বসু খল্লদে। খংজবসু পামজদে—।

মীবুকতুং-মীরোল্লীবা অঙাংতুগী মরমদা মহুচাওবা ৱাখল্দু খল্লকই— "অঙাং অসি কনাগীগু মচা নত্তে— অতুগা য়াম্ন হঙোইপ্রবা শক্তম চেনবা মচানি" হায়বসি। ৱাকমসি থম্মোইনা য়াজতুনম্ন খল্লবা য়াদে। খল্লবগা

ঈবেমহল করিগুম্বা হিদক অমা চাহূনা মিতয়ঙ্গক্কদবগী অকক্কবা মতম-'হূতং ওাইহূনা লৈরবা পীবুক'মুংগী অওাং অহূ পুবমুংদা উৎ ওঙ্গ অতুম্মক মাংহন্নিংখিবা পান্দগী ৱাখল অমা পোবলম্মী। "হৌরককম অতুগুম মহাবসু শোয়দনা মিতয়ঙ্গক্রগনি। অহূদি—, বনা উদ্রিঙৈ পুকমুওদা অতুম্মক মপুন্সি কেমজখিবনা কত্তবরা?" য়াম্ম কুপ্প খল্লৱবা মতুংদা,— "অতুগুম্বা শক্তমহূদি বনা উদ্রিঙৈ উৎ ওঙ্গ মাংজখিবনা কৈ।" ঈবেমহল চপ মুওনা লেপ্লে। খল্লু-খল্লু খুদীং খোংদাফম লৈরক্কে "মীহাৎপীনি মহূদি। মীহাৎপীহূ ওইরগে। মহূদি মীওচৎ থীবনী। মীওচৎশু থীরগে। মীপুম্বনা মরমহূ হুওনবকনি—। মরমহূসু—।" ঈবেমহল— অওাওবী-গুমলকই "পুন্নমক অসিগী মরমহূদি কাদৌগুং— বনা অমগী মফমদ ফোংদোকহৌদে—।" সিদগীদি ঈবেমহল থৌনা পুম্বা মাংখখিহূনা— তুমীন হবচাং নীক্ক-নীক্ক লৈজরম্মী।

গুপ্পগী খোন্থাংহূমতং থম্মোইঙ্গুং হঙ্গ-হঙ্গ রৈহৌই— "মহাক্তি— হরাওনীংওাই ওইদ্রবা অওাং ওইগনি। মহাক্তী— ঐগী পুন্সিবু তোয়না-তোযনা লক্করগদবা অওাংহূ ওইরগনি। অওাংহূ ওইরগনি। মহাক্ক ঐগী পুন্সিবু মিকুপ হাংদনা হনবা লৈতনা করেম্মরগনি। মরমহূসু হংনরগমু। নীংশংলুবতংদা ঈশাবু ঈশানা হিংলী কাওহনওম্মথৈ মথৌনা লৈ। ফজ্রবা মরমগী মরমহূদি। ঐহাক্তি মীহাৎপীসুনত্তে—। মীহাৎপী নত্তে—, অতুগা থম্মোঈ কনবীসু নত্তে।"

ঈবেমহল অৱাবা পুন্নমক পক্তবগুম তুমিন্নতা লৈথরে। অতোপ্প লম্বী অমা ফংলম্মী। অসুক কুইবা মতমসি ঈবেমহল য়াম্না লৈতাঞবী নতৌদা লৈরক্লিবসিগী মরমদি— অওাং'হূ পোকওমদনা মহাক শিজখিবা অসিনি। অতুবু শিজনবগীদমক্তা করি থোইদোকপা শেম-শাবা ওম-হৌদ্রিঙৈ ঈবেমহল পুংজা-থকুদা লেপ্তুনা লৈরম্মী।

"ঐহাক মাবু হাংপা ওঙ্গ'বাইদবা!! মীৎ তাংলবা মীয়াম মপৈ-সিগী হরাও তয়াম্নবা মরক— ঐহাকসু তীনখীবা তাম্নক্কবরা!!!"

ঈবেমহল মৈচাকলক থাংগমলক্লবতনা অহৌক্লরকই, অদুগা মীংয়েংদুনা করিগুম্বদা— য়াম্ন নোঙথী নোঙমঙলবা 'তিয়াদুদা য়েঙলম্মী— । কুপ্লবা তক্লরবা নোঙলীক খরতং থীকথরম্না থেংনৈ— । নোঙ তারে, ঈবেমহল খংই "ই লবা শাফুসিনা ঈরালবু চামথোকপীসন্নু— ।"

য়েঙমদনা য়াম্ন কুইনা খাংলম্মী । পুন্সিগী ওইনা য়েঙপ্পরম্লোই হায়না খনপ্পবা শক্তম অমা য়েঙনীংবনা থাংগমলক্সিবসিনা করিগীনে। ? ঈবেমহল খংঙমজরক্তে, য়েঙনীংবনা থাংগমলক্ববনা— কনা লৈত্রবা ৎ হাংবা অদুগা তাম্লক্লবা মতমদুদা নোঙলম্বদগী ঈবেমহল খরতং চেপথরক্লনা নাকওইননা তাদুনা লৈরিবা পুং ৫ শুরদা লুপীমচাদুবু কীনখংনে, অদুগা যেংঙমদনা য়েঙলম্মী । ঈবেমহল অংকপা পোকলম্মী—কুচু পাল্লবী, নাতোন তুম্নবী, মমীংমনা তরু তরু পাঙলিবী অদুগা অমুবা শন্না চোম্নবী লুপীমচাদুবু উরকপদা ঈবেমহল ফুক হৌগৎলক্লনা— নুকথরক্লনা শংত্রিক মুন্না য়েঙলক্লে । য়েংলু-য়েঙলুবগা থম্মোঈনা কপীংলম্মী—, থম্মোঈনা মকা লাম্না নোকচনীংলম্মী— অদুগা থম্মোঈনা হেদোই-হেগানজ— হরাও তযাম্নবক্লম্মী— । পুম্নমক্লগী ওম্নমতৌ— ঈবেমহল মচান মচানবাম্না নোকমি নোকমিজরিদুনা থীঙঙম-থামঙমদবা মমীং মীংলুগী পি চেম্থরক্লনা, লোঙনা হীপলিবী পুং ৫ মহায়গৎলক্লিবী লুপীমচাদুবু পমথৎলদুনা—হরাওতযাম্ন, অদুগা মীংলুগী পি তানা চাগদোবগুম হনবা নাইদনা য়েঙলক্লে ।

করি খংজদ্রি লুপীমচাদুবু য়েঙন-য়েংন রাখলজরকই— "ঐ-মাবু হাৎপা ঙম্নরোইদবা !!! মীং তাংলবা মীয়াম মপৈগী হরাও-তয়াম্নবা মরক অসিদা ঐহাকশু তৌনখিবা তারক্লবা !!!" খংহাই খংজিনবা— মনিং তমজপ্রবা রাখল থুংলৈ য়াংন শাথুপ্লখি— । শাথুপনপ্পব মতুং ঈবেমহলদু মাযথোং য'ম্ন লুঙশুক্লপ্রে— অদুগা থম্মোঈদা তুমীন খল্লম্মী— "ঐহাক কপলিবনি— য়াম্ন থম্মোঈ শোক্ল কপলিবনি— অদুগা চৈনাদুদা ঈমীং মীংলুগী পি অসি লেপ্তনা শিন্থরিবনী । কদৌডৈ লেপকদৌরীবা থংদে— অদুগা ঈমীং মীংলুগী পি'শিনা কনা মঙংলাংগীদমক্তম্নু অশুক

ঈচং থৌন— থৌনা লৈনা শীন্নরিবা ? মহুম্ব ঐহাক খংদে।" ঈবেমহল হীপঙমদে—। মরম খংদ্রবা অদুগা লেপ্পুনা চেম্বরক্লিবা মমীৎ মীৎলুগী প্রি— কনাগুম্বশিংনা টখি-খংখিগনী হায়বগী কব্রিগু থৌশাদনা খোম-চুপকী শঙোম থরুবী মুপীমচাহুবু মীংলৈ পেন্ন পেন্ন-পেন্ন, য়েঙলদুনা—খংহৌদ মচীনবান্না নোকমিরক্লে।

করিগুম্ব মীকুপশিংদুদা ঈবেমহলনা মতোমতদা হুড়ক্লে— "নোক-মিবা পুন্সি অমুক হৌরক্লবরা ঐবু ? মুংঙাইবা পুংকমশিংদু ঈকমদা থুঙলম্লবা ?" অদুগা য়ানীংদবশিংদু ঈবেমহল মশামা খঙ্লে— "হৌরে, ঐহাক নোকমিরে মীকুপ খরদী, অদুগা মুংঙাইবা পুংকম হায়বদুদী ঐহাক মশক খংবা নৎত্রি— চীনবান্ন নোকমিরে— থম্মোইগী মৈচাক্তী খুৎনোক খুদীংগী হেঙ্গল্লক্লে অসিবু মুংঙাইবা মতৌরা ? মৈচাক অমদি লৈরে। য়াম্ন মৈশা কনবা ওমচাক্লবা, থম্মোইনা পুঙমত্রবা মৈচাক অমদি লৈরে। কনা মগুংলাং চাকলক্লীবা মৈচাক্লো—? মদুদি— কনানবু খুমলগনি ? কুইরে ৱাহং অসি হংহুনতা লাকলিবা—খেৎনরিবা হায়ববু হৌখিডৈ মতমদা ৱাহংসিদা ঐহাক্ হঙগোইজরম্মী ঐহাক্ তুকচরম্মী— অদুগা ওনিংবা পোক্লম্মী। কুম্মীক্তী—, ঙসিদি—, মদু পুম্নমক উৎকুম-ৱাইগুম্ন মুৎপ্রবা! অসিতনী। মখোয় ঙম্নমক্ মুৎপ্রে— ওনীংবম্ব— অদুগা হঙগোইবগু—। গুপ্পগী চৈনাদুতং মঙাই-হৌরে। চৈনাদুনা ঈমীৎ মীৎলুগী পিবু কায়রবা ঈফুৎকুম— য়েংউ লেপ্পুনা চেম্বহল্লীবসিনী।"

সিনা নোঙমগী ৱানী —।

নোঙমা—। মমীৎ অদুদি নোঙথী নোঙমঙলবা, য়াম্ন তমথীবগী শক্লোন পুৱবা অদুগা অতিয়ানা মায়থোং মক্ অৱাবা মশক পুখিবা, হিৎইক্লবা মমীৎ অমনী। নীংবা কায়থরক্লবা— অতিয়াগী নোঙমঙলবা মতোইদুবু য়েঙলুগা মৈলীং কুমলোবী ঈবেমহলনা ক্রমথক ক্রম-ক্রম মরাশ্রী ক্লোকঙমত্রবা মৈচাক্তা মদোম তুমীন ওমচাক্লিডৈ হকশেমবী নরসনা

চংশল্লক্লদুনা মমাংগী তারীবা চেমায়ছুদা য়েকলিবা অয়েকপা খোল্লিনবা লাইছুদা শংত্রিকহু য়েংলগা অশুম হঙখিবনি—

ঈবেমহল খল্লু-খল্লু ৱাখল খূদীংদা খম্নোঈনা তুজুংনল্লিঙৈ শুপ্নগী পাওখুম অমতংশু খুমখিদ্রে।

ঈবেমহলশু অত্থুগা নবসশু য়াম্ন তুমীন-তুমীন লৈনখি। ঈবেমহলগী মাংদা অঙৌবা চেবাংছু তাল্লুনা লৈ। অত্থুগা চেবাংখক্তদা মুক্কী মচুনা খোংলি করিগুম্বা লৈই খল্ল— অশাংবা, অকোইবা অত্থুগা অখোইবা। "খোল্লিগী লাইনিদনা" নল্লসতুনা খল্লি— ঈবেমহলগী তল্লংনববী মতৌদুদা অত্থুগা মাংদা তাল্লিলা মওং মল্লীল নাইদ্রবা অয়েকপা লৈইশিংছুদা য়াম্ন মুম্ন য়েঙলমলগা যাম্ন ংকচক্লবগুম নল্লসতুনা তুমীন লৈল্লম্বদগী মখা তাল্লকই—

"করিশু খুন্বীদ্রে— ! নত্তে মহৌশা লাই য়েকপা তম্বীল্লকপ্রা—?"

"লাই য়েকপা— ?" ঈবেমহলনা ওক্ল হংলকই "লাই য়েকপা—? ঐবু ?"

"অহোই— !"

"তমলক্কে। করিগীনো ? কদৌরে ? করিগুম্বদা ঐনা লাই য়েকপা উৎপ্রবল্লা— ? ঐহাক লাই য়েকখিবা ৱাওপ্রবল্লা ?"

"ও !" নল্লস'তুনা ওক্ল মখা তাল্লকই "ওল্লগানশিং অমনা অমবু মতেং পাঙনদ্রবা— ? নাল্লভস !! খুংনা য়েকখিবা— কোক্ল খংবীহৌদ্রবা ৱান্দল্লবুল। হীপ্নীবু। খংজল্লে। ঈ পুন্নমক কোক্ক হায়গৎলেদনা। হকচাং শোক্লে। নীংথীনা পোৎখাবীবু।"

ঙসিদি অতিয়া মকোয়সি তরঙ-তরঙলে। হৈনম-লৈনম্না মপুন্সিগী ওইনা যোল্লল্লে। অতিয়া অমত্থং মালেম অনীগী মল্লকসিদা— তথং-তল্লাঙবা তৌদনা লৈনম অত্থবু অশেংবা মালাংন অনৌবা খাওন-কুম ওনগী পাও য়েন্দুনা লেপুনা চুম্নল্লে। অত্থবু অত্থুক কুইল্লবা মতমসি হৌখিছুনহ্— হৈনম-লৈনম চেনবা অনৌবা ৱাওন-কুমওনগী— খোজান

হৈবা মালংবা ওইহুনমু— য়াম্না হুংশি হৈতবা মরমচৎ অমদি— ঙসি ফাওবদা মহাক্না মরাল কোকপীরে হায়বা পাও অমতং তম্বীরক্লিবসিনি।

মীৎকী পিন্থু শক্তম লাকপা ঙমদ্রবা কনা-মগুংলাং লেপ্পুনা শীন্থব-তনী, অমুক, কপ্ন কপ্ন নাক্তগী অঙাংহু চেৎনা থাগোনগে হায়না তেমশিংলকপতনি— অমুক্তং পেন্ন পন্নবা।

পান্নদনা। চেৎনা থাগোল্লে। সিমক্তম্ভ মৈচাক্তদি কোকপা লৈতে। কৈদগী কোক্তনি। ঈবেমহলনা খল্লকই— “মপোকসিমগীদি ঈন্নালতা ঈরাল ওইহৌরগদবী— পিদোন্নবী—, য়াম্না পিদোন্নবী— অন্থুগা য়াম্না তমথীরবী পুন্সি হায়বহু অশুম্মক ওইহুনা লৈহৌরগদবী ঐনী।”

লোইরবা।



মীওইবগী ৱাকং

মহাক্তা অশোংবা মপুন্সিগী ৱারীনু কনানভ তাখ' পামরোই। মহাক্তা কনাগী মীংকী মীংয়েংদা, করিভ ওইনবীগে। মীওইবা !! মতৌ ঋতনভ চৈহৎচৈ কৈদগী মীওইবনো, শা ডা, উ - ৱা নশী-লীংথী, মহাক্তা থঙ্গরকই পুম্মকপিদগীভ শরুক লীপীং লীপীং তোঙ্গরে হাথন। মতম শত্রুবা থৱায় অমা করিভ কায়দনা যাহনে !
মপুগীদমক্তা মহাক্তা মীওইবশিংগীদমক্তা অদুগী মীওইবা তেংবানবু শেমলক শারকপা লোংদমবা মথোরগী মরল অমা যাংলেদকো হায়না অঙ্গা পোৎলুম-অরুনী।

তাইবংসিদি যায় ভমথীগ্রে,
তাইবংসিদি য়ায় লৌনমগ্রে,
মহাক্তা থঙ্গরকই।

মরমাসনগী মহাক্তা মপাগৌগী হৈরাইলবী থৱায় নাক-লেংতা নাম্নদুনা, হয় হয় নাম্নদুনা ইশালৌ হায়না অমুক্তং থম্মোইনা পেয়া কৌজওবনি।। থৱায়গী পুংফম ! মপুগীদমক্তগী মহাক করিভ খীশারমদে।।

পাচা

[illegible] :

১. হয়াদ বেগম - ১৯৬৭.

২. না তাথীবা অহল অমা - ১৯৬৯

৩. হজ্জ - ১৯৭১

৪. ঈম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং নুংশীৎকী ফীডম ১৯৭২

৫ অনৌবা পাও অমা - ১৯৭৩.

৬. লাঙ্গোঙ্গৈনাঙ্গৈ - ১৯৭৫.

৭. লম অসিদা ঐবু খংব অমতংদি থোরকপা ফৈ ১৯৭৫.

৮. পিংগী বারী - ১৯৭৫.

৯. থানিল - ১৯৭৯.

১০. কালিমাই মমাংদা লাইবক কৎপসু য়াওই কত্তবসু য়াওই ১৯৯৮

১১. মীওইবগী বাকৎ - ১৯৯৬.

Cover printed at :
Salam Printers,
SAGOLBAND SALAM LEIKAI, IMPHAL